ভোলুম ১ ইসু ১২
ইংলিশ

জন য়োজনা অভিয়ান- সবকি য়োজনা। সভকি ভিকাস

পঞ্চায়তরাজকীমন্ত্রালয়
ভারতসরকার

Azadi Ka Amrit Mahotsav

# গ্রামোদয় সঙ্কল্প



নওেন্দ্র মোদি
প্রধান মন্ত্রি



গিরিজা সিংহ
পঞ্চায়ত্তি রাজ্ রুরেল দিভেলপমেন্ত মন্ত্রালয়



কাপিল মোরেশ্বর পতিল
রাজ্যগী পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রি




## ইসু অসিদা

• গ্রাম পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পান: .. • নেস্নেল লেভেল ওরিএন্তেসন রার্কশোপ ... • শেনমিৎলোন অমসুং খুন্নাইদা অহোংবা পুরকপদা য়ুমফম ওইবা রিজনেল রার্কশোপ। ...

Azadi Ka Amrit Mahotsav

# শেনবা চহী (২০২১-২২) গী পিপলস পান কেম্পেনগী মনুং চন্না মায় পাক্লা পাওথোকখিবশিং

(১০-০৮-২০২২ ফাওবগী ওইনা)

## ইগ্রামস্বরাজতা পান থাগৎখি (২০২২- ২৩)

জি.পি.দি.পি. - ২৫৪৩৫৭ • বি.পি.দি. পি. ৪৯১০ • জেৎ.পি.দি. পি. ৩৬০

## সভাদা পানগী অয়াবা পীখি

জি.পি.দি. পি.- ২৬০৮৫৪ • বি.পি.দি. পি. ৫২৩৯ • জেৎ.পি.দি.পি. ৪৩৩

## খনখিবা নোদেল ওফিসরশিং: ৭৪৬৪

## খনখিবা ফেসিলিতেতরশিং: ৩১২৮৭৬

জি.পি. শিং. ২৬৬৬৮৩ • বি.পি. শিং. ৫৬৮৯ • জেৎ.পি. শিং. ৫২৩

## খনখিবা লাইন দিপার্তমেন্ত নোদেল ওফিসরশিং: ১৬২

## শকখঙখিবা ফ্রন্তলাইন ৱার্কররশিং: ১৩৯২৩৯৯

## পাঙথোকখিবা সভা: ৩০৭৬৫৭

জি.পি. শিং. ২৬৩৮৩০ • বি.পি. শিং. ৫৩৫৪ • জেৎ.পি. শিং. ৪৭৮

## http://gpdp.nic.in/
## দা থাগৎখিবা সভাগী ইমেজ: ৬৭১৯০০

জি.পি. শিং. ২৬১৮৬৭ • বি.পি. শিং. ৫২৭০ • জেৎ.পি. শিং. ৪৪৫

# য়াওরিবশিং:


**ইদিতর ইন চিফ:**

**সুনিল কুমার, আই.এ.এস.**
**সেক্রেতরি**
**পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়**

**ইদিতর:**

**দা. বিজয়া কুমার বেহরা,**
**আই.ই.এস.**
**ইকোনোমিক এদভাইজর**

**ইদিতোরিএল এসিস্তেন্ত:**

**অলোক পান্দ্যা**
**অঞ্জানি কুমার তিৱারি**



3

ইকায়খুম্নজরিবা
মন্ত্রিগী
পাউজেল

4

ইকায়খুম্নজরিবা
রাজ্যগী মন্ত্রিগী
পাউজেল

5

ইকায়খুম্নজরিবা
সেক্রেতরিগী
পাউজেল

7

গ্রাম পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পান:
মসিগী তঙাইফদবা অমসুং ফংগদবা ফল

9

পিপল্স পান কেম্পেন ২০২১ দা
য়ুমফম ওইবা নেস্নেল লেভেল
ওরিএনতেসন ৱার্কশোপ

14

ইন্দো-গঙ্গেতিক পেনগী রাজ্যশিংদা পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত
পানশিংগী খুৎথাংদা পাঙথোকখিবা শেনমিৎলোন অমসুং
খুন্নাইদা অহোংবা পুরকপদা য়ুমফম ওইবা রিজনেল ৱার্কশোপ
ওক্তোবর ২৮-২৯, ২০২১, ভোপাল, মধ্য প্রদেশ সমুদ্র খোঙবানগী

20

রাজ্যশিং, য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত
পানশিংগী খুৎথাংদা পাঙথোকখিবা শেনমিৎলোন অমসুং
খুন্নাইদা অহোংবা পুরকপদা য়ুমফম ওইবা রিজনেল ৱার্কশোপ
১১ -১২ নভেম্বর, ২০২১, মেঙ্গলুরু, কর্নাতকা

নভেম্বর ২২-২৩, ২০২১ দা জয়পুর, রাজস্থানদা পি.ই.এস.এ. 24
(PESA) রাজ্যশিংগী ওইনা পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পানশিংগী খুৎথাংদা
পাঙথোকখিবা শেনমিৎলোন অমসুং খুন্নাইদা অহোংবা পুরকপদা
য়ুমফম ওইবা রিজনেল ৱার্কশোপ

হিমালয়ন রাজ্যশিংদা পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পানশিংগী খুৎথাংদা পাঙথোকখিবা 29
শেনমিৎলোন অমসুং খুন্নাইদা অহোংবা পুরকপদা য়ুমফম ওইবা রিজনেল ৱার্কশোপ
নভেম্বর ২৮-২৯, ২০২১ দা দেহরাদুন, উত্তরখান্দদা

অরং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পানশিংগী খুৎথাংদা 32
পাঙথোকখিবা শেনমিৎলোন অমসুং খুন্নাইদা অহোংবা পুরকপদা য়ুমফম
ওইবা রিজনেল ৱার্কশোপ
দিসেম্বর ১৩-১৪, ২০২১ দা অগর্তলা, ত্রিপুরাদা

পঞ্চায়ত পরিকল্পনা উৎসভ: 36
আসাম রাজ্যদা থেংনখিবা থৌদোক অমা


গ্রামোদয় সঙ্কল্পকী হোংদোক-হোংজিন তৌরিবশিং অসি হৈথোই-শিংথোইরবা লোল হন্দোক্লোকপশিংনা চথবনি অমসুং মদু অথাবরবা মওংদা অমসি থীরাগা পাক-শন্না ঙাঙনবা গ্রাহেশিংদা যোঙতোক্নবগীদমক পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়গী মথাদা লেপ্ত ইন্সতিত্যুত অব রুরেল দিভেলপমেন্ত (ঝওজডইং) না কুপ্পা রেৎশিলি, করিগুম্বা হন্দোক্লিবা হিরম অদুদা অশোয়বা নত্রগা চিংথৌবশিং গ্রাওরবদি মদু অ তম্মনা অমসুং কনাগুম্বা অমত্তু শোকতন্নবা তৌখিবা নত্তে অমদি মদুদা ঙাকপিফম থোকই । গ্রামোদয় সঙ্কল্পতা যোঙলিবা আর্তিকলশিংদা অহৈবশিংনা যোঙদোক্লিবা মিৎয়েংশিং অদু মখোয় মশাগী ওইজবা অদুখক্তি । মখোয়না সরকার নত্রগা হংগোয়না থবক তৌরিবা ওর্গনাইজেসন অদুগী মিৎয়েং অদু অতম্মনা উৎথখিবা নৈতে । অহৈবা মশামক অদুনা আর্তিকলশিংদা পীরিবা অচুম্বা রারোলশিং অমসুং রাৎলোনশিং অদুগী দাজা পুগনি ।

গিরিরাজ সিংহ
**GIRIRAJ SINGH**

ভাৰত চৰকাৰৰ গ্ৰামোন্নয়ন
আৰু পঞ্চায়তীৰাজ মন্ত্ৰী
কৃষি ভৱন, নতুন দিল্লী



## পাউজেল

“গ্রামোদে সঙ্কল্পচমেগজিনগী ১২শ ইসু অসি“জন য়োজনা অভিয়ান-সবকা য়োজনা, সবকা ভিকাস কীচৱাখলোনগা লোয়ননা পুথোকপা অসি য়াম্না নুংঙাইনিঙাই ওইবা থবক অমনি।

গ্রাম পঞ্চায়তশিংদা খুঙ্গংশিংবু মখোয়দা ফঙজরিবা রিসোর্সশিং শিজিন্নদুনা গ্রাম পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পান (জি.পি.দি.পি) শেম-শান্নবগীদমক সংবিধানগী ওইবা য়াথং পীখি। পঞ্চায়তশিংনা খুঙ্গং চাওখৎহন্নবগী মপুং-ফাবা অমসুং ক্রোস-সেক্তর দিভেলপমেন্ততা য়ুমফম ওইবা কপ্রিন্ত অমা শেম-শাবা ঙমহন্নবগীদমক, পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়না চহী খুদিংগী জন য়োজনা অভিয়ান কেম্পেন পাঙথোক্লি অমসুং হেন্না মশক থোক্নবা হোৎনরি।

চহী অসিদসু, ওক্তোবর ২, ২০২১, জাতিগী মপা, মহাত্মা গান্ধি মপোক কুমওন্দগী হৌদুনা, মহাক্না লৈখিদবা তারিখ জনুৱারি ৩১, ২০২২ ফাওবা, লৈবাক শিনবা থুংনা“জন য়োজনা কেম্পেনচদোকখি অমসুং চহী ২০২২-২৩ গী ওইনা গ্রাম পঞ্চায়ত লাখ ২.৫৫, বোক পঞ্চায়ত ৩,৩০৫ অমসুং দিস্ত্রিক পঞ্চায়ত ২৪২ হেনবনা মখোয়গী দিভেলপমেন্ত প-ানশিং শেম-শাখি অমসুং মদুবু ই-গ্রাম স্বরাজ পোর্তেলদা থাগৎখিবা অসি য়াম্না শিংথানিংঙাই ওইবা মরম অমা ওইরি।

ঐখোয়গী পান্দমদি সস্তেনেবল দিভেলপমেন্ত গোলশিং অসি লোকেলাইজ তৌবা অমসুং মখোয়বু ২০৩০ ফাওবদা ফঙবা ঙম্বা অসিনি। “গ্রাম পঞ্চায়তশিংচ, গ্রাস-রুত্তা লৈবা গনতন্ত্রগী ওইবা লোয়শঙশিং অসিগী মথৌদি হায়রিবা পান্দমশিং অসি ফঙহনবদা য়াম্না মরুওইবা অমসুং মতিক-মগুন লৈবা থৌদাং অমা লৌবা অদুনি। পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পানশিং অসি হায়রিবা পান্দম অসিগী মায়কৈদা পুরক্নদবনি।

ঐহাক্না থাজবা থম্নি মদুদি পিপলস পান কেম্পেনগা মরি লৈনবা থবক-থৌরমশিং অমসুং কেম্পেন অসিগী মখাদা গ্রামোদয় সঙ্কল্পকী ইসু অসিগী মরুওইবা শরুক ওইরিবা পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পানশিং শেম-শানবগীদমক্তা পাঙথোকখিবা নেস্নেল অমসুং রিজনেল থাক্কী ওইবা ৱার্কশোপশিংদগী ফংলকপা ফল অদু থনগৎলবা পঞ্চায়তকী মীহুৎশিং, ওফিস পুরিবশিং অমসুং খুঙ্গংগী মীয়ামদা মখোয়গী তুংগী পোরম য়াৎপগা লোয়ননা অমনা অমদগী তমজনবগী মচাক অমা পীবদা মতেং ওইরগনি।

(GIRIRAJ SINGH)

Office : 'G' Wing, Ground Floor, Krishi Bhawan, New Delhi-110001, Tel.: 011-23383548, 23782373, 23782327, Fax : 011-23070309
Resi. : 27, Lodhi Estate, New Delhi, Ph.: 011-24626783, 24655677

কাপিল মোরেশ্বর পতিল
ৰাজ্যিক মন্ত্রী
পঞ্চায়তীৰাজ মন্ত্রালয়
ভাৰত চৰকাৰৰ

কাপিল মোরেশ্বর পতিল
ৰাজ্যিক মন্ত্রী
পঞ্চায়তীৰাজ মন্ত্রালয়
ভাৰত চৰকাৰৰ



<u>পাউজেল</u>

"গ্রামোদে সঙ্কল্প" মেগজিনগী ১২শ ইসু অসি "জন য়োজনা অভিয়ান-সবকা য়োজনা, সবকা ভিকাস" কী রাখলোন্দা য়ুমফম ওই হায়বসি খঙজবদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইজে।

ঐখোয়গী জাতিগী মপানা হায়খি মদুদি পঞ্চায়তকী মপাঙ্গল কলিবা মথৈ, মীয়ামগী শক্তবা ওইগনি। ভারত সংবিধানগী হুমফুতরা হুমদোইশুবা এমেন্দমেন্তনা পঞ্চায়তশিংদা অহেনবা শক্তিশিং পীদুনা দিসেন্ত্রেলাইজেসনগী শক্তি অসি হেন্না খোঙজেল য়াংহলে।

গ্রাসরুত লেভেলদা চাওখৎহন্নবা পোরম য়াৎপগী হিরমশিংগী মতাংদা খঙহন্নবগীদমক, পঞ্চায়তি রাজ মন্ত্রালয়না সোসিও-ইকোনোমিক চাওখৎহনবা, খুনাইদা অচুম্বা লৈহনবা, অকোয়বগী খল ঙাকপা, সরকারগী থবক ফংহনবা, অফবা লৈঙাক অসিনচিংবদা মপুংওইনা পান্দম থম্বা মপুংফাবা পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পান (পি.দি.পি) শেম-শান্নবগীদমক চহী খুদিংগী জন য়োজনা অভিয়ান (পি.পি.সি) পাঙথোক্লি। পান য়র ২০২২-২৩ গী ওইনা জন য়োজনা অভিয়ান অসি ওক্তোবর ২, ২০২১ দগী জনুৱারি ৩১, ২০২২ ফাওবা পাঙথোকখি।

চহী অসিদা ভারতনা মনিং-মখা তম্মকপগী ৭৫শ চহীগী পালন পাঙথোকপনা মরম ওইদুনা, য়ুনাইতেদ নেসঙ্গনা শেমখিবা লোকেলাইজেসন ওব সস্তেনেবল দিভেলপমেন্ত গোলস অমসুং মখোয়বু খুঙ্গংদা লৈরিবা লোকেল বোদিগী থাক্তা মায় পাক্লা ফংবা ঙম্নবা পিপলস পান কেম্পেন্না অচৌবা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা অহেনবা মীৎয়েং থম্লি।


ঐহাক্লা থাজে মদুদি গ্রামোদয় সঙ্কল্পকী ইসু অসিনা তুংদা মগুন লৈবা পোরম য়াৎনবগীদমক পিপলস পান কেম্পেন অমসুং পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পানগা মরি লৈনবা অকুপ্পা য়ারোশিংগা লোয়ননা অহেনবা ই-পাউ, পঞ্চায়তশিং, খনগৎলবা পঞ্চারতকী মীহুৎশিং অমসুং অতোপ্পা স্তেকহোলদরশিংদা পাক-শন্না য়ৌহলগনি।

(Kapil Moreshwar Patil)

**Office:** Room No. 392, 'E' Wing, 3rd Floor, Krishi Bhawan, New Delhi-110001
**Residence:** 05, Duplex North Avenue, New Delhi-110001
Phone: 011-23782143, 23782548, 23782518 E-mail Id: mospanchayatiraj@gmail.com

সিনিল কুমার আই.এ.এস.
SUNIL KUMAR, IAS

সচিব
ভাৰত চৰকাৰৰ
পঞ্চায়তী ৰাজ মন্ত্রালয়



পাউজেল

খুঙ্গংগী নাগরিকশিংদা, মরুওইনা মখোয়গী মতিক চাবা লৈঙাক শেমজবদা মতেং পাংলিবা গ্রাম পঞ্চাবতকী খনগৎলবা মীহুৎশিংদা সরকারগী স্কিমশিংগী তোঙান-তোঙানবা শক্লোনশিং, প্রোগ্রামশিং অমসুং প্রোজেক্তশিংগী ইমপিমেন্তেসন তৌবগী তুং-কোইনা চৎনগদবা মোদেলশিং অমসুং মায় পাকপগী রারিশিংগী অকুপ্পা রারোল পাক-শন্না খঙহন্নবগী মীৎয়েংদা পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়না "গ্রামোদয় সঙ্কল্প" হায়বা মেগজিন অমা থা মরী খুদিংগী ফোংলি।

খুঙ্গংশিং মপুংফানা চাওখৎহন্নবগীদমক, তুং-কোইনা লৈগদবা চাওখৎপগী পান্দমশিং ফংনবগীদমক পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পানশিং শেম-শাবদা অচেৎপা মীৎয়েং থম্বা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদে। পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়না ২০১৮ দগী হৌদুনা পিপলস পান কেম্পেন (পি.পি.সি) কৌবা মীয়াম হুপ্পা শরুক য়াবা কেম্পেন অমগী খুথাংদা গ্রাম পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পানশিং (জি.পি.দি.পি) অসিবু হেন্না মশক থোকহন্নবা হোৎনরি "গ্রামোদয় সঙ্কল্প" কী ১২শ ইস্যু অসি পিপলস পান কেম্পেন (পি.পি.সি) দা অকক্লবা মীৎয়েং থম্রি।

পিপলস পান কেম্পেন (পি.পি.সি) অসি মন্ত্রালয়না ২শ ওক্তোবর, ২০১৮ দা জি.পি.দি.পি লাখ ২.৩৯ শেম-শাবা ওইনা পুন্না রাজ্য ২৯ অমসুং য়ু.তি ৬ কী ওইনা হৌদোকখি। হায়রিবা কেম্পেন অসি দিভেলপমেন্ত পান শেম-শান্নবগীদমক বোক অমসুং দিস্ত্রিক থাক্কী পঞ্চায়তশিংগী লেভেল ফাওবা চাওথোকখ্রে। কেম্পেন অসিগী খুথাংদা, শেনবা চহী ২০২২-২৩ গী ওইনা, গ্রাম পঞ্চায়ত লাখ ২.৫৫, বোক পঞ্চায়ত ৩,৩০৫ অমসুং দিস্ত্রিক পঞ্চায়ত ২৪২ না মখোয় মশাগী পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পানশিং শেম-শাখ্রে অমসুং গ্রামসভা মীফমশিংদা অয়াবসু ফঙখ্রে।

গ্রমোদয় সঙ্কল্পকী ইস্যু অসিদা, পি.পি.সি অমসুং পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পানশিং শেম-শান্নবগীমদক নেস্নেল অমসুং রিজনেল থাক্তা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপশিংদগী ফংখিবা ফলগা লোয়ননা পিপলস পান কেম্পেনগা মরি লৈনবা থবক থৌরমশিং পাক-শন্না য়াওরি।

ইস্যু অসি পঞ্চায়তকী মীহুৎশিং, থৌ-পুবশিং অমসুং খুঙ্গংগী মীয়ামদা অমনা অমদগী তমজবদা মতেং ওইরগনি হায়না ঐহাক্না থাজবা থম্রি।

(Sunil Kumar)

কৃষি ভবন, ডা রাজেন্দ্র প্রসাদ রোড, নई দিল্লী-110001, KRISHI BHAWAN,DR. RAJENDRA PRASAD ROAD, NEW DELHI-110001
Tel. : 011-23389008, 23074309 Fax : 011-23389028 E-mail : secy-mopr@nic.in

# গ্রাম পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পান: মসিগী তঙাইফদবা অমসুং ফংগদবা ফল

• পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়

মতম করা চঙনা শেমদোক-শাদোক তৌদুনা ওইরকখিবা পঞ্চায়ত্তি রাজ সিস্তেম অসিনা ভারতকী দিসেন্ত্রেলাইজ ওইরবা দেমোক্রেসি অদু ফোঙদোক্লি। পঞ্চায়ত্তি রাজ ইন্সতিত্যুসনশিং (পি.আর.আই.এস) অসি গ্রাস রুতকী থাক্তা দেমোক্রেসি দিসেন্ত্রেলাইজেসন তৌবগী য়াম্না মরু ওইবা খুৎলাইশিংনি অমসুং খুঙ্গং চাওখৎহনবা অমসুং শক্তি দিসেন্ত্রেলাইজেসন তৌবদা য়াম্না মরুওইবা পাম্বৈ অমা ওইরি। পি.আর.আই. শিং অসি পান্নিং অমসুং চাওখৎ-থৌরাংগী খোঙথাংদা মীয়াম শরুক য়াহনবগী খুদোংচাবা পীরিবা মশানা লৈঙাকচবগী লোইশংশিং ওইনা উবা য়াগনি।

শেনমিৎলোন ফগৎহনবা অমসুং খুঙ্গংগী মীয়ামগী পুন্সি মরেল ফনা লৈহনবগী পান্দমগা লোয়ননা খুঙ্গংগী লমশিং চাওখৎহনবা হায়বসি য়াম্না পাক-চাওবা অমসুং কুপথবা মীৎয়েং অমনি, মসিগী মনুংদা লৌউ-শিংউবগা মরি লৈনবা থবক-থৌরমশিং চাওখৎহনবা, খুন্নাইগী ওইবা শেনমিৎলোনগী ইনফ্রাস্ত্রকচর, কম্যুনিতি থবক-থৌরম অমসুং খুদোংচাবশিং, অমসুং পুন্নমক অসিগী মথক্তা খুঙ্গংগী লমশিংদা হ্যুমেন রিসোর্স চাওখৎহনবা য়াওরি। তশেংনা হায়রবদা, খুঙ্গং চাওখৎহনবা হায়বসি তোঙান-তোঙানবা ফিজিকেল, তেক্নোলোজিকেল, ইকোনোমিক, সোসিও-কলচরেল অমসুং ইন্সতিত্যুস্নেল ফেক্তরশিংগী মরক্তা অফবা মরি অমা লৈহলবা মতুং ফংগদবা ফল অদুনি। ঐখোয়না উবা ফংঙ্গে মদুদি দিসেন্ত্রেলাইজেসনগী থৌওং অসি রাজ্যশিংদা য়াম্না হোংদোক-হোংজিন লৈপ্লে। এম.ও.পি.আর. না রুরেল দিভেলপমেন্ত মন্ত্রালয় (এম.ও.আর.দি) গা খুৎশম্নদুনা মিসন অন্তয়োদয়া সর্ভে পাঙথোক্লবা অমসুং পান্নিং চথরিঙৈদা মরুওইবা থোং মান্নদবশিং অদু খঙদোক্লবা হোৎনরি।

মান্ত্রালয়না অহানবা পিপলস পান কেম্পেন অসি  'সবকি য়োজনা সবকি ভিকাস' হায়দুনা ২০১৮ গী ২য় ওক্তোবর দগী ৩১শুবা দিসেম্বর ফাওবগী ওইনা হৌদোকখি। চহী অসিগী ওইনা, কেম্পেন অদু ২য় ওক্তোবর, ২০২১ দগী হৌদক্লনি অমসুং ৩১শুবা দিসেম্বর, ২০২২ ফাওবা চথগনি। লৈকায় অদুগী তঙাইফদবশিং খঙদোক'না মপাঙ্গল লৈবা পান অমা শেম-শাবা অমসুং তরামাথোইশুবা সেন্দ্রালদা য়াওরিবা সেক্তর ২৯ পুনশিন্দুনা শেম-শাবা, হায়রিবা অসি পঞ্চায়তশিংদা য়ৌহনবদা মীৎয়েং থম্বা অমসুং অতোপ্পা লাইন দিপার্তমেন্তশিংনা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং অমসুং প্রোগ্রামশিং/ইন্নিস্যেতিবশিং লৈকায়দা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা হায়বসিনা কেম্পেন অসিগী মপুংওইবা পান্দম ওইরি। ২০১৮ তগী হৌদুনা, কেম্পেন অসিগী হৌখিবা চহী অহুমদা, গ্রাম পঞ্চায়তকী ৯১% না মায় পাক্লা লাক্লদবা চহীগী মথোয়গী জি.পি.দি.পি. শিং অদু শেম্বা ঙমখ্রে। ২০২০ গী ওইনা, পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়না জি.পি.দি.পি. শিংদা জি.পি ৯৫% গী রেকোর্দ ওইরবা মশীং অমা ফংবা ঙমগ্রে।

কেম্পেন অসি চথরিঙৈ মনুংদা, লোকেল এরিয়া পন্নিং অদু অমুক নৌনা য়েংশিনখি, নিংথিনা শেম-শাখি, মথংগী শেনবা চহী হায়বদি ২০২২-২৩ গী গ্রাম সভা দিভেলপমেন্ত পান (জি.পি.সি.পি) শেম-শানবগীদমক গ্রাস রুতকী থাক্তা গ্রাম সভা মীফমশিং পাঙথোকখি। কেম্পেন অসি পঞ্চায়ত্তি রাজ ইন্সতিত্যুসনশিং (পি.আর.আই.এস) অমসুং মরী লৈনবা রাজ্যগী লাইন দিপার্তমেন্তশিং পুনশিনহন্দুনা গ্রাম সভাগী থাক্তা পান্নিং তৌনবা অতয়্না অমসুং মওং তানা পায়খৎপা খোঙথাং অমা ওইরি। দিপার্তমেন্ত ওব রুরেল দিভেলপমেন্ত, দিপার্তমেন্ত ওব এজুকেসন, দিপার্তমেন্ত ওব দ্রিঙ্কিং ৱাতর . সেনিতেসন, দিপার্তমেন্ত ওব হেল' অমসুং দিপার্তমেন্ত ওব এগ্রিকলচর হায়রিবশিং অসি কেম্পেন অদুদা মায়পুননা শরুক য়াখিবা মকোক থোংবা লাইন দিপার্তমেন্তশিংনি।




ইমেজ ১: জি.পি.দি.পি শেম্বগী সাইকল

পানশিং অসিনা ইকোনোমিক, সোসিএল অমসুং ফিজিকেল পেরামিতরশিং পুন্নমক কোনশিলি, অমসুং খুঙ্গংগী লমদা সোসিও-ইকোনোমিক্তা অহোংবা পুরকপদা পান্দম থম্লি। জি.পি.দি.পি পন্নিংগী থৌওং অসি ভারতকী খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা মরী লৈনবা দাইমেন্সন অহুমগী চাওখৎ-থৌরাংগী সমস্যাশিংদা অতয়্না মীয়েং থমগনি।

অ. ইকোনোমিক দাইমেন্সন: লাইরবা হন্‌হন্নবা অমসুং থবক্কী খুদোংচাবা হেন্না লৈহন্নবা। লাইরবা অমসুং শেন্‌োক হন্‌বা খুঙ্গংগী য়ুমথোংশিংবু শরুক য়াহন্নবগীদমক কেপাসিতি অমসুং খুদোংচাবশিং পীবা, অমসুং লৈবাক অসিগী শেনমীৎলোন ফগৎলক্লিবা থৌওং অসিগী কান্নবা লৌহনবা।

ই. সোসিএল দাইমেন্সন: লাইরবা অমসুং শেন্‌োক হন্‌বা য়ুমথোংশিং অমসুং শোথরবা কাংলুপশিংগী সোসিএল দিভেলপমেন্ত, সোসিএল ইন্দিকেতরশিংদা থোং মান্নদবা লৈহনদবা, নুপা-নুপী থোং মান্নহনবা অমসুং নুপীশিংদা অহেনবা শক্তি পীবা, অমসুং শোথরবা কাংলুপশিংবু খুদোংথিনিংঙাইদগী ঙাক-শেনবা।

ঈ. পোলিতিকেল ডাইমেন্সন: নুপীশিং অমসুং এস.সি অমসুং এস.তি য়াওনা খুঙ্গংগী লমশিংদা লৈরিবা লাইরবা অমসুং শেন্‌োক হন্‌বা মীওইশিংবু খুঙ্গংগী থাক অমসুং মসিদগী হেনবা পঞ্চায়তকী থৌওংশিংদা শোয়দনা অমসুং থোং মান্ননা শরুক য়াহনবা।


কেম্পেন অসিনা মথৌ তৌরিবা গ্রাম সভাদা দি.এ.ৱাই-এন.আর.এল.এম. গী মখাদা খনগৎলবা পঞ্চায়তকী লুচিংবা লাখ ৩১ অমসুং এস.ঐচ.জি নুপী ক্রোর ৫.২৫ কী মথৌদাংবু হান্না মপাঙ্গল কনখৎহনগ্নে। গ্রাম পঞ্চায়তশিংদা ইন্সতোল তৌগদৌরিবা পবিক ইনফোর্মেসন বোর্দশিংনা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা চাওখৎ থৌরাংগীদমক গ্রাম পঞ্চায়তশিংদা কায়থরক্লিবা ফন্দশিং শিজিন্নবদা অরোন অথুপ লৈহন্দবদা মতেং পাংলগনি। মিসন অন্তয়োদয়া গ্রাম পঞ্চায়তশিংগীদমক শেম্বা সোসিএল অমসুং ইকোনোমিক দিভেলপমেন্তকী মতাংদা গ্রাম পঞ্চায়তশিংগী রেঙ্কিংনা খুঙ্গং, গ্রাম পঞ্চায়তকী থাক্তা লৈরিবা থোং মান্নদবশিং খঙদোকপদা মতেং ওইরগনি অমসুং ইভিদেন্স-বেস পান্নিং অমসুং জি.পি.দি.পি ইমপিমেন্তেসন তৌবদা অচেৎপা পান্দম অমা থম্বা ঙমহলগনি।





ইমেজ ২: শাফরবা জি.পি.দি.পি. গী এম.ও.পি.আর. না লৌখৎপা থৌওংশিং

রাজ্যশিং, জিলা, বোকশিং অমসুং গ্রাম পঞ্চায়তশিংদা লৈরিবা পান্নিংগী থাক অসি নৈননবগীদমক, পঞ্চায়তশিংদা তোঙান-তোঙানবা রিসোর্সশিং ফংহল্লি। হায়রিবা নৈনবা য়াবা রিসোর্সশিং অসি শিজিন্নদুনা, পি.আর.আই. শিংনা গ্রাম পঞ্চায়শিংদা লৌখৎপা য়াবা রিসোর্সকা মরী লৈনবা অমসুং থবক থৌরমশিংগী ৩৬০-দিগ্রিগী মীৎয়েং অমা লৈবা য়ারে।

| অকুপ্পা বারেলশিং | 2018 | 2019 | 2020 | 2021 |
|---|---|---|---|---|
| জি.পি.দি.পি. শিংগী মশীং | 2,50,079 | 2,46,998 | 2,56,122 | 2,40,618 |
| থবক থৌরমশিংগী মশীং | 90,89,965 | 82,00,092 | 58,30,222 | 85,32,382 |
| বজেত্তকী শেনফম (ক্রোরদা) | 1,91,121 | 1,65,023 | 1,37,438 | 1,02,200 |




পঞ্চায়তনা এফ.ৱাই ২০২১-২২ গী ওইনা লম্বী-থোংশিং, সেনিতেসন, এদমিন সপ্পোর্ত অমসুং থক্লবা ঈশিং অসিনচিংবা থবক থৌরম ৮৮ হাপচিনখি। হায়রিবা জি.পি অসিগী রিসোর্স ইনভেলপকী শেনফম অসি অই.এন.আর ক্রোর ২.৭৬ নি। মসিগী মনুংদা সেন্ত্রেল গোভর্নমেন্ত স্কিমশিং, স্তেত গোভর্নমেন্ত স্কিমশিং অমসুং ওন ফন্দশিং য়াওরি।




ইমেজ ৩. লৈবাক শিনবা থুংনা পাংথোকখিবা থবক থৌরমশিংগী এনালাইতিকেল




সেন্ত্রেল অমসুং রাজ্যগী থাক্কী স্কিমশিংগা লোয়ননা মপুং ফাবা পানিং অমা শোয়দনা লৈহন্নবগীদমক, এম.ও.পি.আর. না চহী অমগী ফংলিবা ফন্দশিংগী শেনফম অদু হাপচিন্নবা গ্রাম পঞ্চায়তশিংদা য়াথং পীখ্রে। হায়রিবা হিরমসিদা দিস্ত্রিকশিংবুসু মথোয়গা মরি লৈনবা জি.পি. শিংবু মতেং পাংনবা অমসুং সপোর্ত তৌনবা পাউতাক পীখ্রে

নসেনল ইন্সতিতুত ওব রুরেল দিভেলপমেন্ত এন্দ গ্রাম পঞ্চায়ত (এন.আই.আর.দি.পি.আর) সুএম.ও.পি.আর. গা পি.আর.আই. শিংবু হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং ত্রেনিং সপোর্ত তৌবদা খুৎশমনদুনা চৎলি। স্কিমশিং পুনশিনবা অমসুং লেতাগী কান্নবা লৌবা অমসুং শিজিন্নবদা অকক্নবা মীৎয়েং থমদুনা নোদেল ওফিসরশিং ফেসিলিতেতরবু তাকপী-তম্বীদুনা ত্রেনিং মনুংদা হেন্না ফগৎনবা হোৎনখি।

# পিপলস পান কেম্পেন ২০২১ গী মতাংদা পাঙথোকখিবা নেস্নেল লেভেল ওরিএনতেসন ৱার্কশোপ

এন.আই.আর.দি.পি.আর, হাইদ্রবাদ

ৱাহৌদোক

গ্রাম পঞ্চায়তকী থাক্তা ওইথোক্কদবা পোৱম য়াৎনবা অমসুং পি.আর.আই. শিং অমসুং রাজ্য/য়ু.তি. শিংগী খনগৎলবা মীহুৎশিং অমসুং থৌ পুরিবশিংগী মতেং পাংনবগীদমক, পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়না রুরেল দিভেলপমেন্ত মন্ত্রালয় অমসুং এন.আই.আর.দি. পি.আর. গা পুন্না খুৎশায়দুনা ওরিএনতেসন অমসুং রিজনেল ৱার্কশোপশিং পাঙথোকখি। পিপলস পান কেম্পেনগী অনীশুবা তাংকক অদু ২শুবা ওক্তোবর, ২০১৯ দা মপাঙ্গল লৈনা অমসুং হৈনিংবা অমগা লোয়ননা হৌদোকখি। মপুংফাবা জি.পি.সি.পি অমা শেম-শান্নবদা গ্রাম পঞ্চায়তশিংগী প-ান্নরশিংবু মতেং পাংনবগী পান্দম অমগা লোয়ননা লৈবাক শিনবা থুংবদা নেস্নেল লেভেল ৱার্কশোপ অনী অমসুং রিজনেল ৱার্কশোপ মঙা পাঙথোকখি। ২০২০ গী পিপলস পান কেম্পেন অদু কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা ওনলাইনগী খুথাংদা পাঙথোকখি। রাজ্যশিং অমসুং য়ু.তি. শিংনা পি.পি.সি. গা মরি লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লিঙৈদা রাজ্যশিং অমসুং য়ু.তি. শিং অদুনা শেমজবা কোভিদ-১৯ গী চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎনবা হায়জখি। পি.পি.সি-২০২১ দা য়ুমফম ওইবা অহানবা নেস্নেল লেভেল ওরিএনতেসন ৱার্কশোপ অদু পি.আর.আই. শিংনা মথৎশিংনা ২শুবা ওক্তোবর, ২০২১ দগী ৩১শুবা জনুৱারি, ২০২২ ফাওবদা মপুংফাবা গ্রাম পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পান্স (জি.পি.দি.পি), বে-াক পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পান্স (বি.পি.দি.পি) অমসুং দিস্ত্রিক পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পান্স চৎনহন্নবা কেম্পেনবু লৈবাক শিনবা থুংবদা য়ৌহন্নবা ১৩শুবা সেপ্তেম্বর, ২০২১ দা হাইদ্রবাদতা পাঙথোকখি।

হৌদোকপগী সসনশিং

তরাম্না ওকপগী ৱারোল:

দা. জি. নরেন্দ্র কুমার, দিরেক্তর জেনরেল, এন.আই.আর.দি.পি.আর. না রাজ্যশিং অমসুং য়ু.তি. শিংদগী লাকপা রিসোর্স পর্সনশিং, ফেকলতিশিং, অমসুং দেলিগেতশিং তরাম্না ওকখি অমসুং জাতিগী থাক্তা পাঙথোকপা ৱার্কশোপ অদুগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকখি। অহানবা ওইনা পি.আর.আই. গী তায়র অহুম হাপচিন্দুনা চহী অসিগী পি.পি.সি. গী পাক-চাওথোক্লবা মওং অসিগী মতাংদা মহাক্না পনখি। মহাক্না মখা তানা পনখি মদুদি থবক থৌরমশিং প্রোজেক্তাইজেসন তৌনবা পি.এম.আই (প্রোজেক্ত মেনেজমেন্ত ইন্সতিত্যুজসন ওব ইন্দিয়া) গা, শেন-থুংগী মতাংদা নৈননবগীদমক আই.সি.এ.আই (ইন্সতিত্যুত ওব চার্তেত একাউন্তেন্ত ওব ইন্দিয়া) হায়রিবা তোঙান তোঙানবা মশক নাইরবা লোয়শৎশিং অসিগা খুৎশায়দুনা এন.আই.আর.দি.পি.আর. না দিসেন্ত্রেলাইজ তৌরবা পান্নিংবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরি।

পিপলস পান কেম্পেন ২০২১- শন্নপ্না য়েংবা :

নেস্নেল ৱার্কসোপকী ওইনা অকক্লবা মওং-মতৌ অমা শেমগৎনবগীদমক, মিস রেখা য়াদবনা চহী

অসিগী ওইনা জি.পি.দি.পি গী বেকগ্রাউন্দ, পান্দমশিং, থৌওংশিং, খুমাং চাওশিলিবা অমসুং

বি.পি.সি.পি. দি.পি.দি.পি. গী থাক অদুগী মতাংদা রা ঙাঙখি।

মহাক্না এম.ও.পি.আর. গী অশানবা মীৎয়েং অদুগী উৎখি অমসুং পনখি মদুদি "খুঙ্গংগী লমদা

খোঙজেল য়াঙনা অহোংবা পুরকপা হায়বসি পঞ্চায়তশিংগী থাক্তা লৈ অমসুং কুইদ্রিবা চহী খরগী

মনুংদা ফন্দশিং কাইথবা হেলকপদগী পঞ্চায়তশিংগী থৌদাংদা মশক থোকহনবা ঙম্মে।"

মখা তানা পনখি মদুদি XIV এফ.সি. গী গাইদলাইনশিং খক্তনা মপুং ফাদ্রে হায়বা খঙলকপদগী

পি.পি.সি অসি হৌদোকখিবনি। পি.পি.সি হৌদোকপ্রবা মতুংদা, ২০১৮ তা অপলোদ তৌখিবা

জি.পি.দি.পি. শিংগী মশীং অসি ৫৯,০০০ তগী ২,৫০,০০০ দা হেনগৎপা ঙমখি।

মমাংগী পি.পি.সি কেম্পেনশিংদগী গ্রাম সভাশিংগী অরাৎপা লৈবা, মীওই মশীং য়াম্না তিনখিদবা, লাইন

দিপার্তমেন্তশিংনা শরুক য়াবগী চাং নেমখিবা অকক্লবা সেক্তরশিংগী চুন্নদবা চাকথুংশিং অমসুং

জি.পি.দি.পি থবক-থৌরমশিং চৎনহনবদা তপখিবা অসিদগী পারা কয়া অমা তমহৌরে হায়না মহাক্না

পনখি।

দা. চন্দ্র শেখর কুমার, এদ্দিস্নেল সেক্রেতরি, পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়না পি.এফ.এম.এস নচিংবা পাম্বে

কয়া পুথোক্লকনা পঞ্চায়তশিংদা মসিগী মতেংনা ক্রোর ৫৯,০০০ গী মমল ওইগদবা ত্রাঞ্জেকসনশিং তৌদুনা চাওনা মায় পাকখিবশিং অদু পনদুনা মহাক্কী ৱারোল অদু হৌদোকখি। মহাক্না মখা তানা সিস্তেম অসিগী কান্নবা ফঙদ্রিবা রাজ্যশিংবু অথুনা মতমদা মসিগী কান্নবা লৌনবা হায়জখি। বোক, জিলা অমসুং রাজ্যগী থাক্তা লৈরিবা পি.এম.য়ু. শিংবু পান্নিং, ইমপিমেন্তেসন অমসুং মোনিতর তৌবগী থৌওংশিং হেন্না ফগৎহন্নবা মপুংফানা মথৌ তৌহনবা তঙাইফদে, এস.আই.আর.দি. শিংগী জিলাশিংগী সেক্তোরিএল অমসুং থোং মান্নবশিংবু নৈনবগী থবক চথবা ঙম্বগী চাং অসিসু ফগৎহনবা মথৌ তারে হায়না মহাক্না হকচিন্না ফোঙদোকখি। জি.পি/বোক/জিলা/লেভেলদা লৈরিবা ত্রনিং কেপাসিতি অসি- ত্রেনরশিং, এম.তি. শিং অমসুং দি.পি.আর.সি, এস.পি.আর.সি অমসুং এস.আর.আর.দি. গী থাক্তা ফেকলতিশিংগী মীশিং মরাং কায়না লৈহন্দুনা অথুবা মতমদা হেন্না ফগৎহনবা মথৌ তারে। হায়রিবা হিরম অসিগী মতাংদা রিপোর্ত পীখৎনবা শেমখিবা কম্মিতি অমা, আর.জি.এস.এ. ফগৎহনবদা পুন্না চৎমিন্নগনি।

পি.আর.আর. শিংগী মশক থোকপা মথৌদাংনা খুঙ্গং-সহরগী থোং মান্নদবা অসি শমজিন্নবা ঙমগনি- সেক্রেতরি , রুরেল দিভেলপমেন্ত মন্ত্রালয়:



Shri Nagendra Nath Sinha, Secretary, Ministry of Rural Development




মহাক্কী রারোল অদু হৌদোকপা ওইনা শ্রী নাগেন্দ্র নাথ সিনহা, সেক্রেতরি, রুরেল দিভেলপমেন্ত মন্ত্রালয়না পি.পি.সি কেম্পেন হৌদোকখিবগীদমক এম.ও.পি.আর অমসুং এন.আই.আর.সি.পি.আর. বু থাগৎপা ফোঙদোকখি, অমসুং বিহারদা থোকপা থৌদোক অমা খুদম পীরদুনা লোকেল ওনর্সিপকী মরুওইবা অদু ফোংদোকখি। মহাক্লা পনখি মদুদি ক্বালিতি কন্ত্রোল তৌবা অমসুং পঞ্চায়ত্তি রাজ লোয়শংশিংনা চথরিবা থবকশিংদা কদায় ফাওবা কন্ত্রোল তৌবগে হায়বদুনা লোয়শংশিংনা মীয়ামদা উহলিবা অদুদা চাওনা অহোংবা পুরক্লগনি। মহাক্লা হায়খি মদুদি, খুঙ্গং-সহরদা চাওনা থোং মান্নদবা লৈরিবা অসি তোঙান-তোঙানবা সেক্তরশিদা ইনভেস্ত তৌবগী চাং, লোয়ননা লৈঙাক্কী মগুন, মফম অদুদা ফংলিবা খুদোংচাবশিং অমসুং সর্ভিসকী থাক্লা ওইহনবনি। পি.আর.আর. শিংগী মশক থোকপা মখৌদাংনা খুঙ্গং-সহরগী থোং মান্নদবা অসি শমজিন্নবা ঙমগনি।

মখা তানা, মহাক্লা ফোঙদোকখি মদুদি সস্তেনেবল দিভেলপমেন্ত গোলশিং অসি এবস্ত্রেক ওই, অমসুং মখোয় অসি গ্রাম পঞ্চায়তশিংগী অমসুং লোকেল গোভর্নমেন্তকী তায়রশিংগী মীৎয়েংদা কোনকৃত ওইহনগদবনি। মহাক্লা হায়খি মদুদি গোভর্নমেন্ত অমসুং দিপার্তমেন্তশিংগী তোঙান-তোঙানবা লেভেলশিংনা হিংনবা লম্বী অমসুং থবক্কী খুদোংচাবশিং পীবদা অকক্লবা মীৎয়েং চঙগদবনি।

পি.পি.সি ২০২১ না লেভেল খুদিংমক্তা গ্রাস রুত রার্কর লিশিং কয়াগী মতেং মথৌ তারি- সেক্রেতরি, পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়



শ্রীমতি নিতা কেজ্রিৱাল, জোইন্ত সেক্রেতরি,

রুরেল দিভেলপমেন্ত মন্ত্রালয়

শ্রী সুনিল কুমার, সেক্রেতরি, পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়না ফোঙদোকখি মদুদি পি.পি.সি. হেক হৌদোকপদগী হৌনা ঐখোয়না হোৎনখিবা অদুদা য়ুমফম ওইরগা অকক্লবা মীৎয়েং থমগনি অমসুং হৌজিক্তি ঐখোয় মায় পাকপগী মতাং অদু য়ৌরক্লে। মহাক্লা মখা তানা জি.পি.দি.পি. শিং পুনশিনবদা অমসুং ইনফ্রাস্ত্রকচরগী খুদোংচাদবা কয়াগী মথক্তা পি.এফ.এম.এস হৌদোকপদা জি.পি. শিংগী মায় পাকপশিং অদুবু মহাক্লা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্লা পনখি মদুদি পান শেম-শাবদা অফবা মহৈ ফংখিবা অদু কোভিদ-১৯ না থিংবা ঙমখিদে। সেক্রেতরি, এম.ও.পি.আর. না হায়খি পি.পি.সি ২০২১ অসি মরুওইনা রুরেল দিভেলপমেন্ত মন্ত্রালয়শিং, পঞ্চায়ত্তি রাজ, অমসুং অতোপ্পা লাইন মন্ত্রালয়শিং খুদম ওইনা মহৈ-মশিং, হকশেল অমসুং নুপী অমসুং অঙাংশিংগী চাওখৎ-থৌরাং অসিনচিংবা য়াওনা থাক খুদিংমক্তা লৈবা গ্রাস রুত রার্করশিংগী মতেং চাওনা মথৌ তারি। গ্রাম সভাদা শরুক য়াহনবগীদমক নৌনা মায় পাকহনবগী থৌওংদা এস.ঐচ.জি. মেম্বরশিংবু মথৌ তৌহনবা য়াই। মসি ফংনবগীদমক, গ্রাম সভাগী মতুং ইন্না এস.ঐচ.জি. শিংগী রাখলোন অদু হোংদোকদবনি। মহাক্লা মখা তানা পনখি মদুদি এম.ও.পি.আর. না থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা এদভাইজরিদা গ্রাম সভা মথৌ তৌহন্নবগীদমক ইলেক্তোরেতকী ১০% দি তঙাইফদনা শরুক য়াগদবনি।মহাক্লা হায়খি মদুদি পঞ্চায়ত প্রেজিদেন্ত নত্রগা পঞ্চায়ত সেক্রেতরি অসি গ্রাম পঞ্চায়তকা চপ মান্নবা মিংথৌন্নি। মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা মরী অসি কায়থহনগদবনি, অমসুং গ্রাম পঞ্চায়তশিং অসি কাচিন-কোয়াদা লৈরিবা মীয়ামদসু য়ৌহনগদবনি অমসুং পঞ্চায়ত অদুদা ফংলিবা রিসোর্সশিং খঙদেক্লনা মখোয়গী মথৌ তাবশিং ফঙহনগদবনি।

লাইন মন্ত্রালয়শিংগী প্রজেন্তেসন

শ্রীমতি নিতা কেজ্রিৱাল, জোইন্ত সেক্রেতরি, রুরেল দিভেলপমেন্ত মন্ত্রালয়

- মহাক্লা ভিলেজ পোভর্তি রিদক্সন পান (ভি.পি.আর.পি) মথৌ তাবা, শেম-শাবগী থৌওং অমসুং মায়োক্লরিবা অচৌবা সমস্যাশিংগী মতাংদা পনখি। মহাক্লা মখা তানা এস.ঐচ.জি. শিংগী মশক থৌক্লা মায় পাকখিবশিং অদু খঙহনখি অমসুং গ্রাম সভাদা এস.ঐচ.জি. মেম্বর ক্রোর ১.১ লোমনা শরুক য়াখি হায়নসু পনখি।
- মহাক্লা পনখি মদুদি সেলফ হেল্প গ্রুপশিং (এস.ঐচ.জি.এস) অমসুং মখোয়গী ভিলেজ ওর্গনাইজেসনশিং (ভি.ও.এস) না ত্রেন তৌরবা কম্যুনিতি রিসোর্স পর্সনশিংগী মতেংগা লোয়ননা ভি.পি.আর.পি শেম-শাগনি। ভি.পি.আর.পি অসি জি.পি.দি.পি. গা পুনশিনগনি। মসিনা সেন্ত্রেল অমসুং রাজ্যগী থাক্তা পি.আর অমসুং আর.দি দিপার্তমেন্তশিং হেন্না ফজনা পুনশিনবা ঙমহলগনি। মসি জি.পি.দি.পি কান্নগদবা পানিং ফঙহনবা অমসুং চৎনহন্নবরোমদা ওন্থোক্কদবনি।

শ্রী মনিশ গর্গ, জোইন্ত সেক্রেতরি, এজুকেসন মন্ত্রালয়

- মহাক্লা এম.ও.ই. দা ফঙলিবা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং, মরু ওইবা ইন্তর্ভেন্সনশিং অমসুং পুনশিনবগী তঙাইফদবা অদুগী মতাংদা নৈনখি।
- স্কুল এজুকেসনগী ইন্তিগ্রেতেদ স্কিম অমা ওইরিবা, সমগ্রা শিক্ষাগী মখাদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা কম্পোনেন্তশিংগী মতাংদা মরিক চুম্না শন্দোক্লা তাকখি। মহাক্লা মখা তানা পনখি মদুদি প্রোগ্রাম অসিদা কম্পোনেন্ত ১১ য়াওরি অমসুং নেস্নেল এজুকেসন পোলিসি (এন.ই.পি) গা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নে।
- মহাক্লা এম.ও.আর.দি. এম.ও.পি.আর. গা লোয়ননা সমগ্রা শিক্ষাগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা খোঙথাংশিং অমসুং তুংগী মীৎয়েংগীদমক পুনশিন্নবা হোৎনরিবা অদুগী মতাংদা মরু ওইনা পনখি।
- মহাক্লা অমুক্কসু পি.আর.আই. শিং অমসুং লোকেল গোভর্নমেন্তশিংনা লৈকায়গী থাক্তা ড্রোপআউতশিং অমসুং মহৈ তমদ্রবা অঙাশিং লৈহন্দনবা হোৎনবদা লৌরিবা মরুওইবা থৌদাংগী মতাংদা পনখি।

শ্রী অতুল কোতৱাল, এক্সিক্যুতিব দিরেক্তর, হকশেল অমসুং ফ্যামিলি ৱেলফেয়র মন্ত্রালয়

- মহাক্লা মহাক্কী সেসন অদু মীয়ামগী ওইরিবা হকশেলগী মতাংদা হৌদোকখি অমসুং মখা তানা হৌজিক ওইরিবা হকশেলগী চেকশিন-থৌরাংশিং মীয়ামদা য়ৌহনবগী মওং মতৌ, ফংলিবা হকশেলগী স্কিমশিং অমসুং লৈবাক অসিদা চৎনরিবা জাতিগী ওইবা হকশেলগী প্রোগ্রামশিংগী মতাংদা মরিক চুম্না ফোঙদোকখি।
- পান্নিং, থোং মান্নদবশিং খঙহনবা, রাখল তাহনবা অমসুং কম্যুনিতিশিং পুনশিনবা, অমসুং ক্রোস-সেক্তোরিএল ওইনা খুৎশম্নবগীদমক মতেং

পীনবা য়াওনা হেল' সেক্তরদা গ্রাম পঞ্চায়তশিংনা লৌগদবা থোদাং অদু মহাক্না মরুওইনা পনখি

➢ অয়ুস্মান মিত্র ওইনা থবক পীবা য়ারবা কম্পুতর শিজিন্নবা হৈবা কম্যুনিগী মেম্বরশিংগী কাংলুপ অমা শেম্বদা অমসুং মখোয়বু পুক্নিং থৌগৎপগী মরুওইবা অদু মহাক্না পনখি। হায়রিবা অয়ুস্মান মিত্রশিং অসিনা কম্যুনিতি অদুদা এ.বি-পি.এম.জে.এ. ৱাই. গী মতাংদা রাখল তাহনবদা মতেং পাংলগনি।

➢ মহাক্না হায়খি মদুদি গ্রাম পঞ্চায়তনা পি.এম.বি.জে.কে হৌদোক্লবগীদমক, মরুওইনা শোথরবা কাংলুপকী মনুং চনবা এপিকান্তশিং খুদম ওইনা এস.সি/এস.তি/মীমান্নদ্রবা মীওই য়াওনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমসুং ওক্তর্প্রিনরশিংবু পুক্নিং থৌগৎকদবনি। মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি এস.এইচ.জি. শিংনা পি.এম.বি.জে.কে হৌদোক্লবগীদমক মথৌ তাবা চৎনকাংলোনশিং অদু চথবা মতমদা চাওনা মতেং পাংগদবনি।

শ্রী দি. চন্দ্র সেখর, দিরেক্তর, মাইক্রো, স্মোল, অমসুং মিদিয়ম এন্তরপ্রাইজেস মন্ত্রালয়

➢ মহাক্না মাইক্রো, স্মোল, অমসুং মিদিয়ম এন্তরপ্রাইজেস মন্ত্রালয় হায়বদি পি.এম.ই.জি.পি, এস.এফ.য়ু.আর.তি.আই, এ.এস.পি.আই.আর.ই, নেস্নেল এস.সি-এস.তি অসিগী মরুওইবা প্রোগ্রামশিং নৈনখি। মহাক্না মথক্তা পনখিবা প্রোগ্রামশিং অসিদা পি.আর.আই. শিং পুনশিন্নবগী খুদোংচাবশিংগী হিরম কয়া অমা লৈ হায়না মখা তানা পনখি।

- মহাক্না মখা তানা পনখি মদুদি, মথক্কী স্কিমশিং/প্রোগ্রামশিং অসিগা পুনশিনবনা পঞ্চায়তি রাজ মন্ত্রালয়গী মরুওইবা পুক্নিং চিংশিনফমসু ওইরিবা লৈবাক অসিগী তুংগী মীওইশিংদা থবক ফংহনবদা মতেং পাংগনি।
- মহাক্না হায়খি মদুদি পি.আর.আই. শিংনা এস.এফ.য়ু.আর.তি.আই. ক্লসতরগী ইমপিমেন্তিং এজেনসিশিং ওইনা থবক থৌবা ঙম্মী, মসিনা খুৎহৈবশিং অমসুং মীপান তাংলিবা স্তেকহোলদরশিং পুনশিনদুনা শাফু অদু হেনগৎহনবা ঙমগনি।

দা. সি.পি রেদ্দি, এদ্দিস্নেল কম্মিস্নর (দবিয়ু. দি) দিপার্তমেন্ত ওব লেন্দ রিসোর্সেস

➢ মহাক্না ভারতকী রেনফেদ এগ্রিকলচরগী হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা নৈনখি, খঙজিনবা য়াবদি অয়াম্বা চিংগী মীওইশিং য়াওনা ভারতকী খুঙ্গংগী লাইরবা চাদা ৮৪ না রেনফেদ মফমশিং অসিদা লৈ।

➢ মহাক্না প্রধান মন্ত্রি কৃশি সিনচায়ি য়োজনাগী ৱাতরসেদ দিভেলপমেন্ত কম্পোনেন্ত (দবিয়ু.দি.সি-পি.এম.কে.এস.ৱাই) গী কান্নবা অমসুং তোঙান-তোঙান থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ময়েক শেংনা পলম্মী।

➢ মহাক্না ৱাতরসেদ মেনেজমেন্ততা পি.আর.আই. শিংগী মথৌ অমসুং গ্রাম সভাশিংগী মতাংদা নৈনখি। মহাক্না হায়রম্মী মদুদিৱাতরসেদ কম্মিতি (দবিয়ু.সি) শিংদি খুঙ্গংগী থাক্তা লৈ, অমসুং জি.এস. না, দবিয়ু.সি. গী খুথাংদা শিজিন্নরিবা মীওইদগী ফিশিং খোমগৎনবগীদমক থৌওং অমা শেমগৎলি। মসিনা তুং কোইনা চৎবদা হেন্না মপাঙ্গল লৈহনগনি।

শ্রী অরুন বরোকা, এদ্দিস্নেল সেক্রেতরি, জলসক্তি মন্ত্রালয়

➢ মহাক্না রুরেল লোকেল বোদিশিং (আর.এল.বি.এস) দা সেনিতেসন ফগৎহন্নবগীদমক ১৫<sup>th</sup> এফ.সি তাইদ গ্রান্তশিং শিজিন্নবগী মতাংদা অকুপ্পা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ময়েক শেংনা তাকখি। মহাক্না মখা তানা পনখি মদুদি স্বচ ভারত মিসন গ্রামিন (এস.বি.এম.জি), অসি সেন্তরদগী থাদরকপা স্কিম অমনি, মসিগী থবক-থৌরমশিংদা রাজ্যশিং অমসুং রুরেল বোদিশিংনা তেংবাং পীরি।

➢ মহাক্না শন্দোক্না তাকখি মদুদি, ঐখোয় হৌজিক এস.বি.এম. গী তাংকক ওও ফাওবা চঙশিনবা ঙম্লে, মসিগী পান্দমদি ২০২৪-২৫ ফাওবা ও.দি.এফ. কী স্তেতস লেংদনা লৈহনবা অদুনি।

➢ মহাক্না পনখি মদুদি এস.বি.এম. (জি) অসি তোঙান-তোঙানবা ফন্দিং সোর্সশিং খুদম ওইনা ভারত সরকার অমসুং রাজ্য সরকারশিংদগী এস.বি.এম. (জি) গীদমক লাকপা বদজেত, আর.এল.বি. শিংগী ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসন গ্রান্তকা পুনশিনবদা য়ুমফম ওই।

➢ মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি মদুদি সেনিতেসনগীদমক এস.বি.এম. (জি) অমসুং ১৫<sup>th</sup> ফাইনান্স কম্মিসন তাইদ গ্রান্তশিংগা পুনশিনবা হায়বসি এস.বি.এম. (জি) গী মখাদা থম্লিবা পান্দম ফংহন্নবা অমসুং সেনিতেসনগীদমক আর.এল.বি. শিংদা তাইদ গ্রান্তশিং ফংহনবগী থৌওংদা মরুওইবা থবক অমনি।

➢ আর.এল.বি. শিংগী গ্রান্ত ফংহন্নবা,

- ২০২১-২২ অমসুং ২০২২-২৩ দা থাদোকখিবগী ওইনা, য়ামদ্রবদা আর.এল.বি. শিংগী চাদা ২৫ দি হৌখিবা চহীশিংগী মখোয়গী প্রোভিজনেল একাউন্তশিং অমসুং হৌখিবা চহীগী মমাংগী চহীগী ওদিত তৌরবা একাউন্তশিং লৈগদবনি, মদু পবিক দোমেন্দা ওনলাইন্দা ফংগদবনি। ২০২৩-২৪ গী মতুংদা থাদোকখিবগী ওইবা, আর.এল.বি. শিংনা চাদা ১০০ প্রোভিজনেল অমসুং ওদিত তৌরবা একাউন্তশিং ওনলাইন্দা তঙাইফদনা ফঙহনগদবনি।
- হায়রিবা স্তেত ফাইনান্স কম্মিসন (এস.এফ.সি) অসি লৈত্রিবা রাজ্যশিংদা এস.এফ.সি. শিং লৈহনগদবনি, মখোয়গী রিকমেন্দেসনশিং অদুগী মতুংইন্না থবক চথগদবনি অমসুং মদুগী মখা তারকপদা চথবা থবক্কী মতুং ইন্না মার্চ, ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা স্তেত লেজিসলেচরগী মমাংদা এক্সপেনেতরি মেমোরেন্দম উৎকদবনি। মার্চ, ২০২৪ গী মতুংদা, হায়রিবা কন্দিসনশিং অসি থৌওইদবা রাজ্য অমত্তদা গ্রান্ত থাদোক্লোই।

➢ তাইদ গ্রান্তশিং ফঙনবা;

সেনিতেসন অমসুং থক্কবা ঈশিং পীবগী এন্যুল এক্সন পান ওব ভিলেজ/বে-াক/দিস্ত্রিক অসি জি.পি.দি.পি/বি.দি.পি/দি.দি.পি. দা উবা ফংই অমসুং ঈগ্রামস্বরাজতা থাগৎলি।

তাইদ গ্রান্ত শিজিন্নবগী অকুপ্পা ৱারোল অদু ঈগ্রামস্বরাজতা থাগৎলি

5 .ইভিদেন্স-বেস অমসুং দেতা-ড্রিভন পঞ্চায়ত পানিং

দা. অঞ্জন কুমার ভাঞ্জা, এসোসিএত প্রফেসর, এন.আই.আর.দি.পি.আর. না থমখিবা ৱারোল

➢ মহাক্না পঞ্চায়তকী থাক্তা ইভিদেন্স-বেস ওইবা পান্নিংগী তঙাইফদবা অদু শন্দোক্না তাকখি অমসুং মখা তানা পনখি মদুদি পানশিং অদু গ্রাউন্দ রিএলিতিশিং অমসুং তশেংনা মথৌ তাবশিংগী খুদম ওইনা তঙাইফদবা অমসুং চুন্নবা দেতা শিজিন্নদুনা শেম-শাগদবনি।

➢ মহাক্না হায়খি মদুদি পঞ্চায়ত অমসুং মীচম মীয়ামগী মরক্তা য়াম্না চাওবা অমসুং লেপতনা হেনগৎলক্লিবা ঈ-পাউগী থোং মান্নদবা অমা লৈরি।

➢ মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি ফংলিবা খ্বাইদগী অফবা দেতা, ঈ-পাউ অমসুং গ্যান-লৌশিং অসি চৎনবা য়াবা ৱারেপশিং লৌবদা অমসুং ক্বালিতি পানগী মতাংদা খুঞ্জাশিংগী পুন্সি অমসুং হিংবগী মওংগী ওইবা অফবা অমদি অচুম্বা ঈ-পাউ লৌবদা শিজিন্নে।

➢ মহাক্না মখা তানা সেকেন্দরি দেতাগী জি.পি.দি.পি/বি.পি.দি.পি/দি.পি.দি.পি শেম-শান্নবগী পান্নিং অমসুং কদায় ফাওবা চুনবগে খঙদোকপদা শিজিন্নবা য়াবা তোঙান-তোঙানবা সোর্সশিং অদুবুসু খঙহনখি।

রাজ্যশিং/য়ু.তি. শিংনা পি.পি.সি ২০২০ দা থেংনখিবশিং অদু মীয়ামদা খঙহনবা



➢মহারাষ্ট্র

১. বাক খুদিংমক্কী ওইনা স্তেত নোদেল ওফিসর, দিস্ত্রিক নোদেল ওফিসরশিং লোয়ননা বোক নোদেল ওফিসরশিং থনখি।

২. জি.পি থাক্কী ফেসিলিতেতরশিং লোয়নমক থনখি।

৩. ক্লস্তরগী থাক্তা গ্রাম পঞ্চায়ত ফেসিলিতেসন তিমশিং, জি.পি মেম্বরশিং পুন্নমক, এস.এইচ.জি প্রেজিদেন্তশিং মেম্বরশিংগী ত্রেনিংশিং পাঙথোকখি।

৪. ফ্রন্তলাইন ৱার্করশিং, এম.এ দেতা ভেলিদেসন, ফেসিলিতেতরশিংগী ফিদবেক রিপোর্তশিং অসিনচিংবা য়াওনা পি.পি.সি. গী মথাদা লৈবা থবক থৌরম লেইনমক মপুংফানা পাঙথোকখি।

৫. লাইচৎগী ফিভমনা মরম ওইদুনা ২০২০ দা গ্রাম সভা অমত্তা পাঙথোকখিদে অমসুং জি.পি মীফমশিংদা পান পুন্নমক্কী অয়াবা পীখি।

৬. ফেসিলিতেতরশিংদা পীবা পেমেন্ত অদু এন.আর.ই.জি.এ. দগী ওইখিদে।

➢ হিমাচল প্রদেশ

১. স্তেত নোদেল ওফিসর থনখি অমসুং মহাকপু জ.পি.দি.পি গী অপুনবা মথৌশিংবু য়েংশিনবগী অমসুং এম.ও.পি.আর. গা তোঙান-তোঙানবা ঈ-পাউ ফাওনবগী থৌদাং শিন্নখি।

২. তোঙান-তোঙানবা লাইন দিপার্তমেন্তশিংগী দিস্ত্রিক নোদেল ওফিসরশিং থনখি অমসুং মশক তাকখি।

৩. জি.পি খুদিংমক্কী ফেসিলিতেতর থনখি। হিমাচল প্রদেশ ৱাজ্যদা, হায়রিবা থৌদাং অসিগীদমক পঞ্চায়ত সেক্রেতরিশিংনা খ্বাইদগী হেন্না চান্নবা ওইখি, অসুন্না মথোয়বু ফেসিলিতেতরশিং ওইনা থনখি।

৪. কম্যুনিতি পুনশিন্নবগী ওইনা, শরুক য়ানবা লোয়ননা এজেন্দা শিনবা থুংনা য়ৌহন্নবা তেক্নোলোজিগী পাম্বৈশিং হায়বদি ৱাতসএপ গ্রুপশিং অমসুং এস.এম.এস পেতল্লে অসিনচিংবা পাক-শন্না শিজিন্নখি। মীয়াম পুনশিন্নবগীদমক আকাশ ভানিগী খুথাংদা পাউজেলশিং শন্দোকখি।

➢ কেরলা

1. কেরলানা পি.পি.সি ২০২০ পাঙথোকপা মতমদা মথাদা পীরিবা হিরমশিং অসিদা অকক্কবা

ধ পান্নিং শেম্বদা মীয়াম্না শরুক য়াবা

ন. লৈকায়গী সমস্যাশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থম্না

প. লোকেল দিভেলপমেন্ত পর্সপেক্তিব

ফ রিসোর্সশিংবু কান্নবা মওংদা শিজিন্নবা

ব. সোসিএল ইনক্লুজন

ভ. খোমজিনবা অমসুং পুনশিনবা

ম. ইফিসিএনসি অমসুং ওইরক্কদবা ফলশিং।.

পি.পি.সি ২০২০ দা মায় পাক্লা ফংবা ঙমখিবশিং:

ধ.. সোসিএল সেক্যুরিতি- জি.পি.দি.পি. গী খুথাংদা মীমান্নদ্রবা মীওই, অক্তাংশিং, অহল ওইরবশিং, নুপীশিং, ত্রান্সজেন্দর অসিনচিংবশিংগী মতেং পাংবা

ধ. নুপীশিংদা শক্তি পীবা-নুপীশিংগী রিজর্ভেসন থম্না, খুন্নাইগী চাওখৎ থৌরাংদা মখোয়সু শরুক য়াহনবদা অকক্কবা মীৎয়েং থম্না,

ন. মহৈ-মশিং – মহৈলোয়শংগী ইনফ্রাস্ত্রকচর, স্মার্ত ক্লাস রুমশিং ফগৎহনবা অমসুং মহৈ মশিংগী লমদা কান্নবা অহোংবা মিসন পুরকপা।

প হকশেল – পি.এইচ.সি. শিং/এফ.এইচ.সি. শিংগী ইনফ্রাস্ত্রকচর ফগৎহনবা, হকশেলগী

ফ. মতেংশিং য়ুমথোং খুদিংদা য়ৌহনবা অসিনচিংবা।

১. খুদোংচাবা ফংদ্রবা মীওই কাংলুপতা অকক্কবা মীৎয়েং থমখি।

২. ভর্চুএল গ্রাম সভাশিং পাঙথোকখি।

৩. কম্যুনিতি পুনশিনবদা পাক-শন্না তেক্নোলোজিশিং শিজিন্নবা।

৪. জি.পি. দা লৈরিবা মীওই পুন্নমক্তা য়ৌহন্নবগীদমক লাউদ স্পিকরগী খুথাংদা গ্রাম সভা লাইব তেলিকাস্ত তৌখি।

৫. থবক শুবা কাংলুপ শেমখি অমসুং চহী অমমমদা তোঙান-তোঙানবা হিরম ৪ দা অকক্কবা মীৎয়েং থমখি।

৬ এপ্রাইজেল মেকানিজম অমা শেমখি অমসুং মগুন লৈবা চাওখৎ-থৌরাংগী পোরম য়াৎপদা পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা খ্বাইদগী অফবা জি.পি.দি.পি/বি.পি.দি.পি/দি.পি.দি.পি ৫০ দা মনা পীখি।

তুংগী মীৎয়েং

শ্রী সুনিল কুমার, সেক্রেতরি, এম.ও.পি.আর. না তুংগী মীৎয়েংদা য়ুমফম ওইবা সেসন অদুদা ৱার্কসোপ অদুগী মরুওইবা লৌশিন্নিংঙাই ওইবা ৱাখলোন কয়া অমা পীখি। মথাদা পীরিবশিং অসি মহাক্না থমখিবা ৱাখলোনশিং অদুনি:

১. জি.পি খুদিংমক্না চহী অসিদা মখোয়না ফঙবা পাক্লিবশিং অসুগী মতাংদা অশানবা মীৎয়েং, মিসন নত্রগা সঙ্কল্প অমা লৈগদবনি।

২. জি.পি অদুনা জেরো-রিসোর্সতা য়ুমফম ওইবা পান্দম থম্বদা অকক্কবা মীৎয়েং চঙগদবনি, মসিদা কম্যুনিতিগী মতেংনা নত্রগা জি.পি অদুদা ফঙলিবা খ্বাইদগী য়ামদবা রিসোর্স অদগী মতেংনা পাল্লিবা মথৌতাবা-পোথশকশিংদা য়ুমফম ওইবা পান্দম অদু ফংবা ঙমগনি।

৩. গ্রাম সভাদা মীয়াম্না শরুক য়াবগী চাং হেনগৎহনবা।

৪.. মহিলা সভা, ৱার্দ সভা, বাল সভাগী মথক্তা, লাইচৎ অসি হেক লোইখিবগা মীচম মীয়াম্না শরুক য়াবগী চাং হেনগৎহনবা মথৌ তারি।

৫. জি.পি খুদিংমক্না থাজবা পীগদবনি মদুদি গ্রাম সভাদা য়ামদ্রবদা জি.পি মেম্বরশিংগী ১০% দি শরুক য়াগদবনি।

৬. রাজ্য খুদিংমক্না থাজবা পীগদবনি মদুদি গ্রাম সভাদা শোথরবা মীওইশিং শরুক য়াহনগনি অমসুং মীওইশিং অদুগী ১/৩ৎফ তি নুপী ওইগনি হায়বগী থাজবা পীগদবনি।

৭. ই-গ্রাম স্বরাজ অমসুং এম.এ পোর্তেলদা ফংলিবা দেতা অদু নৈনবা মথৌ তাই অমসুং অচুম্বা গেপ এনালাইসিসকা লোয়ননা রাজ্যশিং অদুগী মথা পোন্দনা সেক্তোরিএল এক্সপেন্দিচর অদুসু খঙদোক্কদবনি।

৮. রাজ্যশিং/য়ু.তি. শিং খুদিংমক্না, মখোয় মশাগী লোলদা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং য়াওবা অমসুং মদুবু জি.পি. সেক্রেতরি নত্রগা থৌ-পুবশিংদা য়ৌহনবগী স্লাইদ ৮ দগী ১০ ফাওবা য়াওবা স্তেন্দর্দ পি.পি.তি অমা শেম্নবগীদমক পাউতাক পীখি। হায়রিবা পি.পি.তি অসি গ্রাম সভাদা পাথোকপা মথৌ তাই।

৯. সর্ভিস য়ৌহনবগী থৌওংশিংদা অকক্পবা মীৎয়েং থমগদবনি।

১০.. পান্দম অমদা কন্ত্রেক্ট মেনেজমেন্ত লৈহনগদবনি অমসুং ফিক্স এসেতশিং খুদম ওইনা পম্প হাউস, স্ত্রিত লাইত অসিনচিংবশিং অসি য়েংশিন্নবা চহীগী ওইবা মেন্তেনেন্স কন্ত্রেকশিং লৈগদবনি।

১১. পি.আর.আই খুদিংতা পর্ফোর্মেন্স য়েংশিন্নবা সিস্তেম অমা লৈগদবনি।

১২. হাইব্রিদ ত্রেনিং সেসন শেম-শানবা অমসুং অকক্পবা মীৎয়েং থম্নবা রাজ্য খুদিংমক্তা পাউতাক পীখি মরমদি মসিদা মাঙজবা লৈতে অমসুং মগিনা হকথেংননা ত্রেনিংদা শরুক য়াবা ঙমখিদবা মীওইশিংদা য়ৌহনবা ঙমগনি।

৪. পঞ্চায়ত পানিংদা এস.দি.জি. শিং লোকেলাইজিং তৌবা

শ্রীমতি জয়াশ্রি রঘুনন্দন, এদ্দিস্নেল চিফ সেক্রেতরি, তমিল নাদুনা থমখিবা রারোল সেসন অদু ওনলাইনগী খুথাংদা এস.দি.জি. শিং লোকেলাইজিং তৌবগী তঙাইফদবা অদু তাকপা ইনফোর্মেস্নেল ভিদিওশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখি। মখাদা পীরিবশিং অসি সেসন অদুদা পুথোকখিবা মরুওইবা হিরমশিং অদুনি:

১. লাইরবা মুখৎপা, মীওইবা মরক্তা খেন্নবা থম্বগী মায়োক্তা থেংনবা অমসুং অঙীং-অশা হোংলক্লিবা অসি থেংনবগী তঙাইফদবা অদ পনখি। হায়রিবা অসিমক রেসিলিএন্ত ওইবা জি.পি.দি.পি. শিং শেম-শাদুনা ফঙবা ঙমগনি হায়না পলি।


২. মখা তানা লাস্ত-মাইল সর্ভিস য়ৌহনবা অমসুং "লিবিং নো বান বিহাইন্দ" অমসুং "লিবিং নো ভিলেজ বিহাইন্দ" গী রাশক শোয়দনা ফঙহন্নবগী মতাংদসু পলি

১. অঙীং-অশা হোংলকপা অমসুং গোবেল রার্মিং অসি মীওইবনা ওইহনবনি হারবসি চপ চানা খঙবা ঙম্লে। সমস্যা অসি থেংননবা, জি.পি. গী লাইন দিপার্তমেন্ত খক্তমক নত্তনা লনাই মীওই পুন্নমকসু হিরম অসিদা থবক তৌবা মথৌ তারে।

৪. জি.পি.দি.পি শেম-শাবা মতমদা, জি.পি না অঙীং-অশা হোংলকপগী মতাংদা অতোপ্পা দিপার্তমেন্তশিংগা থবক তৌমিন্নবা ইনিসিএতিব লৌবা মথৌ তারে হায়না মরু ওইনা পলি।

৫. মখা তানা জি.পি না এস.দি.জি লোকেলাইজিং তৌবদা চাশকতগী থবক্তা ওন্োক্কনি হায়বগী থাজবা পীগদবনি হায়নসু মরু ওইনা পলি।

৬. মহাক্না হায়খি মদুদি, পি.আর.আই. শিং খক্তমক নত্তনা, অতোপ্পা দিপার্তমেন্তশিংনসু এস.দি.জি লোকেলাইজিং তৌবগী মরুওইবা অদু খঙজিনবা মথৌ তাই অমসুং পুন্নমক খুৎশিন্নদুনা হোৎনরবদি এস.দি.জি. শিংগী পান্দমশিং অদু ফঙবা ঙমগনি।



# ইন্দো-গঙ্গেতিক পেন স্তেতশিংদা পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পানশিংগী খুথাংদা ইকোনোমিক অমসুং সোসিএল ত্রান্সফোর্মেসনগী মতাংদা পাঙথোকপা রিজনেল ৱার্কসোপ, ওক্তোবর ২৮-২৯, ২০২১, ভোপাল, মধ্য প্রদেশ

বেকগ্রাউন্দ

পপলস পান কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা, এম.ও.পি.আর. না এন.আই.আর.দিপি.আর. গী মতেংগা লোয়ননা কেম্পেন অসি মায় পাক্না পাঙথোক্লুবগীদমক রাজ্যশিং য়াওনা স্তেকহোলদরশিংবু চাওনা মতেং পীনবা ৱার্কসোপশিং অমসুং ত্রেনিংশিং পাঙথোকখি। ইন্দো-গঙ্গেতিক পেন স্তেতশিংদা পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পানশিংগী খুথাংদা ইকোনোমিক অমসুং সোসিএল ত্রান্সফোর্মেসনগী মতাংদা পাঙথোকপা রিজনেল ৱার্কসোপ অদু ওক্তোবর ২৮-২৯, ২০২১ দা ভোপাল, মধ্য প্রদেশতা পাঙথোকখি।

ইন্দো-গঙ্গেতিক পেনদা লৈরিবা রাজ্যশিং অদুদি বিহার, হরিয়ানা, মধ্য প্রদেশ, পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলনি। ইন্দো-গঙ্গেতিক পেন স্তেতশিংদা থবক তৌরিবা মখাদা পীরিবা ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং রিসর্চ ইন্সতিত্যুতশিং অসিগী মীহুৎশিংসু খুঙ্গংগী লমশিংদা চথরিবা থবক-থৌরমশিংগী মতাংদা পাউদম্নবা অমসুং পান্নিংগী থৌওংদা গ্রাম পঞ্চায়তশিংগা থবক তৌমিন্নবদা ফংবা খুদোংচাবশিংগী মতাংদা নৈননবা বার্তোন তৌখি।

১. জল সক্তিদেপ্ত □াতর রিসোর্সেস, রিভে দিভেলপমেন্ত . গঙ্গা রিজুবিনেসন মন্ত্রালয়
২. দি.এ.□াই- এন.আর.এল.এম্ দি.দি.য়ু-জি.কে.□াই, এম.ও.আর.দি
৩. ন্যু এন্দ রিন্যুএবল ইনর্জি মন্ত্রালয়
৪. নুপী অমসুং অঙাংগী চাওখৎ-থৌরাংগী মন্ত্রালয়- পোসন অচিয়ানগী (চঙঝঐঅঘ)
৫. কুদুম্বশ্রী-এন.আর.ও
৬. য়ু.এন য়ুমেন্‌ রিজনেল ওফিস
৭. আই.সি.এ.আর-এগ্রিকলচরেল তেক্নোলোজি এপিকেসন রিসর্চ ইন্সতিত্যুত (এ.তি.এ.আর.আই) জবলপুর, মধ্য প্রদেশ
৮. এজুকেসন মন্ত্রালয়
৯. সমার্থন (ঝঅগঅজঞঐঅঘ)- সেন্তর ফোর দেভেলপমেন্ত সপ্পোর্ত, ভোপাল
১০. সি.এস.আই.আর- সেন্ত্রেল ইন্সতিত্যুত ওব মেদিসিনেল এন্দ এরোমেতিক প্লান্তস (সি.আই.এম.এ.পি), লখনৌ
১১. এন.ই রাজ্যশিংগী রিজনেল রিসোর্স সেন্তর, এন.ঐভ.এম, এম.ও.ঐচ.এফ.দবিয়ু ন্যু দিলী

২. প্রোসিদিংশিং (থৱাখিবা হীরমশিং)

ৱার্কশোপ অদু মৈ চুখৎতুনা চীঙ-লেম্বা হৌদোকখিগা সোয়ননা লেঙবীরকখিবা অতিথিশিংদা লৈ-নাচোমশিং পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মধ্য প্রদেশকী পঞ্চায়েটি রাজ দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর আলোক কুমার সিংহনা ৱার্কশোপ অদুগী পার্টিসিপেন্টশিংবু হরাও-তরাম্না ওকখি। ময়াম পুম্নমক্তা মহাক্না ৱার্কশোপ অদু খুঙ্গংশিংগী চাওখৎ-থৌরাং পায়খৎনবগী মতাংদা অমদি পঞ্চায়েটি রাজগী মতাংদা য়াম্না মরু ওইবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি। নুমিৎ নিনিগী ৱার্কশোপ অসিগী পার্টিসিপেন্টশিংনা খঙবা ঙমগদৌরিবা লৌশিং গ্যানশিং অদুনা তুংদা চাউনা কান্নবা পীরক্কনি অদুগা ৱার্কশোপ অদুদা এক্সপার্টশিংনা শিয়র তৌগদৌরিবা ৱাইদগী ফজরবা প্রজেন্টেশনশিং অমদি জ্ঞান-লৌশিং কয়াদু স্টেট খুদীংমক্তা থবক ওইনা পাঙথোক্লগদৌরিবনি হায়খি।



তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুগী মতুংদা ৱার্কশোপ অদুগী পান্দম করিনো হায়বগী মরমবা এন আই আর দি পি আরগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডাঃ সি কাথিরেসন্না চাউরাকপা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

পিপলস প্লান কেম্পেন হায়রগা মীয়াম্না হেন্না খঙনরিবা জি পি দি পি কেম্পেন অসি কুমজা ২০১৮দগী হৌদোকখিবনি হায়না মহাক্না পনখি। হৌদোকখিবা মতম অদুদগী হৌনা এন আই আর দি পি আর অসিনা স্টেটশিংদা গ্রাম পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লানশিং শেম-শাবগী থবকশিং হেন্না মওং-মরিল তানা পায়খৎচনবা তম্নবা মওংদা মতেং পাংদুনা লাক্লি। রিজনেলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অসি ইন্দো-গঙ্গেটিক প্লেইনদা লৈবা স্টেটশিংদা হকথেননা খুংলোয়গদবা মওংদা তেংবাংগী খুদোংচাবা পীনবগী শরুক অমথকনি হায়খি। রিজনেল ৱার্কশোপ অসিগী মরমদা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়, মসি মরু ওইনা পঞ্চায়েটশিংগী শেল-থুমগী থাক ৱাংখৎহন্নবনি অদুগা রিজন অসিগী মনুংদা লৈরিবা স্টেটশিং অসিগী ৱাইদগী অহানবা, মরু ওইবা শিনফম হায়রগদি লৌউ-শিংউবদা য়ুম্ফম ওইবা থবকশিং অসিনি। লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা লমদমশিংগী ওইনা প্লান্নিং তৌবগী মওং মতৌশিংসু থেৎন্নে মরম অসিনা ৱার্কশোপশিং অসিবু লমদম-লমদমগী ওইনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবনি, মসিনা মরী লৈনবা স্টেটশিংদা হকথেননা কান্নবা পীগদৌরিবনি হায়নসু ডাঃ সি কাথিরেসননা ফোঙদোকখি। রিজনেল ৱার্কশোপ অসি পাঙথোক্লিউডে মমাঙদা নেসনেলগী থাক্তা ৱার্কশোপ অনীসু পাঙথোকখিবা লৈপ্রবনি হায়খি।

ৱার্কশোপ অসিগী চাউরাকপা মওং-মতৌ হীরমশিংগী মতাংদা পঞ্চায়েটি রাজ মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি শ্রীমতি রেক্সা যাদবনা ৱারোলশিং থমখি। হন্দক্কী ৱার্কশোপ অসিদা পঞ্চায়েটশিংগী মীহুৎশিং শোয়দনমক শরুক য়াহন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎলি, চহী অসিদা পায়খৎকদৌরিবা রিজনেল ৱার্কশোপশিংদা অসিগুম্বা পঞ্চায়েটকী মীহুৎশিং তঙায়ফদনা শরুক য়াহন্নবা হোৎনরি হায়বা মহাক্কী ৱাফমশিং থমখি।

থবক ফংনবগীদমক, অফবা ইদুকেশনগীদমক অমদি হেন্না ফবা লায়েং পথাপকী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক খুঙংশিংদগী মীয়াম্না সহরশিংদা খুন্দা-লৈতানবা মফম হোংদুনা চৎনরি অদুবু পঞ্চায়েট লেভেলদা প্লান্নিং নীংথিজনা তৌরবদি অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহন্দুনা মীয়ামগী তঙাইফদনা চঙলিবা হীরমশিং অসি খুঙ্গংশিংদসু মরাং কায়না লৈহনবা য়াই। নহা ওইরিবা, মতিক-মথৌনা ফবা অমদি থবক্কী লৌশিং জ্ঞান লৈরবা পঞ্চায়েটকী মীহুৎশিং অসিনা খুঙংগী চাওখৎ থৌরাংশিং চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙমদুনা খুমাঙ চাউশিনহনবা ঙমগনি, অফবা খুজিন-থৌরাং তৌবগা লোয়ননা থবক্তা ওহোকপা অমসুং কুপ্না মোনিটর তৌদুনা থবক পায়খৎপসু ঙম্মী হায়খি। এম ও পি আরগী সেক্রেটরি শ্রী সুশিল কুমারনা হৌদোকপা থৌরমগী





Shri Sunil Kumar, Secretary, MoPR, GoI addressing the participants through VC

হাপ্লোল পীরদুনা, পঞ্চায়েটশিংনা মথোয়গী এরিয়াদা উবা পাপ্রিবা চাউখৎপগী অহোংবা শক্তমশিং অদুগী মশক অমদা যুম্ফম ওইরগা থবক পায়খৎকদবনি হায়না পুক্নিং চিংশিনখি।

চাওখৎ মায়কৈদা অহোংবা পুরকপা হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বা–অনীংবা অদুগা চান্নগদবা মওংদা প্লান তৌগদবনি। নোংমগী খুৎশুমন্না হিংজরিবা শিন্মীশিং, লৌমীশিং, অভাংশিং, নুপী, নহারোল অমসুং অহল্লোন পুন্নমক চিথদনা প্লানিং প্রোসেসতা শরুক য়াহনবা য়াম্না মখৌ তাই। পঞ্চায়েটশিং ও এস আর, তরামন্থাশুবা ফাইনান্স কম্মিশনদগী লাকপা ফন্দ অমদি সেন্টর লৈতাক্না স্পোন্সর তৌবা স্কিমশিং অসিগী মরমদা নীংথিনা খঙজিন্দুনা প্লানিং পোসেস পায়খৎকদবনি। পঞ্চায়েটশিংনা অনৌবা থবক্কী প্লানিং হৌদোকপগী মহৎ, হৌজিক–হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অদু মপুং ফানা লোইশিন্নবা হোৎনবরোমদা হেন্না মায় ওনশিনবনা ফৈ। থবক মশীঙ য়াম্না পায়খৎপগী মহৎ মগুণ লৈবা, মচু তাবা থবক খরদং নীংথিনা পাঙথোক্লবা হোৎনবনা হেন্না কান্নগনি। হৌথিবা চহীদা পঞ্চায়েট অদুনা পায়খৎথিবা থবক থৌরমশিং অদুগী মতাংদা চাং নাইনা মোনিটর তৌদুনা য়েংশিনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইহনগদবনি। গভর্নমেন্টনা চথরিবা মোনিটরিং সিষ্টেম অসিগী মতাংদা পন্নদুনা মহাক্না হায়, চৎলিবা চহী অসিদগী হৌরদুনা, মিনিষ্ট্রিনা ইগ্রামস্বরাজ পোর্টেল অপলোদ তৌরিবা অদুগী দাটাশিং কুপথনা য়েংশিন্দুনা, নৈনবগী থবক চথবা হৌরে অদুগা মিসন অন্টোদয়ানা মশক খঙদোক্লবা অশোয়বা, অহোবশিং অদুসু করি করিনো হায়বা খঙদোক্লবা অমসুং চুমথোকপা ওন্নবা চাং নাইনা মোনিটরিং চথদুনা য়েংশিল্লি হায়খি।

সেসন হৌদোকপগী থৌরম অদুগী হেক মতুংদা ঐপার্টিসিপেটরি ভিল্লেজ দেভলপমেন্ট প্লানিং প্রোসেসঐ হায়না মিংথোনবা ট্রেনিং মেনুয়েল অমগা জি পি দি পি অমদি ও এস আর (মধ্য প্রদেশ লৈতাক্না শেম–শাবা) অমগা এম ও পি আরগী সেক্রেটরিনা রিলিজ তৌখি।

মধ্য প্রদেশকী পঞ্চায়েটি রাজ অমসুং রুরেল দেভলপমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর শ্রিমতি শিভানি ভর্মানা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকপগী হাপ্লোলশিং পীখি।



Release of Training Manual on 'Participatory Village Development Planning Process'

২.২ টেক্নিকেল সেসন ঃ পিপলস প্লান কেমপেইন ফোর প্রিপরেশন ওফ পঞ্চায়েট

এম ও পি আরগী জোইন্ট সেক্রেটরি শ্রিমতি রেক্ষা যাদবনা পিপলস প্লান কেমপেইনগী চাউরাকপা মশক তাকুনা হাফমশিং ফোঙদোকখি, কুমজা ২০১৮দা কেমপেইন অসি হৌদোরকখিবদগী পাঙথোকপা ঙমজবা কান্নবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু চাউরাকপা হাফমশিং থমখি।

পঞ্চায়েটশিংদা ১৪শুবা ফাইনান্স কম্মিশনগী গ্রান্টশিং থাথদুনা কুমজা ২০১৪দগী পি পি সি কেমপেইন অসিগী প্লানিং প্রোসেস থবক ওইনা পায়খৎপা হৌথিবনি হায়বা হাফম রেক্ষা যাদবনা থমখি।

হৌথিবা চহী থরা অসিদা উবা ফংলকথিবা কন্নাগী মতুং ইন্না গ্রাম পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লানশিং লৈবাক অসিগী মফমশিং শীন–থুংনা শেম–শাগৎনরে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্রে। ঙসিদি জি দি পি পিশিং অসি মশীং য়াম্বরোমদা চথবগী মহৎ মগুন লৈবরোমদা মশীঙ হেঙ্গৎনবা চঙশিন্নরক্নি। কেমপেইন অসিগী মরু ওইবা মচাকশিংদি গ্রাম সভাশিং, ফেসিলিটেটরশিং, মিসন অন্টোদয়া দাটা অমদি জি পি দি পিশিং অপলোদ তৌনবা ই–গ্রাম স্বরাজ ইনিসিয়েটিব হায়রিবশিং অসিনি।

পি পি সিগী মশক মওং তাকখিবা অদুদা মখাগী পোইন্টশিং অসি ফোঙদোকখি ঃ

- মধ্য প্রদেশ, ওরিষ্যা, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং বিহারনচিংবদা স্পেসিয়েল গ্রাম সভা মশীং য়াম্না পাঙথোক্লুরি।
- লাইন দিপার্টমেন্টশিংগী মনুংদা ইদুকেশন, ৱিমেন এন্দ চাইল্ড, এগ্রিকলচর অমসুং ফেমিলি এন্দ ৱেলফিয়র দিপার্টমেন্ট– হায়রিবশিং অসিথক্তনা গ্রাম পঞ্চায়েটশিংগী থৌরাংশিং শেম–শাবদা শরুক য়ারি। এনিমেল হজবেন্দ্রি এন্দ দাইরিয়িং, দ্রিঙ্কিং ৱাটর অমসুং সেনিটেশন দিপার্টমেন্টশিংদি প্লান শেম–শাবদা শরুক য়াবগী চাং অসি য়াম্না হন্থরি।
- জি পি দি পি শেম্বদা ভিল্লেজ পোভর্টি রিদক্সন প্লান (ভি পি আর পি)শিং য়াওহনবা হায়বসি তঙায়ফদবা অমা ওইগদবনি।
- ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিশন, এমজিনরেগা অমসুং ষ্টেট ফাইনান্স কম্মিশনদগী




অটোবা রিছোর্স এনভেলপ ফংলিবনি। ফ্লেগশিপ স্কিমশিং অমসুং লাইন মিনিষ্ট্রিশিংদগী ফংবা ফন্দশিং মক্কম থঙহন্নি, ভাব-মেন তাদনা লৈরি।

- জি পি দি পিদা হেল্থ, রিমেন এন্দ চাইল্ড দেভলপমেন্ট, ইদুকেশন অমসুং ৱাটর কঞ্জরবেশনচিংবা দিপার্টমেন্টশিং মশিং য়াম্না শরুক য়াম্রি।
- হৌজিক চথরিবা গ্রাম সভাশিংদা মীয়াম্না শরুক য়াবগী চাং অসি চাদা শুপ্পগী ৪.৪৩ খক্তমক ওইরি। গ্রাম সভাশিংদা এস এচ জিশিংনা য়াওবগী চাংনা চাদা ৯২ ওইরিবনি।
- লৈবাক অসিগী মফমশিংদা পাঙথোকখিবা গ্রাম সভা মীকম ১৪,৩১০গী মনুংদগী হৌজিক ফাওবদা ইদুকেশন দিপার্টমেন্টনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা চাদা ৬২গী চাংদা শরুক য়াবা থেংনখি অদুগা অতৈ লাইন দিপার্টমেন্টশিংনা য়াওবগী চাংদি য়াম্না হন্থখি। ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টনা চাদা ২ অদুগা ন্যু এন্দ রিন্যুয়েবল ইনর্জি দিপার্টমেন্টনা শরুক য়াবগী চাংনা চাদা ১খক ওইখি।
- ইভিদেন্স বেজদ প্লান্নিং, সেল্ফ হেল্প গ্রুপ এন্দ কম্যুনিটি মোবিলাইজেশন, সষ্টেনেবল দেভলপমেন্ট গোলশিং অমসুং হোলিষ্টিক প্লান্নিংগী হীরমশিংদা এম ও পি আরনা মীৎয়েং চঙবগী মতাংদসু শুগাইবা ৱারোলশিং রেক্ফা যাদবনা ফোংদোকখি।

এম ও পি আরগী কন্সল্টেন্ট শ্রি বিপ্রা গোয়েলনা অনীশুবদা পীখিবা প্রজেন্টেশন অমদা, ইন্টিগ্রেটেদ পঞ্চায়েট প্লান্নিংগী পান্দম ফংনবগীদমক হৌজিক্কানগী মতমসিগা চান্নরবা আই ঈ সিগী এক্তিভিটিশিং পায়খৎহন্নিংবগী অপাম্বা থমখি।

প্লান্নিংগী থবকশিং মায় পাকহন্নবা পায়খৎকদবা পি পি সিগী প্রিন্সিপল ৫ অদুদি ঃ

- মীচঙ মীখায় নাইদবা মতৌ
- থৌশিল-থৌরাং পায়খৎপগী হৈ-শিংবা মতৌ
- ৱাখল তাহন্দুনা খঙহনবা
- মীয়াম হুপ্পা শরুক য়াবা
- মীৎ-না শিংবগী মতৌ

মথক্কী অসি ফংনবগীদমক, মখাগী অসিদা অকনবা মীৎয়েং থম্নগা মতমসিগা চান্নরবা আই ই সিগী থৌশিল পায়খৎপা মথৌ তাই মদুদি ঃ

Modern IEC Strategy for People's Plan Campaign (RGSA) | Environment Generation







সেসন অদুগী অহমশুবা প্রজেন্টেশন এন আই আর দি পি আরগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডাঃ সি কাথিরেসননা, ঐলোকেলাইজেশন ওফ এস দি জি, ইন্টিগ্রেটিং এস দি জিজ ৱিথ জি পি দি পিঐ হায়বা থিমদা প্রজেন্টেশন পীখি।

মহাক্কী প্রজেন্টেশন অদুদা এস দি জিশিংগা জি পি দি পিগা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী থবক্তা অখন্নবা প্লান্নিং মথৌ তাদে, প্লান্নিংগী ইন্টিগ্রেটেদ এপ্রোচ অমথক দরকার ওই হায়বা ৱাফম থমখি।

মহাক্না কুমজা ২০১৯দা এস দি জিশিংগী মতাংদা ফোংখিবা নিটি আয়োগ রিপোর্টকী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্কী ৱারোলশিং থমখি অদুগা বট্টম-অপ এপ্রোচকী খুৎথাংদা লোকেল সেল্ফ গভর্নমেন্টনা মতৌ করন্না এস দি জিগী পান্দম ফংননবা মতেং পাংবগে হায়বগী মতাংদসু শন্দোক্না ৱাফমশিং থমখি। মসিগা লোয়ননা মতৌ করম্না লোকেল দেভলপমেন্ট পোলিসি শেন্নবগীদমক এস দি জিশিংগী ফ্রেমৱার্ক অমা পীগদগে হায়বগী মরমদসু শেংদোকখি। ওসিগী লৈরিবা পঞ্চায়েটশিং অসিনা এস দি জিগী পান্দমশিং মপুঙ ফানা ফংনবগীদমক মখা তানা চহী ৯ চঙশিনবা মথৌ তারি অদুগা হায়রিবা পান্দম অসি ফংগে হায়রবদি পঞ্চায়েটি ৱাজ সিষ্টেমগী মখাঙ অহুম্মক য়াওনা চপ মান্নরা শরুক য়ামিন্নবা মথৌ তাই হায়খি। মহাক্না পঞ্চায়েটশিংগা হকথেংননা শম্নবা এস দি জি ১০গী মরমদা শেংদোক ৱারোল পীখি লোয়ননা ১১শুবা সেদ্যুলগী মখাদা পঞ্চায়েটশিংগীদমক খাক্তুনা থম্নবা অথন্নবা সবজেক্ট ২৯গী মখাদা লৈবা এস দি জিশিংগী মতাং পল্লদুনা ৱাফমশিং ফোংদোকখি। মহাক্না সষ্টেনেবল দেভলপমেন্ট গোলগা হকথেংননা লিঙ্ক তৌরবা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমশিং করি করিনো হায়রবদুসু মথং-মনাও নাইনা ফোংদোকখি। এস দি জিশিং লোকেলাইজ তৌননবা শেমখিবা কম্মিটিনা রিকমেন্দ তৌখিবা, টার্গেট ১৫০ অমসুং ইন্দিকেটর ৩০০ য়াওরবা থিম ৯ অদুসু মহাক্না শুগায়না ফোংদোকখি।




## 2.3 টেকনিক্যাল সেশন II: পিপলস প্ল্যান ক্যাম্পেইন - রাজ্যগুলি দ্বারা অভিজ্ঞতা ভাগ করে নেওয়া

টেক্নিকেল সেশন অদু থিমেটিক এরিয়া ৫দা নৈনখি ঃ

অ) প আর আইশিংগী থাক্তা পুন্না চঙশিনম্নিবা
অ) পি আর অমসুং এস এচ জিশিং থবক পায়খৎমিন্নবা
ক) পি আর অমসুং লাইন মিনিষ্ট্রিশিং পুন্না থবক চঙশিনবাদি) মীয়াম শরুক য়াহন্নবা ইলেক্টেদ রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা খোঙথাং লৌথৎপা

ঈ) খ্বাইদগী ফবা থবকশিং খনগৎলগা দোকুমেন্টেশন তৌবা

মীয়ামগী মীহৎশিংনা মখোয়গী লৈজরিবা থবক তৌরকপগী লৌশিং-খ্বানশিং অদু ফোংদোক্লুবা খঙহনখি, মরু ওইনা কোবিদ-১৯গী লাইচৎ মতমদা কর্ম্না মীয়ামগা লোয়ননা থবক পায়খৎখিবগে হায়বগী মতাংদা শিংর তৌননবা খঙহনখি। ও এস আর জেনরেসন তৌনবা, এস দি জিশিং লোকেলাইজ তৌনবগী মতাংদা, সোলিদ অমসুং লিক্বিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা, উ-ৱা থাবা অমসুং জি পি দি পি পাঙথোকপদা ফংখিবা কান্নবশিংগী মরমদসু পাউ ফাওদোকমিন্ননবা ৱাফমশিং খঙহনখি।

পঞ্জাব ঃ বাথিন্দাগী মৌর মনুং চম্না মনাকথন্না এরিয়াগী সরপঞ্চ ওইরিবী মিস সেসন্দিপ কৌরনা ফোঙদোকখিবা অমদা, মহাক্কী পঞ্চায়েতনা দিনদয়াল উপধ্যায় পঞ্চায়েট শশক্তিকরন অমসুং নানাজি দেসমুখ গৌরভ গ্রাম সভা হায়বা নেসনেল এৱার্দ অনী ফংখ্রে হায়খি।

নৌনা মীখলদা কারক্লবা পঞ্চায়েট মেম্বরশিংগীদমক ইন্দক্সন ট্রেনিং পাঙথোকপা অসি তঙাইফদনা তৌগদবনি হায়বা ৱাফম মহাক্না তকশিনখি। গ্রাম সভাদা মীয়াম্না শরুক য়াবগী চাং হেক্কৎহন্নবা ৱাল পেন্টিং, য়ুমথোং খূদীংদা চৎতুনা মীফমশিং পাঙথোকপা অমসুং তোয়না গ্রাম সভাদা য়াওবা মীওইশিংদা মনা পীবগী থৌওংশিং পায়খৎকদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ফিরোজপুরগী ঘালখুর্দ মনুংচনবা রাওথেরা এরিয়াগী সরপঞ্চ শ্রী রাজদিপ সন্ধুনা থেংনরকখিবা থৌদোক পল্লদুনা, মহাক্কী পঞ্চায়েতনা ১৪শুবা ফাইনান্স কম্মিশন অমদি এম জি নারেগাদগী চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎনবা ফন্দশিং ফংখিবগী মতাংদা ৱারী লীখি।

উত্তর প্রদেশ ঃ জনপদহাথ্রাসগী ভিকাশখন্দহাথ্রাস মনুং চম্না লৈরিবা রাজপুর এরিয়াগী গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান মিস প্রিয়াঙ্কা টিৱারিনা মহাক্কী থেংনরকখিবা এক্সপিরিয়েন্স ময়ামদুগী মতাংদা পাউদমখি। কোভিদ-১৯ মতমদা মীয়ামগী পুন্সি কল্লহৌনবা চাদা চাম্মগী চাংদা সেনিটাইজেশনগী থৌরাং পায়খৎখিবা অমদি মীওই খুদীংমক ভেক্সিন কাপথোকখিবগী মতাংদা মহাক্কী পঞ্চায়েটনা লৌখিবা থৌদাংশিং শুপাইনা পনখি। খুঙ্গং লূ-নাম্না থম্নবগীদমক মখোয়না প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী থৌওং খূদীংমক অথিংবা থমখি হায়না পাউদমখি।

মধ্য প্রদেশ ঃ ধার দিষ্ট্রিক্টকী নভাদপুরা এরিয়াগী সরপঞ্চ ওইরিবা শ্রি কমল পটেলনা, মহাক্কী পঞ্চায়েটনা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱারী লীখি, প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থিংবা, উপাল-হ্রাপাল থাবা, গাউসালা শাবা, অঙাংশিংগী লার্নিং সেন্টরশিং লিংখৎপা অমসুং আর ও ৱাটর প্লান্ট শেমগৎপগী মতাংদা মহাক্কী এক্সপিরিয়েন্স শিংর তৌখি।

ইন্দোর দিষ্ট্রিক্টকী মাউ ব্লোক্কী মনুং চম্না কুদ্রিয়া গ্রাম পঞ্চায়েটকী সরপঞ্চ শ্রীমতি অনুরাধা জোশিনা মহাক্কী পঞ্চায়েটকী ইনকম হেক্কৎহন্নবা পায়খৎপা থবকশিংগী মতাংদা ৱাফমশিং থমখি। মহাক্কী পঞ্চায়েটনা সেনিটরি পেদ শাবা য়ুনিট অমা লিংখৎখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা খুঙ্গং অদুগী নুপী ২০০না থবক শুরি হায়না পাউদমখি।







পি পি সিগী মতাংদা পাঙথোকপা গ্রাম সভা জি পি গঙ্গারাম্পুর, দিষ্ট্রিক্ট-দক্ষিহিন দিনাজপুর, ৱেষ্ট বেঙ্গল


## 2.4 টেকনিক্যাল সেশন III: সামগ্রিক পঞ্চায়েত পরিকল্পনা অর্জনের জন্য পিআরআই-এসএইচজি কনভারজেন্স

সেসন অসিদা তোঙান–তোঙানবা স্কিম অমসুং প্রোগ্রামশিং অমত্তা ওইনা পুন্সিন্দুনা পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লানদা য়াওহন্নবগী মতাংদা মীংয়েং থমদুনা নৈনখি। এস ও আর দিগী নেসনেল মিসন মেনেজর, দি এ আই–এন আর এল এম এন্দ ( দি দি যু– জি কে রাই ওইরিবী মিস জুই ভত্তচার্যানা ভিল্লেজ পোভর্টি রিদক্সন প্লান (ভি পি আর পি)গী মতাংদা প্রজেন্টেশন পীখিবগা লোয়ননা, এস এচ জিগা মরী লৈনদবা ইমুং অমা ওইরবসু ভি পি আর পিগী শরুক অমা ওইগদবনি হায়খি।

মহাক্না ভিল্লেজ পোভর্টি রিদক্সন প্লানশিংগী লৈগদবা মওং মতৌশিংগী মতাংদা চাউরাকপা রারোলশিং থমখি মদুদি ঃ

- এন্টাইটলমেন্ট প্লান
- লাইবলিহুদ প্লান
- পব্লিক গুদস, সার্বিসেস অমসুং রিহোর্সেস দেভলপমেন্ট প্লানশিং
- সোসিয়েল দেভলপমেন্ট প্লানশিং

মথক্কী প্লানশিং অসি তোঙান–তোঙানবা থাকশিংদা শেম–শাবনি মদুদি এস এচ জি লেভেল, খুঙ্গংগী লেভেল অমদি গ্রাম পঞ্চায়েট লেভেলশিংদা শেম্বনি হায়খি। ভিল্লেজ পোভর্টি রিদক্সন প্লানগী মতাংদা লৌখৎকদবা কয়াৎশিংদি মখাগী অসি ওইবা য়াই ঃ




মহাক্কী প্রজেন্টেশন অদুদা ভিল্লেজ পোভর্টি রিদক্সন প্লানগী মরুওইবা এচিবমেন্টশিং, শীংনবশিং অমসুং মসিবু মায় পাক্না শেম–শাননবা হোৎনবদা পায়খৎকদবা থৌশিল কয়াগী মতাংদসু ফোঙদোকখি।

কুমুখশ্রি–এন আর ওগী রিপ্রজেন্টেটিবশিং মিস মধুলিকা জোসি অমসুং মিষ্টর শ্রেয়াস কুমার রাই অনীনা উত্তর প্রদেশকী ইন্টর্ভেন্সন দিষ্ট্রিক্টশিংদা ভি পি আর পি থবক ওইনা পায়খৎনবা হোৎনবদা থেংনখিবা লৌশিং জ্ঞানশিংগী মতাংদা রাফমশিং ফোঙদোকখি।

মখোয়না কুমজা ২০২০–২১দা ভি পি আর পি শেম্নবগীদমক কে এস এন আর ওনা লৌখৎখিবা থৌশিল অমদি লাল্লোংশিংগী মরমদা চাউরাক্লা নৈনখি, তোঙান–তোঙানবা, ভি পি আর পিগী মখাদা পায়খৎপা থৌরাংশিং মীয়ামগী অপাম্বগী মখাদা লৌখৎখিবা মরু ওইবা থবকশিংসু খন্নখি। মখোয়না অফবা, মরীক চুম্বা ভি পি আর পি থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনবদা মায়োক্নখিবা ইন্টর্ভেন্সন অমসুং শীঙনবা কয়া অদুগী চৈথেংশিংগী মতাংদসু কুপ্না ফোঙদোক্লুনা পাউদমখি।

2.5

এম ও পি আরগী জোইন্ট সেক্রেটরি শ্রী খুসরন্ট সিংহ শেথিনা গ্রাম সভাশিং শক্তি লৈবা, মপাঙ্গল কন্নবা ওইহন্নবা রাফমশিং পুথোক্লুনা মহাক্কী প্রজেন্টেশন পীখি– গ্রাম স্বরাজগী পান্দম য়ৌননবা রাফম নৈনখি। মহাক্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা পঞ্চায়েট মশীং পল্লদুনা লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা পঞ্চায়েট ষ্টেটিষ্টিক্সকী মতাংদা চাউরাকপা রাফম নৈনখি। ব্লোক পঞ্চায়েটশিং, দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়েটশিং অমসুং পি আর আইশিংগী ইলেক্টেদ রিপ্রজেন্টেটিবশিংগী মশীংসু পল্লদুনা নৈনখি। মদুগী তুংদা মহাক্না রুরেল লোকেল গভর্নান্স মপাঙ্গল হাপকৎনবা পায়খৎকদবা দরকার ওইবা থোঙথাংশিংগী মতাংদসু রা ঙাঙখি।

ঋ) অবল্নবা অচুম্বা থোঙথাং দরকার ওই
ঌ) খুঙ্গংগী শেন্মিৎলোন মপাঙ্গল কনখৎহনবা
ঝ) সেন্ট্রেসনগা মরী লৈনবা স্কিমশিং মওং মরীল তানা পায়খৎপা, খুদম ওইনা গ্রাম স্বরাজ অভিয়ান
ঞ) ট্রান্সপরেন্সি, ইফিসিয়েন্সি অমসুং ইক্বেলিটি লৈহনবা
ট) গ্রাম সভাবু রুরেল লোকেল গভরনান্সকী মরু ওইবা য়ুনিট অমা ওইনা মপাঙ্গল কনখৎহনবা

মহাক্না পঞ্চায়েটশিংগী অহানবদা পায়খৎকলবা থবক থৌরমশিং হায়বদি মীয়ামগী হকশেলগী থাক রাংখৎহনবা, পোশান অমদি ইদুকেশনগী মতাংদা খরা হেন্না মীৎয়েং চিংশিনখি অদুগা পঞ্চায়েট লেভেলদা এরিয়াশিং অসিগী থাক রাংখৎহন্নবা অমসুং অফবা ফল ফংননবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংগী মরমদা চাউরাকপা রারোলশিং থমখি। মমৈথংদা মহাক্না গ্রাম সভাগী শক্তি অমসুং থবক তৌবা ওস্বগী মতীক মগুণ হেন্নৎহন্নবা এম ও পি আরগী এদভাইজরি কম্মিটিনা থম্নকখিবা সজেশন কয়াদু মথং–মথং মশক তাক্লুনা নৈনখি।

গ্রাম সভাশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা এম ও পি আরগী এদভাইজরি কম্মিটিনা সব–কম্মিটি তরুক শেম্নবগী রাফম হৌদোকখিবনি অদুগা মহাক্কী প্রজেন্টেশন অদুদা অসিগুম্বা সব–কম্মিটি অমমম্না সবজেক্ট খুদিংমক্কী ওইনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদসু শুপাইবা রারোল ফোঙদোকখি। মমৈথংদা মহাক্না ষ্টেট। য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা দটাশিং দাসবোর্দতা অপলোদ তৌনবগীদমক পায়খৎক্নম থোকপা থবক থৌরমশিংগী মরমদা মচা খায়না রাফম ফোঙদোকখি।

মথংগী প্রজেন্টেশন অদুনা গ্রাম মানচিত্র এপ্লিকেশনগী মতাংদা এন আই সি দিল্লিগী টেক্নিকেল দিরেক্টর জে কে মিশ্রা অমসুং এম ও পি আরগী কন্সল্টেন্ট মিস করনিকা কৌশিক অনীনা পীখি।




সেসন অদু এম ও পি আরগী জোইন্ট সেক্রেটরি শ্রীমতি রেক্ষা যাদবনা চিয়র লৌদুনা চথখি। এন আই সি দিল্লিগী টেক্নিকেল দিরেক্টর জে কে মিশ্রানা গ্রাম পঞ্চায়েট প্লান্নিংগীদমক গ্রাম মানচিত্র স্পাটিয়েল টুলগী মরমদা চাউরাকপা রারোল থমদুনা হৌদোকখি। মহাক্না গ্রাম মানচিত্র, জি পি দি পিগী প্লান্নিং রিহোর্সশিং অমসুং পোর্টেল ইন্টরফেসকী মওং–মতৌগী মতাংদা চাউরাকপা শক্তম ফোঙদোকখি। গ্রাম মানচিত্রগী মরু ওইবা শক্তমগী মতাংদা শন্নদুনা মহাক্না হায়, মসি সেক্টর ২৯ কোম্পিল্লিবা, গ্রাম পঞ্চায়েটশিংগী য়ুনিফাইদ জিও স্পাটিয়েল প্লেটফোর্ম অমনি, মসিনা জি পি দি পিগীদমক দিসিজন সপ্পোর্ট সিষ্টেম অমা পীরিবনি।

এম ও পি আরগী কন্সলটেন্ট মিস করনিকা কৌশিক্না এসেটশিংবু জিও টেগ তৌবগী মতাংদা পার্টিসিপেন্টশিংনা হংলকখিবা রাহংশিংগী পাউখুম পীখি। মহাক্না হায়, হৌজিকমক্কী ওইনদি ষ্টেটশিং অসি এন আই সি দাটাগী মখাদা পুন্সিন্দুনা শম্নহনবা নত্রি, অসুম্না পুন্সিন্নবগী থবক অসি মপুঙ ফানা

## 2.6 টেকনিক্যাল সেশন ভি: পিপিসি-র প্রমাণ ভিত্তিক পরিকল্পনা ও পর্যবেক্ষণ

ডাঃ অঞ্জন কুমার ভাঞ্জানা পীখিবা মহাক্কী প্রজেন্টেশনদা, ইভিদেন্সতা য়ুম্ফম ওইবা অমসুং দাটাশিংনা চল্লাইবা পঞ্চায়েট প্লান্নিংগী মরমদা হায়লাইট তৌখি।

ইভিদেন্সতা য়ুম্ফম ওইবা অমদি দাটাশিংনা চল্লাইবা পঞ্চায়েট প্লান্নিংগী থোঙথাংদি মখাগী অসিনি ঃ

- ইভিডেন্সতা য়ুম্ফম ওইবা হায়বগী ৱাহৌক্তি ৱারেপ লৌবগী থবক্তা খাইদগী অফবা অফংবা দাটা, ঈ–পাউ অমদি লৌশিং জ্ঞান শীজিন্নবা অসিনি।
- ইভিডেন্সতা য়ুম্ফম ওইবা প্লানিং হায়বসিনা দাটা অমসুং ইনফোর্মেশন্দগী ফংলকপা লৌশিং জ্ঞান হেন্না মপুঙ ফাহল্লি, অচুম্বা মায়কৈদা শীজিন্নহল্লি অদুগা মসি শীজিন্নবনা ঐখোয়গী প্লানিং প্রোসেস হেন্গৎহল্লি লোয়নন্না ফল অদুসু অফবা ওইহল্লি।
- ইভিডেন্সতা য়ুম্ফম ওইবা প্লানিং ভৌবনা দাটা, ঈ–পাউ অমসুং জ্ঞান–লৌশিংনা করম্না মওংদা ৱারেপ লৌদুনা থবক পায়খৎকদগে হায়বদু খুদম–চাংদম্না য়ুম্ফম ওইদুনা লেপথোকপা ঙমহল্লি।
- অশেংবা দরকারশিং অমসুং পঞ্চায়েট প্লানিং অনী অসিগী মরক্তা ঈ–পাউ ফাওদোক্লবা ঙমদবগী অশোয়বা, অহোবা খরা অদুম্মক লৈবগুম ভৌরি।
- প্লানশিং অসি দরকার ওইবা অমসুং মপুঙ ফাবা দাটা শীজিন্নদুনা শেম–শাগদবনি, দাটাশিং অসি অশেংবা–অচুম্বশিং অমদি অশেংনা মথৌ ভারিবশিং অদুগী চপ চাবা ইভিডেন্সশিংনি।.

সেসন অদু এম ও পি আরগী জোইন্ট সেক্রেটরি শ্রী খুসৱান্ট সিংহ সেথিনা চিয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবনি।

## 2.7 টেকনিক্যাল সেশন VI: জিপিডিপির সাথে স্কিম এবং প্রোগ্রামগুলির রূপান্তর

পেন্সন ফণ্ড রেগুলেটরি এন্দ দেভলপমেন্ট অথোরিটি (পি এফ আর দি এ) ন্যু দিল্লিগী দিপ্যুটি জেনরেল মেনেজর ওইরিবী মিস প্রিয়াঙ্কা গুপ্তনা পীখিবা প্রজেন্টেশনদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফ্লেগশিপ স্কিম ওইরিবা অটল পেন্সন যোজনা (এ পি ৱাই)গী মরু ওইবশিংগী মতাং ফোঙদোকখি।

স্কিম অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৫ হৌদোকখিবনি অদুগা মসিনা লৈবাক অসিগী অনওর্গনাইজদ সেক্টরদা লৈরিবা অপুনবা ৱার্কফোর্সকী চাদা ৮৮দা কান্নবা পীদুনা, চহী ৬০গী মথক্তা লৈরবশিংদা ঈজ্জৎ–সম্মানগা লোয়নবা পুন্সি মরেল অমা ফংহল্লিবনি হায়খি।

স্কিম অসি নুপীশিং য়াওশিল্লকপগী মশীংসু হেন্গৎলক্লি হায়রদুনা স্কিম অসিগী বেনিফিসরিশিংগী চাদা ৪৪দি নুপীশিংনি হায়খি। পি এফ আর দি এনা এ পি ৱাইগী মখাদা নৌনা বেনিফিসরি ক্রোর ৭ এনরোল তৌননবা হোৎনরি, মসি লাক্লিবা চহী ৩দগী ৫ ফাওবদা চথগনি হায়খি। এ পি ৱাই স্কিমদা বেনিফিসরি মশীং য়াম্না এনরোল তৌহন্নবা হোৎনবদা গ্রাম পঞ্চায়েটশিংনা মরু ওইবা থৌদাং লৌবা য়াই। মরম অসিনা ৱার্কশোপ অদুদা শরুক য়াখিবা ষ্টেটশিংগী মীহুৎশিংনা স্কিম অসিদা মীয়াম য়াওশিল্লক্লবা পুক্নিং চিংশিনবীয়ু হায়বা ৱাফম মহাক্না হৌদোকখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ন্যু এন্দ রিন্যুয়েবল ইনর্জি, ন্যু দিল্লিগী বাইওগ্যাস টেক্নোলোজি দেভলপমেন্ট দিভিজনগী সাইন্টিষ্ট–দি ওইরিবা শ্রী এস আর মীনানা করিগুম্বা চাওখৎ থৌরাং অমা পায়খৎপগী হীরমদা ইনর্জিগী মরু ওইবশিংগী মরমদা ৱাফমশিং ফোঙদোক্তুনা মহাক্কী সেসন হৌদোকখি। কনভেনশ্নেল ইনর্জি হোর্সকী মহুৎ স্মার্ট রিন্যুয়েবল সষ্টেনেবল ইনর্জিনা শিন্দোক্লবা মিনিষ্ট্রি অসিনা পান্দম থম্লি হায়বরোমদা পুখৎতুনা ৱাফম কয়ামরুম মহাক্না থমখি। বাইওগ্যাস হায়বসি শেল খাইদগী চঙদবা, কান্নবা পীবা মখলগী ইনর্জি মখল অমনি। মসি অপুনবা পান্দম ১৭কী মনুংদা সষ্টেনেবল দেভলপমেন্ট গোল ৯দা লিঙ্ক তৌরিবা ইনর্জি মখল অমনি হায়খি।

সেন্টর ফোর দেভলপমেন্ট সপোর্ট, ভোপালগী এগজিক্যুটিব দিরেক্টর, সমারথন ওইনা লৈরিবা ডাঃ যোগেস কুমারনা হৌখিবা কুমজা ১৯৯৬তগী মহাক্কী ওর্গনাইজেশন্না পঞ্চায়েটি রাজগা খুৎশম্নদুনা থবক তৌমিন্নরকখিবগী এক্সপিরিয়েন্স পাউদম পুন্না শরুক য়ামিন্নদুনা অওনবা পুরকপা হায়বসি মীয়াম্না স্কিম অমা মায় পাকহন্নবা, খুন্নাইদা অহোংবা পুরক্লবগী অপাম্বা লৈরবা মতমদা ওইথোক্কনি। ষ্টেকহোল্ডর খুদীংমক্না শরুক য়ামিন্নরবা মতমদা স্কিম অসিগী পান্দম ফংবা ঙমগদৌরিবনি হায়না মহাক্কী মীৎয়েং থমখি।

আই সি এ আর–ৱাইসেনগী সেনিয়র সাইন্টিষ্ট অমসুং হেদ ওইরিবা শ্রীস্বাপনিল দুবেনা কে ভি কে সেন্টরশিংগী মতাংদা পল্লদুনা ৱা ঙাঙখি। কে ভি কে অসি এগ্রিকল্চর কাওন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক্কী মফমশিং শীঙ্হুনা লিংখৎখিবনি, হৌজিক ফাওবদা কে ভি কে ৭২১ লিংখৎল্লে। মসিনা লৌমীশিংদা জ্ঞান–লৌশিং পীবগী মথক্তা রিহর্স সেন্টর অমা ওইনসু থবক তৌরিবনি হায়খি।

কে ভি কেনা মগুন লৈবা মহৈ–মরোং পুথোক্লবা হীরমদা হেন্না মায় ওনশিল্লি, মহৌশাগী পোথোক–চাথোক হন্থবা মহয় মরোংলোমদা মায় ওন্সিন্দে হায়খি। মহাক্না অপীকপা মিলশিং মগুন লৈনা শেমগৎতুনা চল্লাইহনবা, খোই লোইবা, সেরিকলচর, খোইরুগী থবক থৌরমশিং, হামেং য়োকপা, চেঙুম থাবা, পুথোকপা, ওর্গানিক্কী পোথোকশিং পুথোকপা হায়বসিনা থবক ফংহনবা অমসুং মীয়ামগী শেন্মিৎলোন ফগৎহনগনি, শেল থোকপা থবকশিংদা মীয়াম্না মায় ওনশিনবগী চাং হেন্গৎলক্কনি হায়খি।

সেসন অদু এম ও পি আরগী জোইন্ট সেক্রেটরি শ্রী খুশৱান্ট সিংহ সেথি অমসুং মিনিষ্ট্রি অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি রেক্ষা যাদব অনীনা পুন্না চিয়র লৌমিন্নদুনা চথখি।



# কোষ্টেল ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী ওইবা পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লানগী খূথাংদা পাঙথোকপা ইকোনোমিক এন্দ সোসিয়েল ট্রান্সফোর্মেশনগী রিজনেল ৱার্কশোপ ১১–১২ নবেম্বর, ২০২১, মঙ্গালুরু, কর্নাটাকা

## 1. বেকগ্রাউন্দ

মিনিষ্ট্রি ওফ পঞ্চায়েটি রাজ (এম ও পি আর)না জি পি দি পিগীদমক পিপলস প্লান কেম্পেন (সবকি যোজনা সবকা বিকাস) হায়বসি কুমজা ২০২১গী ওক্টোবর ২দগী চংলিবা কুমজা ২০২২গী জনুৱারি ৩১ ফাওবগী ওইনা হৌদোকখি। কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা এম ও পি আরনা এন আই আর দি অমসুং পি আরগী ভেংবাংগা লোয়নননা কেম্পেন অসি মায় পাকহন্নবগীদমক ষ্টেকহোল্ডরশিংদা হেন্দহোল্ডিং সপোর্ট পীনবগীদমক ৱার্কশোপ অমসুং ট্রেনিংশিং মথং-মনাও নাইনা চথদুনা লাকখি, ষ্টেটশিংদসু পাঙথোকখি।

পঞ্চায়েট প্লানশিংগী খূথাংদা কোষ্টেল ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী ওইবা ইকোনোমিক অমদি সোসিয়েল ট্রান্সফোর্মেশনগী রিজনেল ৱার্কশোপ অদু হৌখিবা চহী ২০২১গী নবেম্বর ১১–১২দা কর্নাটাকাগী মঙ্গালুরুদা নুমিৎ নিনি চুপ্পা পাঙথোকখি।

কোষ্টেল ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং অদুদি আন্দামান এন্দ নিকোর ঈথৎশিং, অন্ধ্র প্রদেশ, দদ্রা এন্দ নগর হবেলি, দামন এন্দ দিয়ু, গোৱা, গুজরাট, কর্নাটাকা, কেরলা, লক্ষদ্বিপ, মহারাষ্ট্র, ওরিষ্যা, পুদুচেরি, তামিল নাদু অসিনি। কোষ্টেল ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরশিং অসিগী মনুং চন্না লৈবা মথাগী ওর্গনাইজেশনশিং অসিগী মীহুৎশিং ৱার্কশোপ অদুদা শরুক য়াননবা বার্ত্তন তৌরকই, মখোয়গী খুদংগী লমদা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পাউদমশিং পীননবা খঙহনখিবনি। প্লানিং প্রোসেসতা গ্রাম পঞ্চায়েটশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন-নৈনখি।

১) মিনিষ্ট্রি ওফ জল শক্তি

২) দে-এন আর এ এম, মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দেভলপমেন্ট

৩) ফিসরিজ দিপার্টমেন্ট-মিনিষ্ট্রি ওফ ফিসরিজ, এনিমেল হজবেন্ড্রি এন্দ দাইরিয়িং, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

৪) ফিসরিজ দিপার্টমেন্ট-মিনিষ্ট্রি ওফ ফিসরিজ, এনিমেল হজবেন্ড্রি এন্দ দাইরিয়িং, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

৫) নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি, ন্যু দিল্লি

৬) নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি, ন্যু দিল্লি

৭) কেরলা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি

৮) কর্নাটাকা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি

৯) ওরিষ্যা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (ও এস দি এম এ)

১০) গুজরাট ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (জি এস দি এম এ)

১১) গুজরাট ইন্সটিটুট ওফ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট (জি আই দি এম)

১২) য়ু এন ৱিমেন-রিজনেল ওফিস, ইন্দিয়া

১৩) কুদুম্বশ্রি এন আর ও

১৪) মিনিষ্ট্রি ওফ ন্যু এন্দ রিন্যুয়েবল ইনর্জি

১৫) মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দেভলপমেন্ট-ফোর পোসান অভিয়ান

১৬) আই সি এ আর-সেন্ট্রেল মেরাইন ফিসরিজ রিছার্স ইন্সটিটুট, কোচি, কেরলা

১৭) আই সি এ আর- সেন্ট্রেল ইন্সটিটুট ওফ ব্রেকিশ ৱাটর এক্কাকলচর (সিবা), চেন্নাই

১৮) নেসনেল ফিসরিজ দেভলপমেন্ট বোর্দ (এন এফ দি বি), হায়দ্রবাদ

২. প্রোসিদিংশিং

### 2.1 উদ্বোধনী অধিবেশন

রুরেল দেভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজগী ইকায় খুম্নবা মিনিষ্টর শ্রি কে এস ঈশ্বারপ্পানা মহাক্কী পাউজেলদা সধারন ওইনা কোষ্টেল ষ্টেটশিংনা মায়োক্নরিবা সমস্যাশিংগী চাওরাকপা ৱারোল থমখি, থোইদোক-হেন্দোক্লা পঞ্চায়েটশিংনা থেংনরিবা ইস্যু কয়াগী মতাংদা ফোঙদোকখি। কর্নাটাকা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা দিসেন্ট্রেলাইজ তৌরবা প্লান্নিংগী অমসুং দিসেন্ট্রেলাইজেশনগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা গ্রাসরুটকী থাক্কগী ষ্টেটকী থাক ফাওবা প্লানিং প্রোসেস থম্নবা হোৎনরিবদুদগী মরমদসু চাউরাকপা ৱারোলশিং ফোঙদোকখি। দেলিগেটশিংনা ৱাহন্থোক লৈবা অকুপ্পা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়বগী থাজবা মহাক্না থগ্লকখি লোয়নননা থবক্তা ওন্থোকপা য়ারবা অফবা প্লানশিং পুথোরক্কনি হায়বগী চাউনা থাজবা লৈ হায়খি।



এম ও পি আরগী সেক্রেটরি সুনিল কুমারনসু মহাক্কী হৌদোক ৱারোলদা, কোষ্টেল ষ্টেটশিং অমদি মখোয়গী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা পঞ্চায়েটশিংদা চহী খুদীংগী অপনবা, শীংনবা কয়ামরুম মায়োক্নরিবা অদুগী মতাংদা মরু ওইনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা নোংজুথা মতমসিদা মহৌশাগী ওইবা দিজাষ্টরশিং তোয়না মায়োক্নরি হায়বা ৱাফম থমখি। ষ্টেটশিং অসিনা অমদি মসিদা লৈরিবা গ্রাম পঞ্চায়েটশিংনা মীয়ামগী অন্না-অনাশিং অসিদগী কোকহন্নবা থবক পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈরিবশিং অদু পায়খৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি লোয়নননা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংনা অতৈ থবকশিংদগী হেন্না খুমাঙ য়াঙশিন্না পায়খৎনবসু তকশিন্দুনা ৱা ঙাঙখি। মসিগীদমক প্রোপর প্লানিং অমা তৌবা মথৌ তাই, থোইদোক-হেন্দোক্লা, দিজাষ্টর মিটিগেশন অমদি মেনেজমেন্টগী

থৌরাংশিং মন্নী লৈনবা পঞ্চায়েটশিংনা রার ফুট্টিংদা লৌখৎফম থোকই হায়খি।

কর্নাটাকা লৈঙাক্কী পঞ্চায়েটি রাজগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি শ্রীমতি উমা মহাদেবননা পি আর আইশিংগী মতীক ময়াই হেঙ্গৎহন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্না লৌখৎলিবা খোঙথাংগী মরমদা ফোঙদোকখি। প্লানিং প্রোসেসতা মীয়াম য়াওশিন্নবা, স্কিমশিং মোনিটর তৌবা অমসুং ইভাল্যুরেশনগী থবক্তা কম্যুনিটিগী মীয়ামনা শরুক হেন্না য়াবগী মথৌ তাই হায়খি। দিপার্টমেন্টশিংনা পঞ্চায়েটকী থাক্তা পুন্সিন্নদুনা থবক পায়খৎমিন্নবদা থেংনরিবা মরু ইবা ইস্যুশিংগী মতাংদা পনখি অদুগা পঞ্চায়েটিশিং অসি লোকেল সেল্ফ গভর্নমেন্ট অমমম ওইনা খুঙ্গং শেমগৎপগী থবক থৌরম খুদীংমক্কী থৌদাং পুহন্নবা চঙশিন্নকপা খোঙথাংদা মায়োক্নবা শীঙনবা কয়াগী মতাংদসু রাকম কয়ামরুম পুথোকখি।

পঞ্চায়েটি রাজ মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি শ্রীমতি রেক্ষা যাদবনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা পি আর আইশিংগী শক্তি হেঙ্গৎহন্নবা মিনিষ্ট্রি অসিনা লৌরিবা থৌদাং অমসুং পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং ফোঙদোকখি। নুমিং নিনিগী রার্কশোপ অসিনা কোষ্টেল ষ্টেটশিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমসুং চাওখৎ থৌরাং পায়খৎলিবশিংগী এক্সপিরিয়েন্স খুদীংমক্তু গী মরমদা অমগা অমগা ফোঙদোক্নদুনা খঙমিন্নবগী খুদোংচাবা অমা ফংলগনি লোয়ননা কম্যুনিটি পার্টিসিপেশনগা লোয়ননা পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লানশিং শেম্নবগী খোঙথাং খুজিলহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়খি।

কম্মিশ্নর (পঞ্চায়েটি রাজ) ওইনা লৈরিবী শ্রীমতি শিলপা নাগনা পঞ্চায়েটতা শক্তি পীশিন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্না লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মরমদা হায়লাইট তৌখি লোয়ননা পি আর আইশিংদা মতেং পাংননবা ই-ইনিসিয়েটিবশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা লৈরিবা খুদোংচাবশিংগী মতাংদসু রারোল থমখি।

কর্নাটাকা লৈঙাক্কী অব্দুল নজির সাব ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ রুরেল দেভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজগী দিরেক্টর শ্রীমতি লক্ষ্মি প্রিয়ানা থৌরম অদুদা লাকখিবা দেলিগেটশিংবু তরাম্না ওকখি। এন আই আর দি পি আরগী প্রোফেসার কাথিরেসননা ভোৎ ওফ থেন্কস পীখি।

## 2.2 টেকনিক্যাল সেশন I: পঞ্চায়েত প্রস্তুতির জন্য গণপরিকল্পনা অভিযান উন্নয়ন পরিকল্পনা

এম ও পি আরগী জোইন্ট সেক্রেটরি শ্রীমতি রেক্ষা যাদবনা পিপলস প্লান কেম্পেনগী মরমদা রাফমশিং ফোঙদোক্নুনা কুমজা ২০১৮দা কেম্পেন অসি হৌদোকখিবা মতমদুদগী ফংলকখিবা এচিবমেন্টশিংগী মরমদসু মচা খায়না



পাউদমখি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা থেংনরকখিবা থৌদোকশিংদগী খঙবা ওন্নকখিবগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা গ্রাম পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লানশিং শেন-শাবগী থবকশিং চঙশিন্নরি হায়রি।

ঐখোয়না হৌজিক পুক্লিং হেন্না চঙদুনা থবক পায়খৎকদবা হীরমদি জি পি দি পিগী মশীং হেঙ্গৎহনবরোমদগী মায় লৈথোরক্নগা মগুন হেঙ্গৎহন্নবা হোংনবা হায়বসিনি। কেম্পেন অদুগী তোপ-তোপ্পা ইলিমেন্টশিংদি গ্রাম সভাশিং, ফেসিলিটেটরশিং, মিসন অন্টোদয়া দাটা অসিনি অদুগা জি পি দি পিশিং অপলোদ তৌননবা ই-গ্রাম স্বারাজগী খোঙথাং লৌখৎপা অসিনি। মমাঙগী কেম্পেনশিংনা মখাগী মরু ওইবা ইলিমেন্ট অসি উংখি ঃ

- জি পিশিংগী চাদা ৯০ হেনবদা গ্রাম সভা অমথক্তং লৈরি।
- মীয়াম অমদি লাইন দিপার্টমেন্টশিংদগী ওফিসিয়েলশিং গ্রাম সভাশিংদা য়াওহনবা মথৌ তাই।
- কেম্পেন চথরিঙৈদা আই ঈ সিগী থবক থৌরমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা
- লাইন দিপার্টমেন্টশিংদগী ফন্দ য়াওহন্নবা রিহোর্স এনভেলপ পাকথোক-চাউথোকহনবা

কুমজা ২০২১দা চথখিবা কেম্পেন অদুগী খোঙজেলদু মোনিটর তৌবগী মতাংদা মহাক্না রারোল থমখিবগা লোয়ননা গ্রাম সভাশিংদা মীয়াম্না শরুক য়াবগী মতাংদা কুপ্না নৈনখি। ফেসিলিটেটরগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মহারাষ্ট্রাদা মীয়াম্না গ্রাম সভাদা শরুক য়াবগী চাং খ্বাইদগী রাংনো লৈখি অদুগা কর্নাটাকা, কেরলা, টামিলনাডু, পুদুচেরি অমসুং লক্ষদ্বিপকি ওইনদি প্রোসেস অসি হৌদ্রিবা ওইনা তৌই হায়খি।

মহাক্কী প্রজেন্টেশনদা ইভিদেন্সতা য়ুম্ফম ওইবা প্লানিং হেন্না মথৌ শঙদুনা চৎনহন্নবা সিষ্টেমগী মতাংদা রাফম থমখি অদুগা ষ্টেট, দিষ্ট্রিক্ট, ব্লোক অমসুং গ্রাম পঞ্চায়েটকী থাক্তা, পঞ্চায়েট দিসিজন সপ্পোর্ট সিষ্টেমগী খুথাংদা রারেপ লৌবগী থৌওং ফগৎহন্নবা রাফমশিং থমখি, প্লানিং অমসুং রিপোর্টিং দাসবোর্দকী থাক রাংখৎহন্নবগী মরমদসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এম ও পি আরগী কন্সল্টেন্ট শ্রীভিপ্রা গোয়েলনা অনীশুবা ওইনা মহাক্কী প্রজেনোশন পীবদা ইন্টিগ্রেটেদ পঞ্চায়েট প্লানিংগীদমক মতমগা চান্নরবা আই ই সি এক্টিভিটিশিং শেম্বগী তঙাইফদবশিংগী মরমদা শন্দোকপা রারোল পীখি। প্লানিং মায় পাকহন্নবা পি পি সিগী প্রিন্সিপল ৫ অদুদি ঃ

- মীচঙ মীথায় নাইদবগী মতৌ
- প্লান, থবক্কী হৈ-শিংবা, খুৎলোয়বগী মতৌ
- মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্দুনা রাখল তাহনবা
- মীয়াম হুপ্পা শরুক য়াবা
- মীৎ-না শিংবগী মতৌ

শেমগৎলৌরিবা ইন্টিগ্রিটেদ গ্রাম পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লান অদুনা মীয়ামগী দরকার ওইবশিং মশক খঙদোক্কদবনি, কম্যুনিটিদা হকথেংননা কান্নহনগদবা মাইক্রো লেভেলগী থৌশিল পায়খৎনবা হোংনবগী প্লান তৌগদবনি। পি পি সিগী নতেত চারবা, অফবা মোদেল প্লান অমগী মরু ওইবা ইস্যু অনীথক্তা মীৎয়েং চঙগদবনি। মদুদি, প্লান অদুদা ই-মোদ্যুলশিং, ইমপ্লিমেন্টেশন গাইদলাইন, তোঙান-তোঙানবা ফঙ্কশন্নরিশিং (ফ্রন্টলাইন রার্করশিং, ফেসিলিটেটরশিং অমসুং নোদেল ওফিসারশিং) য়াওহনগদবনি অদুগা পুম্নমক কোন্সিনবা ওন্নবা প্লানিং অমা ওইন্নবা স্কিমশিংগী কনভর্জেন্স চার্ট শেমগদবনি।

## 2.3 টেকনিক্যাল সেশন II: জিপিডিপির সাথে দুর্যোগ ব্যবস্থাপনা পরিকল্পনার ইন্টিগ্রেশন

টেক্নিকেল সেসন অদু গ্রাম পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লানশিং অমদি দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মতাংদা শাক্তু পীদুনা নৈনখি। এস আই আর দি এন্দ পি আর, ওরিষ্যাগী জোইন্ট দিরেক্টর সরোজ কুমার দাসনা মহৌশাগী খুদোংথিবা থোকখিবা মতমদা ওরিষ্যাগী মীয়াম্না খুলোংচাদবা মায়োক্লখিবা, মরু ওইবা ট্রোপিকেল সাইক্লোনগী চৈথেং তোয়না মায়োক্লবা কয়াদুগী মতাংদা ফোঙদোকখি অদুগা দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মতাংদা লৌখৎপা খোঙথাংশিং পন্দুনা হায়লাইট তৌখি।

মখোয়শিং অদুদি ঃ

- মরু ওইবা লম্বীশিং পুং ৭২দগী ৯৬ ফাওবগী মনুংদা মীয়াম চখোক চৎশিন তৌবা য়াহনখিবা,
- পুং ২৪ দগী ৪৮ ফাওবগী মনুংদা মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং পীবা,
- দিজাষ্টর থোকখিবা পুং ৪ গী মনুংদা চান্ন-থক্লবা পোৎলমশিং ফংহনখিবা
- পুং ৪৮ দগী ৭২ ফাওবগী মনুংদা মতম থরগী মোবাইল কন্নেক্সনশিং অতোম্বা থৌরাং পায়খৎতুনা ফংহনবা,
- দিজাষ্টর মায়োক্লগ্রবা মতুং পুং ৬ কী মনুংদা তৎনুরবা মৈগী কন্নেক্সন ফংহনবা,
- দিজাষ্টর মতুং পুং ৪ গী মনুংদা লম্বী, মোবাইল টেলিফোন অমসুং থক্লবা ঈশিং মীয়ামদা ফংহনবা।

প্রজেন্টেসন অদুদা ইকো সিষ্টেম অমা লৈহন্দুনা অমদি রিছোর্স পুল্লমক শেমগৎ-শাগৎতুনা খুদোংথিবা কয়া থেংননবা পঞ্চায়েৎশিংনা মীয়ামগা লোয়ননা হোৎনখিবগী মতাংদা ফোঙদোকখি। মদুদা মরু ওইনা আই ই সিগী থবক থৌরমশিং, কম্যুনিটি পার্টিসিপেসন, ষ্টেকহোল্ডরশিংগী কেপাসিটি বিল্ডিং শাগৎখিবগী মতাংসু নৈনদুনা ফোঙদোকখি। খুদোং থীবা থোক্লবা মতুংদা মদুবু মায়োক্লবগী মথৎ নিংথিনা প্লান তাঁদুনা, মল্টি ষ্টেকহোল্ডর এপ্রোচ অমদা দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকি থৌরাং পায়খৎপরোমদা চঙশিন্নবা হোৎনবা দরকার লৈ হায়নসু পনখি।

গুজরাট অমসুং কেরলা ষ্টেটশিংগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংনসু দিজাষ্টর থেংনখিবগী মতাংদা মখোয়না লৌখৎখিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা এক্সপিরিয়েন্স শিয়র তৌখি।



## 2.4 প্রযুক্তিগত সেশন III: জিপিডিপির সাথে স্কিম এবং প্রোগ্রামগুলির রূপান্তর

সেসন অসিদা তোঙান তোঙানবা স্কিম অমসুং প্রোগ্রামশিংগা পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লানশিংগা পুনশিন্নবগী মতাংদা জখল্লনা নৈনখি। পি এফ আর দি এগী কন্সল্টেন্ট শ্রী মোহিট যাদবনা অটল পেন্সন যোজনাগী মতৌ মওংশিংগী মরমদা ৱা ঙাঙখি, স্কিম অসি য়ুনিভর্সেল সোসিয়েল সেক্যুরিটি সিষ্টেমগীদমক কুমজা ২০১৫-১৬ তা হৌদোকখিবনি, লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খুদোং চাবা ফংহন্নবনি। অন-ওর্গনাইজ সেক্তরদা লৈরিবা লায়রবা অমসুং খুদোং চাবা ৱাংনা ফংলিবা মীয়ামগী পুন্সি মরেল ফগৎহন্নবা পায়খৎপনি।

কুদুম্বশ্রি-এন আর ওগী মিস এলিজাবেথ সোবি অমসুং মহাক্কী কলিগ মিস কাজল টিৱারি অনিনা ভিল্লেজ পোভর্টি রিদক্সন প্লানগী মওং মতৌশিংগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। ভি পি আর পিগী মখাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা প্লানশিংগী মনুংদা থরদিঃ

- এন্টাইটেলমেন্ট প্লান,
- লাইবলিহুদ প্লান,
- পব্লিক গুদস, সার্ভিসেস অমদি রিছোর্সেস দেভলপমেন্ট প্লানশিং,
- সোসিয়েল দেভলপমেন্ট প্লানশিং।

প্রজেন্টেসন অদুদা ভিল্লেজ পোভর্টি রিদক্সন প্লানশিং মায় পাক্না পায়খৎনবা হোৎনবদা লৌখৎকদবা থৌরাং-থৌশিল, শীঙনবশিং অমসুং ফংবা ঙমগ্রবা এচিবমেন্টশিংগী মতাংদা চাউরাকপা ৱারোলশিং ফোঙদোকখি।

দা. অঞ্জন কুমার ভাঞ্জানা মহাক্কী ৱারোল পীবদা ইভিদেন্সতা য়ুম্ফম ওইবা অমসুং দাটানা চল্লাইবা পঞ্চায়েট প্লান্নিংগী তঙাইফদবশিং হাইলাইট তৌখি। মসিগী এপ্রোচতি মখাগী অসুম্ননিঃ

- ইভিদেন্স বেজ হায়বগী ৱাহৈক্তি অফংবা খ্বাইদগী ফরবা দাটা, ইনফোর্মেসন অমসুং গ্গান-লৌশিং শীজিন্নদুনা ৱারেপ লৌবনি।
- দাটা অমসুং ইনফোর্মেসন্দগী ফংবা লৌশিং গ্গান অদু ইভিদেন্স বেজ প্লান্নিংদা হাপকৎতুনা ৱারেপ লৌবনি অদুগা ঐখোয়গী প্লান্নিং প্রোসেস অমদি অফবা ফল ফংবা হেন্গৎহন্নবা মসিবু শীজিন্নবনি।
- ইভিদেন্স বেজ প্লান্নিংদা দাটা, ইনফোর্মেসন অমদি লৌশিং গ্গানগী ইভিদেন্স অসি য়ুম্ফম ওইনা শীজিন্নে অদুগা করম্না ৱারেপ তাগদগে হায়বদুসু লেপকনি।
- পঞ্চায়েট প্লানিং অমদি তশেংনা দরকার ওইবা হায়বসিগী মরক্তা অহোবা, অশোয়বা থরা লৈবক্তম তৌই, পাউ ফাওনদবক্তম তৌই।
- মতিক চাবা খুদম-চাংদমগী দাটা শীজিন্নদুনা প্লানশিং শেমগদবনি, মসিনা গ্রাউণ্ড রিয়েলিটি অমসুং অশেংবা দরকার অনিদুগী খুদম অমা ওইগদবনি।

মথক্কী অসি ফংহন্নগীদমক অহানবা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি অদুগা পঞ্চায়েট প্লান নিংথনা চুম্না শেম্নবগীদমক অনিশুবা থাক্কী দাটাগী অফংবা লিখুনশিং থিদোকপসু মথৌ তাই।

## 2.5 প্রযুক্তিগত সেশন IV: জনগণের পরিকল্পনা প্রচারাভিযান - অভিজ্ঞতা ভাগ করে নেওয়ার অভিজ্ঞতা

সেসন অদুদা কেরলা, গুজরাট, তামিল নাদু, অন্ধ্র প্রদেশ, কর্নাটাকা অমসুং গুজরাটতগী লাকখিবা পঞ্চায়েটকী মীওইশিংনা মখোয়গী থেংনরকপা থবক্কী এক্সপিরিয়েন্স শিয়র তৌনখি। প্রজেন্টেসনগী মরু ওইবা মওং মতৌশিং অদুদি ঃ

- কার্বোন ন্যুট্রেল ওইবা গ্রাম পঞ্চায়েট শেমগৎপা,
- পঞ্চায়েট প্লান শেম্লনবা মীয়াম্বু ভাব তাহনবা,
- মীয়ামগা ঈ-পাউ ফাওদোক্লবা হেন্গৎহন্নবা গ্রাম সভা মশীং হেন্না পাঙথোকপা,
- সহরদা ফংবা খুদোং চাবশিং পঞ্চায়েট এরিয়াদসু ফংহনবা,
- ভিল্লেজ সেক্রেটরিয়েট সিষ্টেম অমসুং নবরত্ন ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামশিং,

- স্টেটশিংদা প্লান শেম্বগা মরী লৈনবা প্রোভিজনশিং,
- জি পি দি পিগী মখাদা স্কিমশিং পঞ্চায়েটকী থাক্তা পুনশিন্নবা



Experience sharing by Elected Representatives

## 2.6 টেকনিক্যাল সেশন ভি: প্রোগ্রামের কনভারজেন্স – লাইন মন্ত্রণালয় ও প্রতিষ্ঠানসমূহ

মানিপাল একাদেমি ওফ হায়র এদুকেসন (এম এ ঐচ ই) গী দা. দিপিকা শেটিনা খুঙ্গংগী লমদা স্পেসিয়েল প্লান্নিং তৌবগী কান্নবা অমসুং মরু ওইবশিংগী মতাংদা প্রজেন্টেসন পীখি।



সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা, মওং তানা লম শীজিন্নবগী প্লান্নিং তৌবা, মসিগী টেক্নিকেল প্রোসিদ্যুরশিং অদুগা লম শীজিন্নবগী থৌওংশিং অদু পার্টিসিপেটরি এপ্রোচ অমগা লোয়নন চথরবদি হৈজিক্কী অমনি তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীয়ামগী দিমান্দ পীবা ঙমগনি। উদুপি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা পঞ্চায়েট অনিদা য়াম্না নীংথিনা লম য়েন্থোকখিবা অমসুং শীজিন্নহনখিগী প্লানগী মতাংদা পার্টিসিপেন্টশিংদা মহাক্কী এক্সপিরিয়েন্স শিয়ার তৌখি। অসিগুম্বা খুঙ্গংগী লমশিংদা অসিগুম্বা চাওখং–থৌরাংগী প্লান্নিং প্রোসেস পায়খৎপা মতমদা, মীংয়েং শানবা প্রোসেস অমা মথৌ তাই। গ্রাউন্দদা লৈরিবা ফীভম ময়েক শেংনা খঙগদবনি, মদুগী প্রোফেস্নেল এসেসমেন্ট তৌগদবনি অদুগা মীশিংগা চান্নরা, মদুগী ফিজিকেল, সোসিয়ো–ইকনোমিক, জুরিসদিক্সনগা মরী লৈনবা অমসুং শেল–থুমগী মওং–মতৌশিং কুপ্না নৈনরগা সষ্টেনেবল দেভলপমেন্টগী পান্দম ফংনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

শনেস্নেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট অথোরিটিগী শ্রী অনুজ টিৱারিনা পীখিবা প্রজেন্টেসন অমদা লোকেল লেভেলদা দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মরু ওইবশিং পনখি। মীয়াম হায়বসিনা মহৌশাগী খুদোংথীবা থোক্লকপদা খ্বইদগী হান্না চৈথেং মায়োক্লবনা, মসিগী থৌরাংসি য়াম্না মরু ওই হায়খি।

শদিজাষ্টর হন্থহন্নবা হোৎনবদা পঞ্চায়েটশিংনা মরু ওইবা থৌদাং লৌবিগদবনি অদুগাখুদোং থীবা হন্থহন্নবা থবক থৌরাং পায়খৎনবা গ্রাম পঞ্চায়েট দেভেলপমেন্ট প্লান শেমগৎকদবনি হায়বা ৱাফম থমখি।

## 2.7 প্রযুক্তিগত অধিবেশন VI: টেকসই উন্নয়ন লক্ষ্যমাত্রা স্থানীয়করণ

তামিলনাদু লৈঙাক্কী এদিস্নেল চিফ সেক্রেটরি ওইরিবী শ্রমতি জয়াশ্রি রঘুনন্দননা পীখিবা প্রজেন্টেসন অমসুং ইন্টরেক্সন্দা খুঙ্গংগী লমদমদা সষ্টেনেবল দেভলপমেন্ট গোলগী পান্দম ফংনবা থৌরাং পায়খৎপগী তঙাইফদবশিং, মরু ওইবশিং অমসুং প্লান্নিং তৌবগী মথৌ তারিবশিং অদুগী মতাংদা নৈনখি।

সষ্টেনেবল দেভলপমেন্ট গোলগী পান্দম ফংননবা স্টেটশিংনা লাইন মিনিষ্ট্রিশিংগী মতেংগা লোয়নন থৌশিল কয়ামরুম পায়খৎলি। অদুম ওইনমক হৈজিক তৌগদবদি পঞ্চায়েটশিং শরুক য়াহন্দুনা গ্রাস রুট লেভেলদা এস দি জি এপ্রোচ লৌখৎপা হায়বসিনি অদুগা থৌওংসি পায়খৎপদা খুঞ্জাশিং মশীং য়াম্না য়াওহনবা মথৌ তাই হায়খি। ইন্টরভেন্সনগী মরু ওইবা এরিয়াশিংদিঃ

- খুঙ্গং অমত্তা চিথহন্দবা,
- মহৌশাগী খুদোংথিবশিং থেংনবা ঙম্নবা ক্লাইমেট হোংলকপগা মরী লৈনবা ইস্যুশিংদা অহেনবা মীংয়েং চঙদুনা থন্ন–নৈনবা অমসুং লাম্বেংনবা থবকশিং পায়খৎপা,
- অঙাংশিংগী য়াইফ–থৌরাংশিং পায়খৎপা পঞ্চায়েট অমমম ওইহনবা,
- জেন্দর ইস্যুশিংদা মীংয়েং থমদুনা মান্নবা খুনাই পুরকপা লোয়ননা নুপীদা ওৎ–নৈবগী থবকশিং থিংনবা থৌরাং পায়খৎপা,
- কনাগুম্বা অমত্তা চিথদ্রবা – সষ্টেনেবল দেভলপমেন্ট গোল পুরকপা।

মথক্কী ইস্যুশিং অসি ভিদিওগী খুথাংদা থন্ন–নৈনখি অদুগা মখা তানা পার্টিসিপেন্টশিংগা ইন্টরেক্সন চথখি।

ব্রার্কসোপ অদু ভেলেদিক্টরি সেসন অমগা য়াওনা লোইশিনখি।

পি পি সিগী মতাংদা পাঙথোকখিবা গ্রাম সভা, জি পি – গান্ধি নগর, অন্দামান এন্দ নিকোবর



Gramsabha on PPC- GP- Gandhi Nagar, Andaman and NIkobar



পি পি সিগী মতাংদা গ্রাম সভা পাঙথোকপা, স্টেট – অন্ধ্র প্রদেশ, দিষ্ট্রিক্ট – ইষ্ট গোদাবরি, ব্লোক – গান্দেপাল্লি, জি পি – বোরাম পালেম




# পেসা ষ্টেটশিংগী ওইনা রাজস্থানগী জয়পুরদা কুমজা ২০২১ গী নবেম্বর ২২–২৩দা পঞ্চায়ট দেভলপমেন্ট প্লান্টকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা রিজনেল ৱার্কশোপ ওন ইকনমিক এন্দ সোসিয়েল ট্রান্সফোর্মেসন

## 1. পটভূমি

পেসা ষ্টেটশিং (অন্ধ্র প্রদেশ, ছটিসগর, হিমাচল প্রদেশ, গুজারাত, ঝরখন্দ, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, ওরিষ্যা, রাজস্থান অমসুং তেলঙ্গনা) হায়রিবশিংঅসিগী ওইনা পঞ্চায়ট দেভলপমেন্ট প্লান্টশিংগী মরী লৈননা ইকোনোমিক অমদি সোসিয়েল ট্রান্সফোর্মেসন হায়বা হীরমসিদা রিজনেল ৱার্কশোপ অমা হৌখিবা কুমজা ২০২১গী নবেম্বর ২২দগী ২৩ ফাওবদা জয়পুরদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি পঞ্চায়েটি রাজ অমসুং গ্রামিন বিকাস সঙথান্দা পাঙথোকখি।

ৱার্কশোপ অসিদা শরুক য়াখিবশিং অদু তোঙান তোঙানবা ফেকল্টি মেম্বরশিং, মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা মীৎলদা মায় পাক্নুনা লৈরবশিং, লাইন দিপার্টমেন্টশিংদগী লাকপা ওফিসারশিং, আই টিগী কন্সলটেন্টশিং, ট্রেনরশিং, রিসোর্স পার্সনশিং অমদি পেসা কাঙলুপ্তা চঠিবা ষ্টেটশিং হায়বদি অন্ধ্র প্রদেশ, ছটিসগর, হিমাচল প্রদেশ, গুজারাত, ঝরখন্দ, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, ওরিষ্যা, রাজস্থান অমসুং তেলঙ্গনাদগী লাকপা লৈঙাক্কী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। মসিগীসু মথক্তা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিটুসনশিংদগী লাকপা সেনিয়র ওফিসারশিং, লাইন মিনিষ্ট্রি অমদি দিপার্টমেন্টশিং, য়ু এন এজেন্সিশিংগী এক্সপার্টশিং, ইন্দিয়া গভর্নমেন্টগী পঞ্চায়েটি রাজ মিনিষ্ট্রিগী সেনিয়র ওফিসারশিং অমসুং হাইদরাবাদকী নেসনেল ইন্সটিটুট ওফ রুরেল দেভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজগী ওফিসিয়েলশিংসু ৱার্কশোপ অদুদা শরুক য়াখি। চেরোল অসিগী অরোইবা শরুক্তা পার্টিসিপেন্টশিংগী লিষ্ট অমসু হাপ্লি।

## 2. কার্যধারা

### 2.1 ।উদ্বোধনী অধিবেশন

থৌরম হৌদোকপা ওইনা সরস্বতি লাইরেম্বীগী মফমদা নোঙ্খুক্না অমদি ঈকায়কুম্নবা ওইনা লেম্প লাইটিংগী থৌরম অমা দিগনিটরিশিংনা পাঙথোকখি। মদুগী মতুংদা দিগনিটরিশিংবু ঈকায়খুম্নবা উত্তুনা শাল অমসুং মেমেন্তো পীদুনা তরাম্না ওকখি। থৌরম হৌদোকপগী ৱারোলনা শ্রিরাজেন্দ্র সিংহ কেইননা পীখি।

মদুগী তুংদা পঞ্চায়েটি রাজ দিপার্টমেন্ট, রাজস্থানগী সেক্রেটরি শ্রী পি সি কিষননা ৱা ঙাঙখ্রবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ পঞ্চায়েটি রাজগী জোইন্ট সেক্রেটরি মিস মেধা যাদব অমসুং আই জি পি আর এন্দ জি ভি এস কী দিরেক্টর জেনরেল রবি সঙ্কর শ্রিভাষ্টবনা ইনোগুরেল সেসন অদুদা ৱা ঙাঙখি। ৱার্কশোপকী কোর্দিনেটর এন আই আর দি এন্দ পি আর, হাইদরাবদকী দাক্টর সি কাথিরেসননা মীয়ামদা থাগৎ ৱারোলশিং পীখি।

### 2.2 টেকনিক্যাল সেশন 1: পঞ্চায়েত প্রস্তুতির জন্য গণপরিকল্পনা অভিযান উন্নয়ন পরিকল্পনা

পিপল্স প্লান কেম্পেইনগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ পঞ্চায়েটি রাজগী জোইন্ট সেক্রেটরি মিষ্ট্রেস রেখা যাদবনা মীয়ামদা প্রজেন্টেসন পীখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, পঞ্চায়েটি রাজ মিনিষ্ট্রিনা হন্দক্তা লৌনা পিপল্স প্লান কেম্পেইন ২০২১ সবকী যোজনা সবকা ভিকাস অমসুং ভাইব্রেন্ট গ্রাম সভা দাসবোর্দ হাংদোকখি। মসি গ্রাম পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লান শেম্নবগীদমক্নি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা গ্রাম পঞ্চায়ট খুদিংমক্না নীংথিনা ৱাখল ভানা চঙশীন্দুনা গ্রাম পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লান শেমগদবনি, অসুম্না তৌরবদি লাক্কদৌরিবা চহীশিংদা তুং কোয়না চৎনগদবা অমসুং হীরম খুদিংমক কোনশিল্লবা চাওখৎপগী শক্তম অমা উবা ফংলক্কনি। ৱাহন্থোক লৈবা অমসুং দাইত্ব থঙনা মশক থোকপা গ্রাম সভা মীফমশিং পাঙথোকপগী ভঙাইফদবা কয়ামরুম লৈরি।

সবকা যোজনা সবকা ভিকাস কেম্পেইন হায়রিবসি মরু ওইনা হীরম খুদিংমক কোনশিনগদবা, মপুং মরৈ ফানা গ্রাম পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লান (জি পি দি পি) শেম শাননবা চৎথবা কেম্পেইন অমনি। অমুক্তং ভয়াবা ফংলবদি, মসিনা গ্রাম পঞ্চায়টশিংদা চহী চুপ্পা থবকশিং ৱেংশিন্নবা অমদি নীংথিনা থবক পায়খৎচনবা খুদোংচাবা পীগদৌরিবনি।

জোইন্ট সেক্রেটরি রেখা যাদবনা পিপল্স প্লান কেম্পেইন ২০২১ গী মতাংদা অকুপ্পা, মপুং ফাবা প্রজেন্টেসন অমা দেলিগেটশিং অমসুং পার্টিসিপেটশিংদা থমখি। অহৌবমক্তদা মহাক্না, মমাংদা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা কেম্পেইনশিংগী থঙবা ভ্রকখিবা শক্তমশিংগী ফোটোগ্রাফ অমা প্রজেক্ট তৌখি। মদুগী মথংদা মহাক্না পেসা অমসুং নোন–পেসা গ্রাম সভাশিং (পি পি সি ২০২১) দা শরুক য়াবগী মতাংদা অকুপ্পা ৱাফম নৈনদুনা ফোঙদোকখি। এনালাইসিস অদু পেসা গ্রাম সভা ৩৩৪১৮ অমসুং নোন পেসা গ্রাম সভা ৮১০৬কী মতাংদা চৎখিবনি। মহাক্না নৈনখিবা হীরমশিংদি:

১. প্লানিং অমসুং রিপোর্টিং দাসবোর্দ

২. দিজিসন সপ্পোর্ট সিষ্টেম ওইনা গ্রাম মানচিত্র

৩. সেদ্যুল্ড ট্রাইব্স কম্পোনেন্ট মোনিটরিং দাসবোর্দ

৪. কেপাসিটি বিল্ডিং অমদি হেন্দহোল্ডিং সপ্পোর্ট

৫. ৱাটর কঞ্জার্বেসন এক্টিভিটিশিং

৬. ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্লবগীদমক মীফমশিং পাঙথোকপা

৭. এমজিনরেগা, গ্রামিন হাট, এগ্রিকলচর সব–প্লানশিং মথং মথং শম্নহন্নবা সিষ্টেমগী মতাংশিং নীংথিনা নৈনখি।

সেসন অদুগী অনীশুবা ৱারোলশিংদি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী পঞ্চায়েটি রাজ মিনিষ্ট্রিগী কন্সলটেন্ট ওইরিবা শ্রী ভিপ্রা গোয়েলনা থমখিবনি। মহাক্না ইন্টিগ্রেটেদ পঞ্চায়েট প্লানিং পুরক্লবা মোর্দন। মোদেল আই ঈ সি (ইনফোর্মেশন, ইদুকেসন অমসুং কম্যুনিকেসন) এক্টিভিটিশিংগী মতাংদা শুগাইবা ৱারোলশিং নৈনখি। মহাক্না পিপল্স প্লান অভিয়ানগী পাদৈ ৫গী মরমদা ফোঙদোকখি:

১. মীচঙ–মীথায় নাইদবা মতৌ–ইম্পার্সিয়েলিটি

২. শেম শাবদা খুৎলোয়বা হেক্সৎপা লৌশিং পীবা–টেক্নিকেল এক্সপরটাইজ

৩. পাক–শন্না খঙহন্দুনা ৱাখল তাহনবা–এৱোর্নেস

৪. মীয়াম হুপ্পা শরুক য়াহনবা–কম্যুনিটি ইনভোল্ভমেন্ট

৫. মীৎশিং নাশিংবগী মতৌ ভিজিলেন্স অসিনি।

মহাক্না য়াম্না মচা থায়বা মওংদা হৌজিক্কালগী আই ঈ সি লাক্লোং শেমদুনা পিপল্স প্লান কেম্পেইন (আর জি এস এ) পায়খৎনবগী মতাংদসু ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

১. পি পি সি মোদ্যুলশিং, বুকলেটশিং, গাইদলাইনশিং, মথৌদাং অমসুং দাইত্ব, লোয়ননা স্কিমশিংগী কনভর্জেন্স চার্টর য়েষ্ঠোকপগী মরমদা ফোঙদোকখি।

২. জি পি পি এফ টি (গ্রাম পঞ্চায়েট প্লানিং ফেসিলিটেসন টিম) অমসুং ভলন্টিয়ারশিং শেমগৎপগী মতাংদা

৩. লৌনা শেম্রবা টিমগী মীফমগী মরমদা

৪. ক্রমি অসিনা ৱার্দ খুদিংমক্কী ওইনা গ্রাম ৱঠ রেল্লি চৎথবগী মতাংদা

৫. এনভাইরনমেন্ট ক্রিয়েসন ৱার্দ–সভা (চৌপাল বৈঠশিং। মীটিংশিং) শীল লাঙবগী

৬. পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিংগী মরমদা দিষ্ট্রিক্ট প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াদা প্রেস নোটশিং থোক্নুনা খঙহনবা

৭. অনীশুবা থাক্কী দাটা থোমগৎপগা লোয়ননা য়ুমথোঙ য়ুমথোঙশিংদা চত্নুনা সর্ভে তৌবা অমসুং ফাইল–ৱার্ক পাঙথোকপা

৮. পি আর এ টোল্ক অমসুং দাটাশিং শীজিন্নদুনা মফম মফমশিংদা লৈরিবা শক্তমশিংদু কুপ্না নৈনদুনা য়েংশিনবা

৯. স্পেসিয়েল গ্রাম সভা (রিসোর্স এক্টিভিটি আইদেন্টিফিকেসন এন্দ ভিজনিং এক্সরসাইজ) শীল–লাঙবা, হায়রিবশিং অসি নৈনখি।



অহৌবগী ওইনা দৌসা দিষ্ট্রিক্টকী চারেদা খুঙ্গংগী সরপঞ্চ ওইরিবা মিস পুজা মীনা না, মহাক্কী গ্রাম পঞ্চায়েটপু লৈবাক অসিগী অহানবা মোদেল পঞ্চয়েট অমা ওইনা লাউথোক্নবা মহাক্না হোৎনরকখিবশিংগী মরমদা শুপাইনা ফোঙদোকখি। শ্রী পিয়ুকা সমারিয়া কৌবা দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্টর অদুনা মেদিয়াগী মমাংদা থোক্লক্লুনা, পঞ্চায়েট অসিনা পায়খৎনবা হোৎনরিবা অমসুং পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অদুবু শীঙথাদুনা থাগৎখি। মহাক্না গ্রাম পঞ্চায়েট অসিদা লৈঙাক্কী ওফিস অমগা চপ মান্ননা দরকার ওইবা মচাকশিং থমদুনা ফঙ্কসন তৌরি হায়রদুনা মহাক্কী ওইবা প্রেজেন্টেসন পীখিবা মতমদুদা ভিদিও অমসু শিয়র তৌখি।

শ্রী রাজেন্দ্র প্রসাদ মীনা অমসুং আসা মীনা অনীনা মখোয়গী গ্রাম পঞ্চায়েট হায়বদি দৌসা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈরিবা মহেস্বারা খুর্দপু কোরোনাগী লায়না লাইচঙগী মগুং ফানা ঙাকথোক্নবা হোৎনরকখিবগী মতাংদা নৈনা-ৱারোল থমখি। মখোয়না আই ই সিগী পম্বে হায়বদি পঞ্চায়েট অদুগী ঘুমথোঙ খুদিংদা কোয়না চত্তুনা পামফ্লেটশিং, পোষ্ট এগজিবিসন অমসুং কোরোনা করাচসাথি হায়বা ময়েক থাবা টি-সার্ট কয়ামরুম মীয়ামদা য়েন্থোক্তুনা কোরোনা করাচসাথি অভিয়ান লোঙ্ক তৌখি। মসি য়াম্না ঙক্লিঙাই ওইবা টিম ৱার্ক অমা ওইখি হায়রি।

দৌসা দিষ্ট্রিক্টকী বন্দিকুই সব-দিভিজনদা লৈবা মিটরৱাদি খুঙংগী লৌমী রামজিলাল শর্ম্মনসু মশাগী মোদেল হায়বদি ফিনম্নিঙাই ওইরবা ফার্ম অমা শেমগৎখিবগী মতাংদা মহাক্না থেংনরকখিবা অৱা-নুংঙাই কয়াগী মতাং পাউদমখি। হান্না চৎরম্বা কারবার অদু কুমজা ২০০১ দা থাদোক্লগা মহাক্না ভর্মি কম্পোষ্ট প্লান্ট অমা, মশাগী বিঘা ৯ পাক চাউবা লম অমদা পায়খৎপা হৌরকখিবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। মহাক্না ওর্গানিক ওইবা হার শীজিন্নদুনা লৌউ-শীংউগী থবকশিং চৎখরকখি, লোয়ননা দাইরি প্লান্ট অমসু লিংখৎখি হায়খি।




Experience sharing by Elected Representatives and Farmers

দৌসা দিষ্ট্রিক্টতগী গীজগরহ পঞ্চায়েট সমিতিগী লৌমী শ্রী শিব চরন সেকদানসু, মহাক্না অনৌবা থৌরাং থৌশিল লৌখত্তুনা লৌউ শীংউগী থবকশিংদা চঙশিন্নকখিবগী মতাংদা মীয়ামদা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। এগ্রিকলচরগী হীরমদা মহাক্না তোর্মথিন ওইনা কথোকপগী থবক চঙশীনখিবা অদুবু শকখঙবিবা ওইনা ক্রিসি সম্মান অমা ওইনা সার্টিফিকেট ওফ রিকগনিজন ফংখিবগী ৱারী কয়া লীখি।

জয়পুর দিষ্ট্রিক্টকী বিচুন পঞ্চায়েট সমিটি মনুং চন্না বাইরানা খুঙ্গংদা লৈবা শনী সুরেন্দ্র অৱানা কৌবা প্রোগ্রেসিব ফার্মর অসিবু বার্তোন তৌদুনা, মহাক্কী এক্সপিরিয়েন্স কয়াদু শিয়র তৌহনখি। মহাক হৌখিবা চহী ৩৫ রোমগী মতমসি লৌউবগী থবক তৌদুনা লাকখি। মহাক্না মশাগী হেক্তর ১০ চাউবা লৈঙেঙাই লম ওইনা তৌবা, লৈহাও কয়া চেন্দবা, লৈতেমসু মান্নদবা, নুঙচাক-নুংঙৌ য়াওবা লমগী শরুক্তা ঙা য়োকপা, শঙ্গোম থোকপী যন লোইবা, ঙানু, উট, শগোল হামেং, য়াউ, য়েন, খোই, হীদাক কান্নবা পাম্বী থাবগী অমদি ওর্গানিক ফার্মিংগী থবক থৌরমশিং পায়খত্তুনা লাক্লি হায়বা ৱারোলশিং ফোঙদোকখি।

সেসন অসিদা এন আই আর দি পি আরগী ডা. সি কাথিরেসননা এক্কর পার্সন ওইখি অদুগা ইন্দিয়া গবর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ পঞ্চায়েটি রাজ (এম ও পি আর) গী জোইন্ট সেক্রেটরি মিস রেখা যাদবনা চিয়র লৌখি।



পি পি সিগী মতাংদা ফস্বা গ্রাম সভা-স্টেটকী মিং-মধ্য প্রদেস, দিষ্ট্রিক্ট-রতলম, ব্লোক-অলোৎ, গ্রাম পঞ্চায়েট-মন্দাৱল

## 2.6 টেকনিক্যাল সেশন ভি: পিআরআইগুলিতে এসডিজি স্থানীয়করণ

মীখলদা কারক্লবা মীয়ামগী মীহুৎশিংগী এক্সপিরিয়েন্স শিয়র তৌবা লোইশ্লবা সেসন অদুগী মতুংদা মঙাশুবা সেসন অসিগী চোরমেন ওইনা এদিসনেল দিরেক্টর শ্রী রাজেন্দ্র সিংহ কেইনবু বার্তোন তৌদুনা চেয়র লৌহনখি। সেসন অসিদা মিনিষ্ট্রি অমসুং ইন্সটিট্যুটশিংদগী বার্তোন তৌদুনা লাকখিবা প্রজেন্টর ৫না ৱারোলশিং থমখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ পঞ্চায়েটি রাজগী কন্সল্টেন্ট শ্রী মোহিট রাউবু গ্রাম সভাশিং মতৌ করম্না মতিক মঙাল লৈহনগনি হায়বসিদা প্রজেন্টেসন পীরনবা বার্তোন তৌদুনা ৱা ঙাঙহনখি। মহাক্না পৱারপোইন্ট প্রজেন্টেসনগী মতেংনা ৱারোল থমখি। গ্রাম সভা হায়বসি খুনাইদা অহোংবা পুরক্লবা এজেন্ট অমনি। সোসিয়েল সেক্টর পুন্নমক্তা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসন অমদি ফঙ্কসন্নরি খুদিংমক্কী মথক্তা য়েংশিন্দুনা থবক তৌননবা গ্রাম সভাদা শক্তি পী হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। গ্রাম সভাশিংদা অহানবমক্তদা পীরিবা মতীক-মঙমশিংদিঃ

- ট্রাইবেল কম্যুনিটিশিংগী মহৌশাগী চৎনবী লীচৎ শাজৎ, হৈনবী অমসুং চৎন-কাঙলোনশিং তেক্ত কায়দনবা ঙাক্তুনা থম্বা
- মহৌশাদগী চৎনদুনা লাকপা নিতি-নিয়ম মখালা ৱাথোকশিং অমসুং খংন-চৈনদুনা য়ান্নদবশিংবু ৱারোয়শিন পুরকপা
- তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগীদমক কান্নবা ফংহনগদবা বেনিফিসরিশিং মশক খঙদোকপা
- খুনাইগী অমদি শেল-থুমগী চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা প্লানশিং অমদি প্রোজেক্টশিং অয়াবা পীবা
- য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেটশিং পীবা
- নিয়াগী পোৎলমশিং, অপিকপা উমংগী পোথোকশিং মপু ওইবগী মতৌ, অপিকপা ঈশিং তুঙবা মফমশিং, শেল শান্দোকপা-পূবগী থৌওং পুন্নমক কা হেঞ্জিলহন্দনা চৎহন্নবা রেগুলেট তৌবা

শ্রী রাউনা গ্রাম সভাশিংদা মীয়াম্না শরুক য়াবগী এটেন্দেন্স অমসুং গ্রাম সভাগী মীফমশিংদা নুপীশিংনা য়াওশীনবগী মওং মতৌশিং উত্তুনা পেসা এরিয়াশিংগী ষ্টেট খুদিংমক্কী সেম্পল দাটা কুপ্না নৈনখি।

মথংদা আই জি পি আর এন্দ জি ভি এসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর শ্রী অকাস দিপ অরোরাবু বার্তোন তৌদুনা, মোদর্ন কন্সেপ্ট ওফ দিসএবিলিটি এন্দ ইনক্লুজন ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটি ইন সোসাইটি হায়বা হীরমদা প্রজেন্টেসন পীনখি। মহাক্না হায়, মীমান্নদবা, শোইনাইরবা হায়বসি মতম শাংনা হকচাংগী, পুক্নীং ৱাখল, লৌশিং-জ্ঞানগী নত্রগা খঙবা, তাবা, উবা ঙম্বগী চাং ৱাংলবা মীওইশিং অদুগী থৌওংশিংবুনি। খুনাইগী লৈরিবা অথিং-অরাক কয়াসিনা মরম ওইরগা

মীয়ামগী থবক থৌরমশিংদা মখোয়না শরুক য়াননবা হোংনবদা অপনবা ময়াম থেংনরি। দিসএবিলিটি হায়বসি হায়েন কন্দিসনগী শরুক অমনি। মীওই খুদিংমক্তা অসিগুম্বা থরা থরদি মায়োক্নে, মদু মতম থরগীদমক ওইবা য়াই নত্রগা পুন্সি চুপ্পগী ওইথিবসু য়াই হায়খি।

মহাক্না রাইটস ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ এক্ট, ২০১৬কী প্রোভিজন থরসু পল্লদুনা মহাক্কী ৱারোলশিং থমখি।

গুৱাহাটিদা লেজ তৌবা এন ই আর সি, এন আই আর দি পি আরগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডা. নরায়ন শাহনা মথংদা ইভিডেন্স বেজ পঞ্চায়েট প্লানিং হায়বা হীরমসিদা পৱারপোইন্ট প্রজেন্টেসন পীদুনা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোকখি। মহৌশানা অঙ্ক মশীং হায়বদি ন্যুমরিকেল ওইবা, খুদম নত্রগা পাউদমগী মশক ওইবা দাটাশিংগী মতাংদা মহাক্না নৈনখি। মখোয়শিং অদু উরুবা, খঙনুরবা মতুংদা খোমজিন্নকখিবা দাটানি। থরা হেন্না টেক্নিকেল ওইবা ৱাহঙ্গোক্তা হায়রবদি দাটাশিং অসি মী অমা নত্রগা পোংশক অমা নত্রগা অমদগী হেনবশিং অদুগী মরমদা মগুন নত্রগা চাং লেপ্পবা লৈরিবা পাদমশিং অদুগী ভেল্যুশিংগী কাঙলূপ অমনি। মহাক্না জেনরেল ওইনা, অদুগা অথন্নবা পেসা এরিয়াশিংদা লৈরিবা লোকেল বোদিশিংগী রিয়েল টাইম, ফ্লেক্সিবল অমসুং তুং কোয়না চংনবা য়াগদবা, দাটাদা যুম্ফম ওইবা মেনেজমেন্ট সিষ্টেম শেমগদবনি হায়বা ৱাফম হৌদোকখি। অসিগুম্বা দাটাদা যুম্ফম ওইবা মেনেজমেন্ট সেল অদু এফ দি এ সি হায়না খঙনবসু য়াই হায়খি।

প্রথম ইদুকেসন ফাউন্দেসনগী প্রজেক্টর অনীনসু কম্যুনিটি লেবেল এক্টিভিটিজ ইন স্কুল ইদুকেসন হায়বা হীরমদা পৱারপোইন্ট প্রজেন্টেসন পীখি। স্কুলশিংদা অঙাঙশিং লোয়নদুনা লৈরিঙৈ মতমদা, প্রথম্না খুনাইগী অকনবা ষ্ট্রকচর অমা (যুমথংনবদা লৈরিবা অঙাঙশিংগী কাঙবু অমসুং মমা ওইবীশিংগী কাঙলূপ) হায়দুনা, মরক মরক্তা খায়দোক্নুনা তম্বীবগী থবকশিং যুম-যুমদা, মোহল্লা অমদি কম্যুনিটিগী থাক্তা চথখি।

## 2.7 টেকনিক্যাল সেশন VI: পঞ্চায়েতি রাজ প্রতিষ্ঠানগুলিতে এসডিজি স্থানীয়করণ

এস আই আর দি, ওরিষ্যাগী জোইন্ট দিরেক্টর অমসুং এক্সপার্ট গ্রুপকী মেম্বর শ্রী সারোজ কুমার দাসনা লোকেলাইজিং এস দি জিজ এন্দ ইট্স রেলিভেন্স ইন পঞ্চায়েট হায়বা টোপিক্তা পৱারপোইন্ট প্রজেন্টেসন পীখি।

শ্রী দাসনা হায়, সষ্টেনেবল দেভলপমেন্ট গোল্স (এস দি জি) অসি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী মঙাঙবা সেদ্যুলদা মরু ওইরিবসি মথাগী মরমশিং অসিদগীনিঃ

- লাইরিক ময়েক চত্তবা, ইবা-পাবা ঙমদবা
- লায়রবা অমসুং নমদুনা থবক শুহনবা
- হকশেলগী থাক নেম্বা অমদি মচি ওইবা চীঞ্জাক ৱাংপা
- মহৌশাগী পোথোকশিং য়েংশিনবা ৱাংপা, মপু ওইবা ঙমদবা
- চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা ইন্দ্রাষ্ট্রকচর ৱাংপা
- নুপী-নুপাগী ওইবা ইস্যুশিং

মথংদা মহাক্না মশক থোকপা, শক্তি লৈবা, চপ চাবা পান্দম লৈজবা মিসন মোদ এপ্রোচ, লৈঙাক্কী মচৎ পূন্নমক অমসুং লোকেল ইন্দিকেটর ফ্রেমৱার্ক-এ আই এফ (থিম, টার্গেট, টাইম-লাইন অমসুং ইন্দিকেটরশিং) গা লোয়নরবা এস দি জিশিং পি আর আইশিংগা পূন্না লৈহন্দুনা থবক পায়খৎমিন্নবা য়াহন্নবা পোরম-পোমিৎ কয়াসু নৈনখি। মহাক্না পেসা এক্ট, ১৯৯৬কী প্রোভিজনশিংগা এম দি জিশিংগী থবক থৌরমশিংগা লৈরিবা মরীগী মতাংদা চাংদম্নদুনা মহাক্কী প্রজেন্টেসন থমখি। পেসাগী মোবিলাইজরশিং অমসুং কোর্দিনেটরশিংনা এস দি জিশিংবু জি পি দি পিদা অমত্তা ওইনা পুন্সিন্নবা হোংনবদা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদসু মহাক্না পনখি। অসিগুম্বা থৌদাং অসি অসুম্না ওইগনিঃ

- এস টি, এস সি, ভিক্ষ জি, নুপীশিং অসিনচিংবা ময়াম অসি ৱাখল তাহন্দুনা গ্রাম সভাগী মীফম অমসুং থবক থৌরমশিংদা মশীং য়াম্না শরুক য়াহন্নবা হোংনবা
- জি পি দি পি শেম শাননবগী মতাংদা খুদোংচাবা পীবা অমসুং জি পিগী ফঙ্কসন্নরিশিংনা প্লান্নিংগী প্রোসেস পায়খৎপগী মওং মতৌ পূন্নমক্তা তেঙবাংশিং পীবা
- পার্টিসিপেটরি প্লান্নিং প্রোসেসকী খুত্থাংদা, জি পি দি পি শেম্বগী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংশিনবা, লোয়নবা অফবা, মওং মরিল তাবা প্লান অমা শেম্নবগীদমক সেক্টোরেল দিপার্টমেন্টশিংগা তেঙবাংমিন্নবা
- তোঙান তোঙানবা ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামশিং অসিগী কান্নবা ফংহন্দুনা ট্রাইবেল মীয়ামগী দরকার ওইরিবশিং অদু পীদুনা চাওখৎহন্নবা হোংনবা
- এস ঐচ জি শিংগা তেঙবাংমিন্নদুনা ভি পি আর পি শেম্বদা পূন্না শরুক য়ামিন্নবা অমদি এস ঐচ জি-পি আর আইগী খুত্থাংদা দিমান্দ প্লান শেম্বদা শরুক য়ামিন্নবা, অদুগা লৈরিবা রিছোর্সশিং অদু মীয়ামগী মথৌ তারিবা তঙায়ফদবা অৱাংপা মফমশিংদা পীদুনা ফংহনবা।
- ভি পি আর পি মপুং ফানা শেম শাননবা, এস ঐচ জিশিংগা খুৎশম্নদুনা এন্টাইটেলমেন্ট, লাইবলিহুদ, পব্লিক গুদ্স এন্দ সর্ভিসেস অমসুং সোসিয়েল দেভলপমেন্টকী মতাংদা পাক শন্না মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবগী থবকশিং পায়খৎমিন্নবা

অরোইবদা, দি ব্রিফিং সেসন অমা পাঙথোকখি। মদুদা আই জি পি আর এন্দ জি ভি এসকী দিরেক্টর জেনরেল শ্রী রবি শঙ্কর শ্রীভাষ্টব অমসুং এম ও পি আরগী জোইন্ট দিরেক্টর মিস রেখা যাদব অনীনা চোর লৌখি। ৱার্কশোপ অসিদগী ফংবা ঙমখিবা কান্নবশিং অদুগী মতাংদা মখোয়গী ৱাফমশিং শিয়র তৌননবা ষ্টেট খুদিংমক্তগী মীওই অমমম কৌখৎখি। অয়াম্বা ষ্টেটশিংগী মীহুৎশিংনা মখোয়গী ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ৱার্কশোপ অসিদা এক্সপার্টশিংনা পীখিবা ৱারোলশিং অদুদগী মখোয়না কান্নবা য়াম্না ফংখি হায়বা ৱাফম থম্নখি।



দিরেক্টর জেনরেল, আই জি পি আর এন্দ জি ভি এসনা মথাগী অসি জি পি দি পিগী ওইনা অহানবদা পায়খৎফম থোকপা এরিয়াশিংনি হায়না ৱারোয়শিন পীখিঃ

- ঈশিং, হকশেল, মহৈ-মশিন, দরিদ্র্য সি দি, দিসএবলশিং
- পৱারঃ রিন্যুৱেবল ইনর্জি
- ৱেষ্ট মেনেজমেন্টঃ এনভাইরনমেন্ট
- লাইন অমসুং ষ্টাফশিং পুন্সিন্দুনা প্লান থবক্তা ওঙ্খোকপা-দিপার্টমেন্টশিংগী চাদা ১২ থক্না হৌজিক গ্রাম সভাগী থবক-থৌরমশিংদা শরুক য়ারি
- মশক খঙদোক্লবা থবকশিং অমসুং অতৈ থৌওংশিং মপুং ফানা লোইশিনবা-শুপ্নগী চাদা অমথক লোইখি
- সোসিয়েল ওদিৎ, পোভর্টি, পার্টিসিপেসন, সঙ্কল্প।

জি পি দি পি শেমগৎপগী মরমশিংগী মনুংদা রিছোর্স এসেসমেন্ট অমসুং দেভলপমেন্ট মোবিলাইজেসন শাগৎপা, থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াবা, লাইন দিপার্টমেন্টশিংদগী লৌশিং তানশিনবা, আই ই সি, অহোবশিং মশক খঙদোকপা, ট্রেনিং, শেল থুমগী থাক ৱাংখৎহনবা, মীয়াম্না থিগৎপগী থবক, সঙ্কল্প, এস ভি জিদা অহানবা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎপা, মীয়ামগী মীফমশিং পাঙথোক্নুনা থম্ন-নৈনবা, দি আই এস, এসেট মেপ্পিং, টেক্নোলোজি, মমল লেপ্পা অমসুং কেপাসিটি বিল্ডিং অসিনচিংবনি।

ৱারোয়শিন অমসুং চঙশিনগদবা লম্বী

সেসনগী চেয়রপার্সনশিংনা ৱার্কশোপ অসিগী অরোয়বা ৱারোয়শিন পীখি। অরোয়বদা, থৌরমগী মুন্সু ওইখিবা এস আই আর দিগী ডা. আর কে চৌবিসনা, থৌরম অদুদা শরুক য়াদুনা মায় পাকহনবিখিবা এক্তিব পার্টিসিপেন্ট পুম্নমকপু ভোট ওফ থেঙ্কস পীদুনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। ইন্সটিট্যুট অসিগী মায়কৈদগী, মহাক্না পুম্নমকপু য়াইফ মাঙ্গোল পীখিবগা লোয়ননা খুদোংথীবা লৈত্রবা নুংঙাইবা খোঙচৎ ওইবিয়ু হায়খি অদুগা চা। কোফি অমমম থকমিন্নখিসি হায়দুনা ফম্নিম্নখি।

# হিমালয়ান ষ্টেটশিংগী ওইনা পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লানশিংগী খুখাঙদা ইকোনোমিক এন্দ সোসিয়েল ট্রান্সফোর্মেসন হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা রিজনলে ৱার্কশোপ

## নবেম্বর ২৮–২৯, ২০২১ দেহরাদুন, উত্তরখন্দ

1.পটভূমি

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী পঞ্চায়েটি রাজ মিনিষ্ট্রিনা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ রুরেল দেভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েট রাজ (এন আই আর দি পি আর) হায়দরাবাদ অমসুং উত্তরাখন্দগী পঞ্চায়েটি রাজ দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা, হিমালয়ান ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী ওইবা রিজেনল ৱার্কশোপ অমা দেহরাদুন্দা, হৌখিবা কুমজা ২০২১গী নবেম্বর ২৮দগী ২৯ ফাওবা নুমিৎ নিনি চুপ্পা চৎখি। ইকনমিক এন্দ সোসিয়েল ট্রান্সফোর্মেসন থ্রু পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লান্স হায়না খঙনবা রিজনেল ৱার্কশোপ অদু পিপল্স প্লান কেম্পেইন (পি পি সি), ২০২১ গী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবনি। ৱার্কশোপ অসিদা হিমালয়ান ষ্টেটশিংদগী ইলেক্টেদ রিপ্রজেন্টেটিবশিং, পি আর আইশিংদগী সেনিয়র ওফিসিয়েলশিং অমসুং পোলিসি মেকরশিংনা শরুক য়াখি।

### 2. কার্যধারা

### 2.1 উদ্বোধনী অধিবেশন




সেসন হৌদোকপা থৌরমদুদা উত্তরাখন্দ ষ্টেটকী পি আরগী দিরেক্টর শ্রীচন্দ্র সিংহ ধরশক্তুনা পার্টিসিপেন্টশিংবু তরাম্না ওকখি।

এন আই আর দি পি আরগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডা. সি কথিরেসননা পি পি সি রিজনেল ৱার্কশোপকী মরু ওইবশিংগী মতাংদা চাউরাকপা ৱাফম ফোঙদোকখি। ৱার্কশোপ অসি খঙদবা, উদবা কয়ামরুম খঙহৌনবা প্লেটফোর্ম অমনি অদুগা পার্টিসিপেন্ট পুম্নমক্না মখোয়গী খঙ–হৈজবা লৌশিং স্তান পুম্নমক শিয়র তৌদুনা লোকেল পঞ্চায়েটশিংনা মদুদগী মওং–মরিল তাবা প্লান্নিং তৌগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

উত্তরাখন্দ ষ্টেটকী পি আরগী সেক্রেটরি শ্রী নিতেস কুমার ঝানা মহাক্কী ৱারোলদা হীমালয় লমদমদা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিং, খুদম ওইনা খুদোংথীনিঙাই ওইবা চীঙমায়গী লম্বীশিং অমসুং ঈশিং তুঙবা ঙমদবগী মওং মতৌশিংগী মতাংদা চাউরাকপা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। হীমালয়ান ষ্টেটশিং অসিগী ওইনা অতৈগা মান্নদবা তোপ তোপ্পা ঈশিং নুংশিৎ অমসুং অকোয়বগী ফীভম লৈজবগা লোয়ননা হীদাক কান্নবা পাম্বী মথল কয়া মরাং কায়না ফংই হায়খি।

মিনিষ্ট্রি ওফ পঞ্চায়েটি রাজগী অন্দর সেক্রেটরি শ্রী সঞ্জয় উপধ্যায়না, সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা স্পোন্সর তৌবা স্কিম অমা ওইরিবা, চহী মরিগী ওইনা হৌদোকখিবা রাষ্ট্রিয় গ্রাম স্বরাজ অভিয়ান (আর জি এস এ) না লুপা ক্রোর ৭২২৫ চঙনা কুমজা ২০১৮দগী ২০২২ ফাওবদা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎলি হায়খি।

স্কিম অসি জাতিগী মরু ওইবা থবক থৌরমশিংগা চান্নগদবা পরীং অমদা পায়খৎপনি অদুগা মিসন অন্টোদায়া এন্দ ট্রান্সফোর্মেসন ওফ এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্টস অসিগা অমত্তা ওইনা থবক পায়খৎমিন্নবা হৌদোকখিবনি। আর জি এস এগী মরু ওইবা কান্নবা হায়রগদি অফবা সাসন পুরক্নবা হোংনরিবা পঞ্চায়েটশিংগী তৌবা ঙম্বা মতিক মঙম হেনগৎহনবা অদুগা পার্টিসিপেটরি লোকেল প্লান্নিং, দেমোক্রেটিক দিজিসন মেকিং, ট্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিটি লৈবা এস দি জিশিং থগ্রকপা অদুনি।

উত্তরাখন্দ লৈঙাক্কী পঞ্চায়েটি রাজ, ইদকেসন অমসুং স্পোর্টসকী ঈকায়খুম্নরবা কেবিনেট মিনিষ্টর শ্রী অরবিন্দ পান্দেনা থৌরমদুদা অথন্নবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

মহাক্না উত্তরাখন্দ গভর্নমেন্টনা লৌখৎলিবা অনৌবা থৌরাং থৌশিল কয়াগী মরমদা মীয়ামদা পাউদমখি, থোইদোক্না লৈঙাক অদুনা সাসনগী থবকসি তোঙান তোঙানবা থাক্তা য়েন্থোক্তুনা চথরিবা দিসেন্ট্রেলাইজেসন অমসুং দিসেন্ট্রেলাইজ তৌরবা প্লান্নিংগী মতাংদা পাউদমখি লোয়ননা প্লান্নিংগী থৌরাংশিং গ্রাসরুট লেভেলদগী মথং মথং পায়খৎলক্নগা ষ্টেটকী থাক য়৷ৌনা পাঙথোক্লিবা কয়াগী মতাংদা পাউদমখি।

পঞ্চায়েটকী লৈঙাক সাসনদা উত্তরাখন্দ ষ্টেটকী নহারোল কয়ামরুম চঙশিন্নকপগী থৌওংশিংদা মহাক্না নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। দেলিগেটশিংনা মপুং ফাবা লোকেল প্লানশিং শেম্নবগীদমক ৱাহন্থোক লৈবা ৱাফম কয়া নৈনরক্তনি হায়বগী থাজবসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোক্লমখি।

সেসন অদু উত্তরাখন্দগী পঞ্চায়েটি রাজ দিপার্টমেন্টকী দিপুটি দিরেক্টর শ্রী মনোজ কুমার তিৱারিনা মীয়াম্বু থাগৎ ৱাহৈ পীদুনা লোইশিনখি।

### 2.2 টেকনিক্যাল সেশন I: পঞ্চায়েত প্রস্তুতির জন্য গণপরিকল্পনা অভিযান উন্নয়ন পরিকল্পনা

এম ও পি আরগী কন্সলটেন্ট শ্রী প্লোকার্থনা পিপল্স প্লান কেম্পেইন (সবকী যোজনা সবকা বিকাস) কী চাউরাকপা মশক তাক্তুনা প্রজেন্টেসন পীখি লোয়ননা কেম্পেইন অসি কুমজা ২০১৮দা হৌদোকখিবদগী হৌজিকফাওবা পাঙথোকখ্রবা কান্নরবা এচিবমেন্টশিংগী মতাংদা ৱারোলশিং ফোঙদোকখি। গ্রাম সভাশিংদা মীয়াম অমদি লাইন দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসিয়েলশিংনা মশীং য়াম্না শরুক য়াবগী তঙায়ফদবা কয়া লৈরি অদুগা কেম্পেইন চথবা মতমদসু আই ই সি এক্টিভিটিশিংদা মরু ওইনা মীৎয়েং থম্না মথৌ তাই লোয়ননা লাইন দিপার্টমেন্টশিংদগী ফন্দসু য়াওহনবা ঙম্নবা রিসোর্স এনভেলপ অসি হেন্না চাউথোকহনগদবনি হায়খি।

এম ও পি আরগী কন্সল্টেন্ট শ্রী মোহিৎ রাউনা গ্রাম সভাগী মপাঙ্গল মতিক–ময়ায় কনখৎহনবগী মরু ওইবশিং পন্দুনা ৱারোল থমখি। কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারিদা পাঙথোকখিবা নিতি আযোগকী গভর্নিং কাউন্সিলগী মীফমদা ঈকায়খুম্নরবা প্রাইম মিনিষ্টরনা লোকেল গভরনান্সকী থাক ৱাংথৎহন্নবা পঞ্চায়েটকী মীহুৎশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা মরু ওইনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুম্মী অদুগা পঞ্চায়েট অসি খুঙংগী মীয়ামগী মঙল লৈবা পুন্সি মরেল অমা পুরক্নবা য়ুমফমনি হায়রম্বা ৱাফমশিংদু মোহিৎনা নৌহৌননা নীংশিংখি।

### 2.3 টেকনিক্যাল সেশন II: পঞ্চায়েতের সাথে স্কিম এবং প্রোগ্রামগুলির সমন্বয় উন্নয়ন পরিকল্পনা

সেসন অসিদা লাইন মিনিষ্ট্রি অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগী ওফিসিয়েলশিংনা স্কিমশিং অমদি প্রোগ্রামশিং লোকেল প্লানশিংদা য়াওহনবগী মরু ওইবশিংগী মতাংদা ৱাফমশিং হায়লাইট তৌদুনা ফোঙদোক্লখি।

এন দি এম এদগী লাকখিবা অনুজ টিৱারিনা মহাক্কী প্রজেন্টেসনদা দিজাষ্টরগী খুদোংথীবশিং হন্থহন্নবা ইনভেষ্টমেন্টগী মরু ওইবশিং পনখিবগা লোয়ননা হায়, দিজাষ্টরদগী ঙাকথোকহৌনবা মাঙজৌননা দোল্লর অমথক শীজিন্নবনা, খুদোংথীবা নংলবা তুংদা রেস্পোন্স অমসুং রিলিফকীদমক দরকার ওইগদৌরিবা দোল্লর তরেৎ কলহৌবা ঙম্মি।

১মহাক্লা পঞ্চায়েৎ দেভলপমেন্টকি মরু ওইবশিংগী মরমদা পল্লদুনা, খুঙংগী লমদমশিং পুল্লা চাউখৎহনবা য়াগদবা অথল্লবা সেক্তরশিংদা মীৎয়েং থম্বা এনালাইসিস অমা প্রজেক্ট তৌখি। মহাক্লা মিসন অন্তোদয়াগী ২০২০ সর্ভেদা য়ুম্ফম ওইরগা হিমালয়ান স্টেটশিংগী মরক্তা সেক্তর। স্টেটশিংগী থাক্তা লৈরিবা কম্পেরেটিব পার্ফোরমেন্স কয়াদু নৈনখি। মরি লৈনবা স্টেটশিংনা মখোয়গী শোথরিবা এরিয়াশিং অদুদা থবক পায়খৎপগী থাক ৱাংখৎহন্দুনা কীভম ফগৎহল্লবা তকশিনখি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা সেন্ট্রেল স্পোন্সর অমদি সেন্ট্রেল সেক্তর স্কিমশিংগী খুথাঙদা পি আর আই শিংবু মতেং পাংলি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি। স্কিমশিং অসিগী অমমম্লা মসিগী থল্লিবা অথল্লবা পান্দম অদু য়ৌনা থবক পায়খৎনবা লৈঙাক্লা শেম্লকখিবনি। হন্দক্তা এম ও পি আরনা আই সি দি এস, জে জে এম, এস বি এম অমদি এস এস এগী মতাংদা থোক্লকখিবা এদভাইজরিশিং অদুনা প্লানিং, ইমপ্লিমেন্টেসন অমসুং মোনিটরিংগী থবক থৌরমশিং চথবদা পঞ্চায়েৎশিংনা লৌরিবা অমদি লৌফম থোকপা মরু ওইবা থৌদাংশিং নৌনা ফোঙদোকখি হায়বা ৱাফম থমখি।

মথংদা হীমালয়ান স্টেটশিংদগী লাকখিবা, মীখলদা কাব্রক্লবা মীয়ামগী মীহুৎশিং শরুক য়াদুনা পুল্লা ৱা খল্লবগী সেসন অমা চথখি। মখোয়না মশা মশাগী এরিয়াশিংদা পায়খৎখিবা চাওখৎ থৌৱাংগী থৌরমশিং মতৌ করম্না প্লান তৌই, অদুগা মদু করম্না থবক্তা ওম্বোকপগে হায়বগী মতাংদা অমগা অমগা পুক্লিং লৌশিং ফাওসোক্লখি। সেসন অদু এম ও পি আরগী এদিস্নেল সেক্রেটরিনা চেয়র লৌদুনা চথখি।

হীমাচল প্রদেশ জেৎ পি টি সি শ্রী সঞ্জিব কুমারনা ভিদিও ফিল্মগা লোয়নননা মন্দি দিষ্ট্রিক্তকি গোহর ব্লোক্কী মনুং চম্না লৈবা শালা গ্রাম পঞ্চায়েটকি ৱারী শিয়র তৌখি। জম্মু অমসুং কাশ্মিরদগী লাকপা সরপঞ্চ মোহম্মদ আশ্রফ পোদ্দাৱনা হায়, জে এণ্ড কে পি আর এক্ট ১৯৮৯ অসিনা লৈবাক অসিগীদি খ্বাইদগী ফবা অমনি। পি আর এক্ট অসিগী সেদ্যুল XI দা পল্লিবা মেট্রশিং অদু থবক্তা ওম্বাকপগী শক্তি পুম্নমক গ্রাম পঞ্চায়েটে (হলকা পঞ্চায়েট) তা শিন্নে অদুগা গ্রাম সভা (হলকা মজলিস) কা খল্লরবা মতুংদা চাওখৎ থৌৱাংগী প্লান য়াৎলি।

জে এণ্ড কেগী জিনলাহ এরিয়াগী সরপঞ্চ অনিল শর্ম্মানা, গ্রাম পঞ্চায়েট অমনা শেমজবা সেনিটেসনগা মরী লৈনবা মোদেল ভিল্লেজগী এক্সন প্লান অমা উৎতুনা ৱারোলশিং থমখি। মীয়ামদা শাথিনা হকশেলগী লমদা খুদোং চাহল্লোইদবা অমোৎপা ঈশিং অমদি অতৈ ফত্ত-হৌদিশিং নিতি-নিয়ম অমা নাইনা লোইশিন-খোমজিন্দুনা, মফম চাবদা পুখোকখিবগী প্লানশিংদু মহাক্কী মোদেল ভিল্লেজগী এক্সন প্লান অদুনা ময়েক শেংনা উৎখি। উত্তরাখন্দ স্টেটকী ক্যারকুত্তি ভাট্টা গ্রাম পঞ্চায়েটকি প্রধান ওইরিবি শ্রীমতি কৌশল্যা ৱারটনা ফোঙদোকখিবা মতুং ইম্না, মহাক্কী পঞ্চায়েটনা মশাগী রেভিন্যু ছোর্স অমা ওইনা লুপা লাক্ষ ৫০ খোমগৎতুনা থম্লে। পঞ্চায়ট ওফিস অদু মীয়ামগীদমক নুংতিগী অয়ুক পুং ৮ দগী হাংগনি। খুঙং অদুদা লৈরিবা মপংগী ওইবা ফত্তবা পোৎলমশিং নীংথিনা খোমজিন-তাশিন্দুনা মফম চানা দিস্পোজ তৌননবা হীরমশিংদা মহাক্কী পঞ্চায়েটনা অহেনবা মীৎয়েং চঙলি হায়খি। য়ুমথোঙ খুদিংদগী অমোৎ -অকায়শিং পুথোরক্লবা মহাক্কী পঞ্চায়েটনা থুমোকশিং য়েম্বোকই হায়খি।

লেহ দিষ্ট্রিক্তকী ফর্কা গ্রাম পঞ্চায়েটকী সরপঞ্চ শ্রী ভেম্পাংনোর্বোনা মহাক্কী ৱারোলদা হায়, মহাক্কী পঞ্চায়েট মনুং চম্না লৈরিবা লৌমীশিং লৌ উবা অমদি হৈ-রা, মনা-মশীং থাবগী থবক তৌই অমুবু খুঙংদুদা পোথোকশিং অদু য়োম্নবা কৈথেল অমত্তা লৈতে, মদুনা মরম ওইদুনা করিগুম্বদা মনা-মশীং অমদি উহৈনচিংবা কয়ামরুম পৎ-পুমদুনা মাঙই হায়খি।

কার্গিল দিষ্ট্রিক্তকি পাসকুম গ্রাম পঞ্চায়েটকী সরপঞ্চ ওইরিবা শ্রী ইসা আলিনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা কোবিদ-১৯ গী লাইচৎ মতমদা সেন্ট্রেল । য়ু টি লৈঙাকশিংনা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লুনা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা অমদি ভাইরস অসি শন্দোরকপা থিংনবা পীরকখিবা দিরেক্সন, সেফটি মিজরশিং থবক্তা ওম্বোক্লবা মহাক্কী পঞ্চায়েটনা কন্না হোৎনখি। মহাক্লা অথল্লনা ফোঙদোকখিবা অমদা, তেম্পরেচর সেন্টিগ্রেদ দিগ্রি মাইনস ১০ গী কা-হেনবা ঈশিং নুংশিৎ মায়োক্লদুনা মহাক্কী পঞ্চায়েটনা ফক্ষস্পেল হাওস টেপ কয়েক্সনগী খুথাংদা য়ুমথোং খুদিংদা থক্লবা ঈশিং পীরি হায়খি।



পি পি সিগী মতাংদা ফমখিবা গ্রাম সভা, স্টেট হিমাচল প্রদেশ,
দিষ্ট্রিক্ট-কুল্লু, ব্লোক-বাঞ্জর, গ্রাম পঞ্চায়েট - চাকুর্থা

## 2.6 প্রযুক্তিগত সেশন V: পিআরআইগুলিতে এসডিজি স্থানীয়করণ

কেরলা ইন্সটিটিউট ওফ লোকেল এদমিনিস্ট্রেসনগী দিরেক্তর জেনরেল দা. জোই ইলামোননা ভি সিগী খুথাঙদা সেসন অসিদা শরুক য়াথি লোয়নননা খুঙংগী এরিয়াশিংদা সষ্টেনেবল দেভলপমেন্ট গোলশিং পুরকপগী তঙায়ফদবশিং ফোঙদোকখি। মিনিষ্ট্রিশিংগী মতেংগা লোয়নননা স্টেট লৈঙাকশিংনা সষ্টেনেবল দেভলপমেন্ট গোলগী পান্দম কয়াদু ফংনবগীদমক থবক থৌরম কয়ামরুম পায়খৎলি। অদুম ওইনমক পঞ্চায়েট অমসুং খুঙংশিংদা লৈরিবা মীয়াম শরুক য়াহন্দুনা গ্রাসরুট লেভেলদা এস দি জি এপ্রোচ পায়খৎপা দরকার লৈরি হায়বসি মীয়ামগী পুক্লীং ৱাখলদা ফাওনরক্লবনি। মীৎয়েং চঙগদৌরিবা মরু ওইবা মতাংদি হীরমসিদা কনাগুম্বা অমত্তা চীথহৌদনবা হোৎনবা হায়বসিনি হায়খি। এস দি জি শিং লোকেলাইজ তৌদুনা জি পি দি শিগা খুৎশম্নদুনা মীয়ামগী থবক্তা চঙশিনমিন্নবা য়ানবগীদমক মথাগী অসি পায়খৎনবা মহাক্কী মায়কৈদগী থম্লকখি:

- পঞ্চায়েটকি অকক্লবা পান্দমশিং থম্বা,
- গভর্নমেন্ট অমদি নোন-গভর্নমেন্ট এজেন্সিশিং খুৎশম্লনা থবক তৌবা,
- সেন্ট্রেল অমদি স্টেটনা স্পোন্সর তৌবা স্কিমশিংগী কান্নবা লৌবা,
- সার্বিস খুদিংমক মীয়ামদা হকথেংননা য়ৌহল্লবা থৌরাং তৌবা,
- সষ্টেটেনেবল দেভলপমেন্ট গোলশিং ফংহল্লবা হোৎনবদা পঞ্চায়েটপু মপু ওইহনবা।

পেন্সন ফণ্ড রেগুলেটরি এন্দ দেভলপমেন্ট অথোরিটি (পি এফ আর দি এ) ন্যু দিল্লিগী দিপ্যুটি জেনরেল মেনেজর মিস প্রিয়াঙ্কা গুপ্তগী প্রজেন্টেসন্দা ইন্দিয়াগী ফ্লেগসিপ স্কিম অমা ওইরিবা অটল পেন্সন য়োজনা (এ পি আই) গী মরু ওইবশিংগী মতাংদা ফোঙদোকখি।

স্কিম অসি কুমজা ২০১৫ দা হৌদোকখি অদুগা মসিনা লৈবাক অসিগী চহী ৬০ গী মথক্তা লৈরবা অহলশিং খুয়া তুশিৎনা, নুংঙাইনা পুন্সি লেঞ্জবা ঙমহল্লবা অনওর্গনাইজ সেক্তরদা লৈরিবা শিন্নীশিংগী চাদা ৮৮ দা কান্নবা পীগদৌরিবনি।




# অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লানশিংগী খুখাংদা ইকোনোমিক এন্দ সোসিয়েল ট্রান্সফোর্মেসন হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা রিজনেল ৱার্কশোপ
## দিসেম্বর ১৩–১৪,২০২১ আগরটালা, ট্রিপুরাদা

## 1. পটভূমি

পি পি সি–২০২১ শেম্নবগী মতাংদা পাঙথোকখিবা অহানবা নেসনেল থাক্কী ওরিয়েন্টেসন ৱার্কশোপ অদু হায়দরাবাদকী এন আই আর দি পি আরদা কুমজা ২০২১গী সেপ্টেম্বর ১৩দা পাঙথোকখি। লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা কমপ্রেহেন্সিব ওইবা গ্রাম পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লান (জি পি দি পি) শিং, ব্লোক পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লান (বি পি দি পি) শিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লান (দি পি দি পি) শিং শেম্নবগীদমক, পিপলস্ প্লান কেম্পেইন (পি পি সি) হৌদোক্লুবা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ্নি। জি পি দি পিনা গ্রাম পঞ্চায়েটশিংনা, বি পি দি পি অসিনা ব্লোক পঞ্চায়েটনা, অদুগা দি পি দি পি অসিনা দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়েটশিংনা কুমজা ২০২১গী ওক্টোবর ২দগী চৎলিবা কুমজা ২০২২ গী হৌথিবা জানুৱারি ৩১ ফাওবদা শেম্নবগীদমক ৱার্কশোপ অদু হৌদোকখিবনি।

মসিগী মায়না ইন্দো গঙ্গেটিক, কোষ্টেল ষ্টেট, পেসা ষ্টেটস, হিমালয়ান ষ্টেট্স হায়না খায়দোক্লুনা রিজনেল ৱার্কশোপ ৪শু পাঙথোকখি, অদুগা হৌখিবা কুমজা ২০২১গী দিসেম্বর ১৩ দগী ১৪ ফাওবা ট্রিপুরাগী কোনুং ওইরিবা অগরটালাদসু অৱাং–নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওইনা নুমিৎ নীনিগী রিজনেল ৱার্কশোপ অমা শীনখি।

## 2. কার্যধারা

### 2.1 উদ্বোধনী অধিবেশন

নুমিৎ নীনিগী রিজনেল ৱার্কশোপ অদু পশ্চীম ত্রিপুরা জিল্লা পরিষদকী ঈকায়খুম্নজরিবা সভাধিপতি শ্রীমতি অন্টারা সরকার দেবনা অতৈ দিগ্নিটরিশিংগা লোয়নননা লেম্প চুথক্লুনা অমসুং আগর পাম্বীদা ঈশিং চাইদুনা থৌরম হৌদোকখি। আগর পাম্বীদা ঈশিং চাইথিবগী মরমদি ঐঅগরটালাঐ হায়বা মিং অসি পাম্বী অসিগা মরী লৈননা থোনখিবনি হায়বগীনি।

ইনোগুরেল সেসন অদুদা উত্তরখন্দ ষ্টেটকী পি আরগী দিরেক্টর শ্রী চন্দ্র সিংহ ধরশক্লুনা পার্টিসিপেন্টশিংবু তরাম্না ওকখি।



ট্রিপুরা লৈঙাক্কী দিরেক্টর ওফ পঞ্চায়েট মিষ্টর দেবান্দ রিয়াংনা দিগ্নিটরিশিং, রিছোর্স পার্সনশিং, ফেকল্টি মেম্বরশিং অমসুং দেলিগেটশিং, অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী লাকখিবা ময়াম অদুবু তরাম্না ওকখি। রিজনেল ৱার্কশোক অদু পাঙথোক্লবা মফম অমা ওইনা ট্রিপুরাগী কোনুং আগরটালাবু খনগৎলীরকপগীদমক মহাক্না এম ও পি আর অমসুং এন আই আর দি এন্দ পি আর, হায়দরাবাদ লোয়নননা এন ই আর সি–এন আই আর দি পি আর, গুৱাহাটিবু ঙমখৈ লৈতনা তৌবিমল খঙবা মতৌ উৎখি। অরোইবদা মহাক্না সবকি যোজনা সবকা ভিকাসকী মেসেজ পুদুনা তোর্চবিয়ারর অমসুং ষ্টেকহোল্ডর ওইগদৌরিবা বি দি ওশিংবু মপুঙ ফানা তরাম্না ওক্লমদনা তোকখিদে। সবকী যোনা সবকা ভিকাস অসি গ্রাসরুট লেভেলদা থবক ওহ্লোক্লুনা অপাম্বা পান্দম ফংনবা হোৎনবদা ষ্টেকহোল্ডরশিং অদুনা অচৌবা থৌদাং লৌই হায়বা ৱাফমশিং মহাক্না ফোঙদোকখি।

এম ও পি আরগী অন্দর সেক্রেটরি শ্রী পঙ্কস কুমারনা দিগ্নিটরিশিং, রিছোর্স পার্সনশিং, ফেকল্টিশিং অমসুং দেলিগেটশিংবু তরাম্না ওকখি। পি পি সি হৌদোকখিবগী মরিরকশুবা চহী অমা ওইরবসু, ঐখোয়না মতমগা চানরবা জি পি দি পি অমা পুথোকপদি ঙমদ্রি হায়বা ৱাফম মহাক্না ফোঙদোকখি।

হীরমসিদা লাইন দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং নীংথিনা মপূং ফানা য়াওবগী চাং হৱ্বরি অদুগা প্লান্নিংগী মতাংদা পুন্না থম্নৈনবগী টেক্নিক অসি ঐখোয়না পামজরিবা, নীংজরিবা থাক অদু য়ৌরি। খুঙংগী লমদগী সহরশিংদা হোংকৎলকপগী থৌওং অসিমসু অৱাবা মায়োক্নহল্লিবা অসিগী অচৌবা মরম্নি হায়খি।

সি পি আর দি পি এণ্ড এস এস দি, এন আই আর দি এণ্ড পি আরগী এসোসিয়েট প্রোফেসর এণ্ড হেদ ওইরিবা দা. সি কাথিরেসননা পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লানশিং শেম–শাবগী মতাংদা পিপলস প্লান কেম্পেইন (পি পি সি) থম্নগী তঙায়ফদবশিংগী মরমদ কুপ্না নৈনখি, লোকেল লেভেল প্লান্নিং (পঞ্চায়েট অমা – প্লান অমা) অমসুং শেল থুমগী ফীভম ফংগৎনব অমদি থুম্নাইগী অচুম্বা পুরক্লবা পঞ্চায়েটশিনা থৌশিল থৌরাং শেম্নবগীদমক কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা প্রোভিজনশিংগী মরমদসু নৈনদুনা ৱারোলশিং পীখি।

এন আই আর দি পি আর, গুৱাহাটিগী এসোসিয়েট প্রোফেসার দা. নরায়ন সাহনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী লাকখিবা দিগনিটরিশিং, রিছোর্স পার্সনশিং, ফেকল্টি অমসুং দেলিগেটশিংবু তরাম্না ওক্লদুনা, রিজনেল ৱার্কশোপ প্রোগ্রাম মোদ্যুল অদুদা য়াওবা, নৈনগদৌরিবা ৱাফমশিং অমসুং ইস্যু কয়াদুগী মতাংদা মচা খায়না ফোঙদোকখি।

পাসচিম ট্রিপুরা জিল্লা পরিসদকি সভাধিপটি ওইরিবি শ্রীমতি অন্টরা সরকার দেবনা ৱার্কসোপ অদুদা অখোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা, অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী লাকখিবা দিগ্নিটরিশিং, রিছোর্স পার্সনশিং, ফেকল্টি অমসুং দেলিগেটশিংবু তরাম্না ওকপগা লোয়নননা গ্রাম সভাগী থাক্তা জি পি দি পি শেম্নগী মরুওইবশিংগী মতংদা চাউরাকপা ৱারোলশিং থমখি। গ্রাম সভাগী মীৎঙম অমসুং অতৈ থবক থৌরমশিংদা খুঞ্জাশিং অমসুং লাইন দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং মশীং য়ামদনা শরুক য়াবা থেংনরিবসি পেন্নিঙাই ওইদ্রি, মরম অদুনা পার্টিসিপেন্টশিংনা হীরম অসোমদা য়েংশিন্দুনা ইস্যু অসি করম্না কোকহনগনি হায়বসিদা নৈনবিয়ু হায়খি। ৱার্কসোপ অদুদা খন্ন–নৈনরিবা কন্টেন্টশিং অদু মরী লৈনবা দেলিগেট অমসুং পার্টিসিপেন্টশিংনা থবক্তা ওহ্লোক্লবা হোৎনবিয়ু, খুদংলা লৈরিবা লায়রবা খুঞ্জাশিংগী শেল–থুম অমসুং খুম্নাইগী ফীভম ফগৎহন্নবা খ্বাইদগী অনেম্বা থাক্তগী হৌনা হীরমসিদা থবক পায়থৎসি হায়না দেবনা মখা তাখি।



Inaugural of the exhibition by Smt. Antara Sarkar Deb, Sabhadhipati, Paschim Tripura ZillaParishad

### 2.2 পঞ্চায়েত উন্নয়ন পরিকল্পনা প্রণয়নের জন্য গণপরিকল্পনা

শ্রীমতি পিয়ালি রোই, কন্সল্টেন্ট, এম ও পি আরনা পিপলস প্লান কেম্পেইন (সবকি যোজনা, সবকা বিকাস) গী মরুওইবা শরুকশিংগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

ৱিজনেল ৱার্কসোপ অদুগী অরুম–অয়াংগী মরমদা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চহীশিংদা জি পি দি পি শেম্লকখিবগী মতাং, পান্দম, প্রোসেস অমসুং খুমাং চাওশিল্লকখিবগী মরমদা ৱা ঙাঙখি, লোয়ননা বি পি দি পি অমসুং দি পি দি পিগী ওইনা হৌজিক্কান্দা লৈরিবা থাজী মতাংদসু ৱাফমশিং থমখি।

মহাক্না মখাগীশিং অসিদা নৈনখিঃ

- জি পি শিংগী চাদা ৯০ হেনবনা গ্রাম সভা মীকম অমদগী হেন্না পাঙথোক্তে অদুগা গ্রাম সভা অনিরক পাঙথোকপগী মহৎতা, জি পি দি পি সাইকল মতুং ইন্না পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিং অদু পুল্লপ অমত্তা ওইনা শুপচিল্লি।
- গ্রাম সভাশিংদা মীয়াম্না থরায় হেন্না য়াওশিন্দুনা শরুক য়াবা মথৌ তাই।
- আই ই সিগী থবক থৌরমশিংগা লোয়ননা মীয়ামদা পাক শন্না ভাব তাহনবগী থবক চঙশিনবা তঙায় ফদে।
- লাইন দিপার্টমেন্টশিংনা হান্নদগী হেন্না সপ্পোর্ট তৌবা। শরুক য়াবা তাই।
- জি পি দি পিশিংদা ভিল্লেজ পোভর্টি রিদক্সন প্লানশিং (ভি পি আর পি) শিং য়াওহনবা।
- রিছোর্স এনভেলপদা অতৈ মিনিষ্ট্রিশিংগী ফ্লেগসিপ স্কিমশিং য়ৌহনবা দরকার লৈ – হৌজিক্কী ওইনদি এমজিনরেগা, এফ সি স্কিমশিং শীজিন্নরি।

এম ও পি আরগী এ এস ও মিস মোনিকা মীনানা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগীদমক আর জি এস এ থাদোরকপা অমসুং পি এফ এম এসকী ষ্টেট্স হায়বা হীরমদা প্রজেন্টেসন পীখি। অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট অমমমগী ওইনা লৈরিবা আর জি এস এ একাউন্টকি মরমদা ফোংদোক্নুনা মহাক্কী ৱারোলশিং হৌদোকখি। ঙসি ফাওবগী ওইনা অসাম নত্তনা অতৈ অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট অনতদা চাইল্দ এজেন্সিশিংদা ষ্টেট নোদেল এজেন্সি একাউন্টগা খুৎশন্নবগী থৌওংশিং লৈহন্ত্রি। মরম অসিনা চৎলিবা থা অসিদা চাইল্দ এজেন্সি পুন্নমক ষ্টেট নোদেল এজেন্সি একাউন্টদা শন্নহন্নবা মহাক্না মরী লৈনবা পুন্নমক্ত হায়জখি।

- হৌজিক ফাওবগী ওইনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট থরদি য়ু সি পীথত্তবা মরম্না আর জি এস এগী ফণ্ড মথা তানা লৌবা ফংদনা লৈরি হায়বা ৱাফম মীনানা শেংদোকখি। ষ্টেটশিং অসিনা মখোয়গী ষ্টেট শিয়র অদু থাদোক্লবা অমসুং পন্থদুনা লৈরিবা য়ু সিশিং অদু থ্বাইদগী অতেনবা মতমদা পীখৎখিনবা মহাক্না ষ্টেটশিংদা খঙহনখি।
- ষ্টেটশিংনা ট্রেনিং কেলেন্দর অমসুং সেদ্যুল অপলোদ তৌগদবনি অদুগা ট্রেনিং অদু ওফলাইন অমসুং ওনলাইন অনিমক্কী ওইনা টি এম পি দা থাজিন্দুনা থমগদবনি।
- জি পি দি পি, বি পি দি পি অমদি দি পি দি পি অসি ই–গ্রাম স্বরাজ পোর্টেলদা অপলোদ তৌবগী থবকশিংদা ষ্টেটনা তেঙবাংশিন্দুনা খুমাং য়াঙশিনহনগদবনি।

এন আই আর দি পি আরগী এসোসিয়েট প্রোফেসর দা. সি কাথিরেসননা বাইও–দাইভর্সিটি কঞ্জরবেসন প্লান অমদি জি পি দি পি । বি পি দি পি । দি পি দি পিশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী মতাংদা মহাক্কী প্রজেন্টেসন পীখি। মথাগী পোইন্টশিং অসিগী মরমদা মহাক্না নৈনখিঃ

- বাইও–দাইভর্সিটি এক্ট ২০০২, কন্সটিট্যুসন ওফ বাইও–দাইভর্সিটি মেনেজমেন্ট কম্মিটি (পি এম সি)।
- বি এম সিশিংগী মথৌ অমসুং দাইত্তাগী মতাংদা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা জি পি দি পি । বি পি দি পি । দি পি দি পিদা বাইও–দাইভর্সিটি কঞ্জার্বেসন প্লান পুনশিনবগী মরু ওইবশিংগী মতাংদসু মহাক্না ফোংদোকখি।
- পিপলস বাইও–দাইভর্সিটি রেজিষ্টারগী চৌরাকপা মওং মতৌ অমসুং পি বি আর শেম–শাবদা মীয়াম্না শরুক য়াবগী মরু ওইবশিং

এন ই আর সি – এন আই আর দি পি আর, গুৱাহাটিগী এসোসিয়েট প্রোফেসার দা. নরায়ন শাহনা ইভিদেন্স–বেজ পঞ্চায়েট প্লানিংগী মতাংদা মহাক্কী ৱাফমশিং থমখি।

- মহাক্না পঞ্চায়েট লেভেলদা ইভিদেন্স–বেজ প্লান্নিং চথবগী দরকার লৈ হায়বা হীরমদা শন্দোক্না ফোংদোকখি অদুগা প্লান পুন্নমক মতিক চাবা অমসুং দরকার ওইবা দাটা শীজিন্নদুনা শেম–শাগদবনি, মদু মীয়ামগী দরকার লৈরকপদা কান্নবা ঙমহনবা ওইগদবনি অদুগা গ্রাউন্দ রিয়েলিটিগী চপ চাবা খুদমসু ওইহনগদবনি হায়খি।
- গ্রাম পঞ্চায়েটশিংদা লাইন দিপার্টমেন্টশিংগী দাটা ফংহনবগী মতাংদসু মহাক্না নৈনখি। কেস ষ্টদিশিংগী খুথাঙদা খঙবা ঙম্বগী মতুং ইন্না, গ্রাম পঞ্চায়েটশিংদা লাইন দিপার্টমেন্টকী দাটা অসি অমত্তা লৈতবা নত্রগা থরখক লৈবসু য়াওই। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগ দাটা অমসুং স্কিমশিংগী মতাংদা গ্রাম সভাশিংগী ফ্রন্ট–লাইন ৱার্করশিংনা উবা ঙম্বগী গ্যান লৌশিং অসি কদায় ফাওবা য়ৌরবগে হায়বসি চপ চানা খঙবা ঙমদে।



পি পি সিগী মতাংদা পাঙথোকপা গ্রাম সভা – ষ্টেট সিক্কিম, দিষ্ট্রিক্ট ৱেষ্ট সিক্কিম, জি পি – টিম্বুরবোং।।

## 2.3 টেকনিক্যাল সেশন II: VPDP/GPDP এর সাথে স্কিম ও প্রোগ্রামের কনভারজেন্স

বার্তোন তৌরুবা লাইন মিনিষ্ট্রি অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংগী ৱাফমশিং
মিষ্টর সৌমেন বাগচি, য়ুনাইটেদ নেসন্স চিলড্রেন্স ফণ্ড (য়ুনিসেফ)

- অঙাংশিং অসিনা অহলশিদগী হেন্না ফীভম শোকনিঙাই ওইবা অমসুং মতেং পাংবিবগী তঙায়ফদবা লৈবা মরম্না মখোয়দা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী মতাংদা মহাক্না শন্দোক্না ফোংদোকখি। অঙাংশিং অসি লান্না শীজিন্নখিবা অমসুং কিহন খংহন্দুনা থবক শুহনবিবগী থৌওং য়ান্না লৈগল্লি। অঙাংশিংগী য়াইফনবা থবকশিং পায়খৎলিবা পঞ্চায়েটশিংনা নৌরিবা অঙাংশিং অসি মতীক মথৌনা ফুদোক্না থবক তৌজনবা হোংনবদা মতেং পাংবিবা য়াই।
- লৈবাক অসিগী অঙাঙ খুদিংমক্তা ফন্দামেন্টেল ৱাইটশিং পীরিবা কন্সটিট্যুসনগী প্রোভিজনশিং অদুগী মতাংদসু মহাক্না ফোংদোকখি। অঙাঙশিংবু ঙাক–শেন্দুনা, চেকশিন্না থম্নবগী অমসুং মখোয়গী ফিভম ফগৎহন্নবা লৈরিবা মরু ওইবা আইনশিংগী মরমদসু মহাক্না পনখি।
- অঙাঙশিংগী য়াইফনবা থৌরাং পায়খৎপা পঞ্চায়েট অমদা লৈগদবা মওং মতৌ, মতিক মগুন, এম ও পি আরগী থৌদাং অমসুং এ এস দি জি শিংগা পি আর আইশিংগা নক্নুনা থবক তৌমিন্নবগী তঙায়ফদবা কয়াগী মতাংদসু ফোংদোকখি।
- মহাক্না বালসভাশিং পাঙথোক্নুনা, অঙাঙশিংনা মায়োক্নরিবা খুদোং চাদবশিং কোকহন্নবা থৌরাং পায়খৎপগী তঙায়ফদবশিংগী মরমদসু নৈনখি।

নেশ্নেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এন দি এম এ) গী মিষ্টর পাঙ্কজ কুমার)

- মহাক্না ভিল্লেজ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট প্লান অসি পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লানগা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী তঙায়ফদবা লৈ হায়রদুনা মরু ওইবা

ৱাফম কয়া থমখি। দিজাষ্টরশিং অসিনা চহী কয়ানরুম চঙনা শেমগৎলক্লবা দেভলপমেন্টকা মরী লৈনবা তোংজবশিং অদু হুমদোক্নুনা মাঙহল্লিবনি।

- মহৌশাগী খুদোংথিবা হম্বহন্নবা দোল্লর অমখক শীজিন্নহৌবনা রেস্পোন্স অমদি রিলিফতা চঙগদবা দোল্লর তরেংকি শেনফম কলহৌবা ঙম্মি হায়না ৱাফমদু নৌহৌননা নিংশিংখি।
- মহাক্না মখা তানা দি এম এক্ট, ২০০৫ গী লৈরিবা মরু ওইবা প্রোভিজনশিং অদু শুগাইনা নৈনখি অদুগা দিজাষ্টরগী খুদোংথীবশিং হম্বহন্নবা, ঈং-চীক্লা নুঙাইনা লৈনবা প্রাইম মিনিষ্টরগী পোইন্ট তরাগী এজেন্দাগী মতাংদসু ফোঙদোকখি।

দা.জুই ভত্তচার্জ, নেস্নেল মিসন মেনেজর, দে-এন আর এল এম, এম ও পি আর

- মহাক্না ভিল্লেজ পোভর্টি রিদক্সন প্লান (ভি পি আর পি) গী প্রোসেস অমসুং ভি পি আর পিবু জি পি দি পিদা হাপচিনবগী মরু ওইবা কয়াগী মতাংদা নৈনখি।
- মহাক্না ভি পি আর পি ২০২০-২১ দা ফংখিবা অচৌবা এচিবমেন্টশিং অদুগা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা ৱরোলশিং নৈনখি, ষ্টেট ষ্টেটশিংদা ভি পি আর পি শেম শাবা অমসুং পঞ্চায়েটশিংদা মখোয়শিংদু থাগৎখিবগী মওং মতৌশিং, লৈখিবা ষ্ট্রেস কয়াদু নৈনখি লোয়ননা ভি পি আর পি শেম্লিঙে মতমদা মায়োক্লবা খুদোং চাদবশিংগী মতাংসু নৈনদুনা ফোঙলোকখি।

মিস বেঞ্জির নজিমনৱাজ, থিমেটিক এঙ্কর, কুদুম্বশ্রি - এন আর ও

- মহাক্না ভি পি আর পি (২০২০-২১) শেম্বগী মতাংদা কুদুম্বশ্রি এন আর ওনা পায়খৎপা থৌরাং-থৌশিল অমসুং হৈশিংবা খোঙথাঙগী মরমদা হাইলাইট তৌদুনা ফোঙদোকখি।
- এস এইচ জি নেটৱার্ককা পুনশিন্দুনা প্রাক্তিকেল ওইবা, নুং-পান ফাওনা উবা ঙম্বা অমদি মীয়াম্না পুন্না শরুক য়াবা জি পি দি পি শেম্বগী কান্নবা কয়াগী মরমদসু মহাক্না নিংশিংখি।

মিষ্টর রিপান চকমা, ষ্টেট মিসন মেনেজর, টি আর এল এম

- মহাক্না ট্রিপুরা রুরেল লাইবলিহুদ মিসন্না পাঙথোকপা ঙমখ্রবা মরু ওইবা থবকশিং মায় পাকখিবগী মতাংদা হেন্না থোইনা ফোঙদোকখি অদুগা ভি পি আর পি শেম্বদা ট্রিপুরাদা শীজিন্নরিবা টেক্নিককশিং, লোয়ননা মদুগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদসু অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা ৱাফমশিং থমখি।

## 2.4 প্রযুক্তিগত সেশন III: পিআরআইগুলিতে এসডিজি স্থানীয়করণ

এস আই আর দি পি আর, ওরিষ্যাগী জোইন্ট দিরেক্টর অমসুং এম ও পি আর - এক্সপার্ট গ্রুপ ওন লোকেলাইজিং এস দি পিজ ইন পি আর আইজগী মেম্বর ওইনা লৈরিবা শ্রী সরোজ কুমার দাসনা এস দি জিশিং লোকেলাইজ তৌবা অমসুং মসিনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা পঞ্চায়েটশিংদা করম্না মরী লৈনদুনা মীয়ামদা কান্নবা ফংহল্লিবনো হায়বগী মতাংদা প্রজেন্টেসন পীখি।

- মহাক্না এস দি জি শিংগী মওং অমদি নিতিশিং চাউরাক্না নৈনখি অদুগা এস দি জি লোকেলাইজ তৌবগী ৱাহম্লোক পীখি। এস দি জিশিং অসি সধারন মীয়ামগী খুদেং চাদবশিং কোকহন্নবা পান্দমদা পুনশিন্নবগী হৈ-শিংবা থৌশিলশিং লিংখৎনবগী মতাংদা মরু ওইনা ফোঙদোকখি।
- মহাক্না থোইদোক্না মীৎয়েং চঙলদুনা, ট্রাইবেলশিংনা চাওখৎলকপগী ৱাখল্লোন্দা চঙল্লিকপা অমসুং নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা মখোয়না চাওখৎ খোঙথাংদা চঙশিল্লকপগী মরু ওইবা কয়াগী মরমদা ফোঙদোকখি।

- গ্রাম পঞ্চায়েটকী পান্দম ফংনবগীদমক পঞ্চায়েটশিংগী ভিজন ওইনা লৈফম থোকপা থিম মাপন অদুদা এস দি জিশিংগী পুনশিন্নবগী মরু ওইবশিং অদুগী মতাংদসু মহাক্না কুপ্না নৈখি।
- তোঙান তোঙানবা সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সরশিপ স্কিমশিং অমদি ষ্টেটনা স্পোন্সর তৌবা স্কিমশিংগী মথক্তা ফাইনান্স কম্মিসন এণ্ড এৱার্দ গ্রান্টস অসিনসু পান্দমশিং অসি ফংনবা হোৎনবদা মতেং পাংনবগী অচৌবা ঈফুৎ অমা ওইগনি হায়খি।

মিষ্টর আর এস এন শর্মা, প্রোজেক্ট মেনেজর, আর জি এস এ - এন পি এম য়ু, এম ও পি আরনা ফীভম হেন্না ফগৎহল্লবা আর জি এস এ অমসুং জি পি দি পি লোকেলাইজ তৌবগী মতাংদা মহাক্কী প্রজেন্টেসন পীখি। মসিগী লোয়ননা এস দি জি শিং পঞ্চায়েটশিংদা পুরকপগী মরু ওইবশিংগী মতাংদা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখাগী থৌওংশিং অসি পায়খৎপা মথৌ তাই হায়খি, মদুদিঃ

- এস এল এম দিটিগী কেপাসিটি বিল্ডিং চাং নাইনা চখবা,
- শক খঙদোক্লবা এস দি জি ইন্দিকেটরশিং শরুক য়াহন্নবা এম এ সর্ভে চখবা,
- জি পি দি পিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী থবকসি প্লানিংদা মশীংদগী মগুন লৈবরোমদা অহোংবা পুরক্লবা ওইহনগদবনি,
- এস দি জি শিংগী প্রিন্সিপল ঐঐকনামত্তা চীথহন্দবাঐঐ হায়বা প্রিন্সিপল অসি জি পি দি পিদসু চংনহনগদবনি,
- এস দি জি শিং য়েংশিন্নবা কখোল্লবা দাসবোর্দ শেম্বা,
- পি দি আইগী মখাদা এস দি জিশিং লোকেলাইজ তৌবা অমসুং এস দি জিগী এচিবমেন্টশিংবু ইকায়খুম্নবগী মনা লাম্বোকপা,
- আর জি এসগী খুথাংদা এস দি জি শিং লোকেলাইজ তৌনবগী থবক থৌরমশিং নীংথিনা য়াংপা,

## 2.5 প্রযুক্তিগত অধিবেশন IV: জনগণের পরিকল্পনা প্রচারাভিযান - নির্বাচিত দ্বারা অভিজ্ঞতা ভাগ করে নেওয়া প্রতিনিধি

দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়েট প্রসিদেন্টশিংনা থবক্তগী ফংলকপা লৌশিং গ্যান ফোঙদোকখিবা।

অরুনাচল প্রদেশ ঃ শ্রীচুখু বাব্লু, জেৎ পি সি, পাপুম পারে দিষ্ট্রিক্ট

- মহাক্না মশাগী এক্সপিরিয়েন্স কয়াদু, পাপুম পারে দিষ্ট্রিক্টকী ইলেক্তেদ প্রসিদেন্ট অমা ওইনা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্কী মতমদা থেনখিবা শীঙনবা কয়াদু পাউদনখি,
- পি আর আইগী মেম্বর অমসুং ফঙ্কসনরিশিংগী ওরিয়েন্টেসন অমসুং ট্রেনিং খুদিংমক মরী লৈনবা পার্টিসিংনা মতম চানা পীদে।
- লাইন দিপার্টমেন্টশিংনা জি পি দি পি। গ্রাম সভাশিংদা শরুক য়াখিদে,
- লাইন দিপার্টমেন্টশিংগী থবক থৌওংশিং য়েংশিন্নবা মথৌ তাবা মোনিটরিং মেকানিজম লৈতে।

মেঘালয়ঃ শ্রীমতি বিসারি সি এচ মারাক, সেক্রেটরি, ভি ঈ সি, রোম্বাগ্রে, ৱেষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্ট

হীরম খুদিংদা চাউখৎপা গ্রাম পঞ্চায়েট অমমম ওইহন্নবা মফম মফমদুদা ফংবা রিছোর্স খুদিংমক শীজিন্নরগা পার্টিসিপেটরি প্লান অমা শেম্বদা মহাক্না হেন্না থাজবা থমখি।

ট্রিপুরাঃ শ্রী জয়দেব দেবভর্মা, সভাধিপথি, খোৱাই দিষ্ট্রিক্ট

- ➢ অসিগুম্বা মখলগী ৱার্কশোপশিং দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ব্লোক্কী থাক্তা চাং নাইনা পাঙথোকপীয়ু হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।
- ➢ পঞ্চায়েট অমদি লৈঙাক্কী লৈজরিবা তাঙ্কক পুন্নমক্না লৌমীশিংগী ইনকম অসি হান্নদগী শরুক অনী হেন্গৎহন্নবা স্কিম পুন্নমক থবক্তা নীংথিনা

ওস্থোক্লবা হোৎনগদবনি হায়না পনখি।

- ➢ দেভলপমেন্টকা মরী লৈনবা থবকশিংগী অহেনবা জ্ঞান-লৌশিং তানশিন্নবা, মীয়ামগী মীহুৎশিংনা এক্সপোজর ভিজিৎ চাং নাইনা পাঙথোকহনগদবনি, মসিগীদমক থৌরাংশিং য়াংপগী মথৌ য়াম্না তাই হায়খি।

ত্রিপুরাঃ শ্রী অমালেন্দু দাস, সভাধিপটি, উনাকোটি দিষ্ট্রিক্ট

- এক্সন প্লানগী অশোয়বা কয়া অমসু য়াওই অদুনা হান্না তৌগদবা থবকশিংগী প্লান হান্না শেমগদবনি অমসুং চাওখৎ মায়কৈদা পুরক্লবগীদমক এদভাইজরি অমা লৈহনগদবনি।
- প্লান্নিং প্রোসেসতা লাইন দিপার্টমেন্টনা শরুক য়াবগী চাং ব্রাংনা লৈহনগদবনি।
- হীরম পুন্নমক কোনশিন্নবা দেভলপমেন্টগী পান্দম ফংনবা প্রাক্টিকেল প্লান্নিং তৌগদবনি, ট্রান্সপরেন্সি মেন্টেইন তৌগদবনি।
- ইনকম জেনরেসন এক্টিভিটিশিং অমদি থক্লবা ঈশিংগী ইস্যুশিং ১৫শুবা ফাইনান্স গ্রান্ট্স অমদি ষ্টেট ফন্দনা পুথোক্লি।

ত্রিপুরাঃ শ্রীমতি অন্টরাসরকার দেব, সভাধিপতি, ত্রিপুরা

- ➢ মহাক্না গ্রাম সভাশিংগী মরু ওইবগী মতাংদা পনখি অদুগা চহী অমদা মগুন লৈবা গ্রাম সভাগী মশীং হেনগৎহনবগী মরু ওইবশিং পনখি।
- ➢ গ্রাম সভা পাঙথোক্কদবা মতম মীয়ামদা পাক শন্না লাউথোক্তুনা খঙহনগদবনি অদুগা লাইন দিপার্টমেন্ট শোয়দনা য়াওহন্নবা হোৎনগদবনি।
- ➢ ষ্টেট মনুংদা এক্সপোজর ভিজিট শোয়দনা, চাং নাইনা পাঙথোক্লবা থৌরাং শীনগদবনি, ষ্টেটকী মপান্দসু পাঙথোকহনগদবনি, মসিনা মীয়ামগী মীহুৎশিং খঙবা-হৈবা হেঙ্গৎহনগনি হায়না ফোকস পীখি।
- ➢ গভর্নমেন্টকী লমলেমশিং শীজিন্নদুনা মশাগী ওইবা রেভিন্যু হেঙ্গৎহনগদবনি (ঙা য়োকপা অমসুং অতৈ থবক থৌরমশিং পায়খৎকদবনি)।

গ্রাম পঞ্চায়েট প্রসিদেন্টশিংনা ব্রাখল লৌশিং ফোঙদোক্লবা

অরুনাচল প্রদেশঃ শনী হাপ্পি মেন, জিপি মেম্বর, মায়ু II জি পি, লাব্রর দিব্রাবং ভেল্লি দিষ্ট্রিক্ট

- ➢ মহাক্কী মতমদা থক্লবা ঈশিং, মোবাইল কন্নেক্টিভিটি, রোদ কন্নেক্টিভিটিনচিংবা তোঙান তোঙানবা ফন্দদগী শীজিন্নদুনা ফগৎহল্লে হায়না পাউদমখি।
- ➢ গ্রাম পঞ্চায়েটকী থাক ব্রাংখৎহন্নবা মীরামদগী মহাক্না শেল, পোৎলম নত্রগা শিন্নীগী ওইবা তেঙবাং পীবিনবা দোনেসন ফাওবা তৌখি হায়না পাউদমখি। মসিগী মরনদি লৈঙাক্লা চহী অমদা গ্রাম পঞ্চায়েট খুদিংমক্কী চাওখৎ থৌরাং পুন্নমক পায়খৎপা ঙম্বা হৌনদে হায়বসিদা মহাক্না থৌরাং অসি পায়খৎপনি হায়খি।

অসামঃ শ্রী মানবসনাব্রাল, টালপ জি পি, টিন্সুকিয়া দিষ্ট্রিক্ট

- ➢ মহাক্না প্লান্নিং নীংথিনা তৌদুনা মহাক্কী মতমদা পায়খৎপা পঞ্চায়েটকী চাওখৎ থৌরাংশিংগী ব্রারী লীখি।
- ➢ মহাকসু গ্রাম পঞ্চায়েট অসিদা ফংবা ফন্দ শীজিন্নদুনা মশাগী হোর্সতগী রেভিন্যু লাকপা হেঙ্গৎহন্নবা ব্রাফমদা ফোকস তৌখি।

অসামঃ শ্রী প্রদিপদ্যুরি, বাগজপ জিপি, মোরিগাউ দিষ্ট্রিক্ট

- ➢ মহাক্কী জি পি অসিনা দিনদয়াল উপধ্যায় পঞ্চায়েট শশক্তিকরন পুরুস্কার ২০১৭-১৮ ফংখি অদুগা এব্রার্দকী শেনফম অদু য়েরুম কোকফম ফেসিলিটি অমা শাদুনা পঞ্চায়েট অসিগী রেভিন্যু লাকফম অমা ওইহনখি হায়না পাউদমখি।
- ➢ মহাক্না গাউন পঞ্চায়েট দেভলপমেন্ট প্লান শেম্নবা পায়খৎখিবা প্রোসেস অমগী মতাংদা ব্রাফম কয়া ফোঙদোকখি।

## 2.6 প্রযুক্তিগত সেশন ভি: এমওপিআর উদ্যোগের উপর উপস্থাপনা

শ্রী এস ক্রিষন, কন্সল্টেন্ট, এম ও পি আরনা সেসন অদু শক্তি লৈবা, মপুং ফাবা গ্রাম সভা অমা ওইহন্নবা পাঙথোকপনি হায়খি। মহাক্না মখাগী পোইন্টশিং অসি নৈনখিঃ

➢ মহাক্না গ্রাম সভাগী মতাংদা লৈরিবা কন্সটিট্যুসনগী প্রোভিজনশিং নৈনখিবগা লোয়ননা গ্রাম সভাদা শরুক য়াবগী চাং, মরু ওইনা নুপীশিংনা য়াওশীনবগী চাং নৈনখি।

➢ গ্রাম সভাগী মপাঙ্গল শক্তি হেঙ্গৎহন্নবা প্রোসেস হায়বদি, অহিংবা, অনৌবা থৌশিল থৌরাংশিং পুথোকপা ঙম্বা অমসুং মীচম মীয়ামদা মাপ্পনা কান্নবা পীবা ঙম্বা ওইহন্নবা থৌওং পায়খৎপগী মতাংশিং ফোঙদোকখি।

➢ মখা তানা গ্রাম পঞ্চায়েটকী মতিক মগুম, শক্তি হেঙ্গৎহন্নবা এম ও পি আরনা খ্বায়দগী ইকোন কোল্লা ইস্যু তৌখিবা এদভাইজরিগী মরমদসু ফোঙদোকখি।

ডা. কাথিরেসন, এসোসিয়েট প্রোফেসার, এন আই আর দি পি আরনা গ্রাম পঞ্চায়েট প্লান্নিং তৌননবা গ্রাম মানচিত্র-স্পেসিয়েল টুলগী মরমদা মহাক্কী ওইবা প্রজেন্টেসন পীখি।

- ➢ মহাক্না জি পি দি পি শেম শাবগী থবক্তা জিও-স্পেটিয়েল প্লান্নিং হাপচিনবগী মরু ওইবা অমসুং কান্নবশিংগী মরমদা কুপ্পা নৈনখি।
- ➢ সষ্টেনেবল দেভলপমেন্ট প্লানগীদমক এম ও পি আরনা জিওগ্রাফিকেল দাতা শীজিন্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখি। স্পেটিয়েল দাটাসেটশিং অসি সেটেলাইট ইমেজরিগা পুনশিল্লগা, প্লান অসিগী হৌজিক লৈরিবা থাক অসিদা মীৎনা য়েংবা য়াবা শক্তম অমা পীবা য়াবনা, জিওগ্রাফিকেল দাটা শীজিন্নবগী ব্রাফম অসি মিনিষ্ট্রিনা খন্নরকপনি হায়খি।
- ➢ মহাক্না মখাতানা এম ও পি আরগী মরু ওইবা ব্রেব পোর্টেলশিং ওইরিবা গ্রামস্বারাজ, গ্রাম মানচিত্র, মিসন অন্টোদয়া, ভাইব্রেন্ট গ্রাম সভা, জি পি দি পি, সিতিজন চার্টর অমসুং স্বামিটভাগী মতাংদা নীংশিংখি।

## 2.7 সমাপনী অধিবেশন

পাঙথোকখিবা ব্রার্কশোপ অসিদগী লৌথোকপাঃ ষ্টেট রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা পীবা প্রজেন্টেসনশিং

ত্রিপুরাঃ মিষ্টর রতন নামা, এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর, দিরেক্টরেট ওফ পঞ্চায়েট, ত্রিপুরা

- ➢ মহাক্না পঞ্চায়েট এরিয়াশিংদা নীংথিনা মওং চুম্না, সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট স্পোন্সর স্কিমশিং শীজিন্নদুনা প্লান্নিং তৌদুনা পাঙথোক্লিবা দেভলপমেন্ট এক্টিভিটি খরগী মতাংদসু ব্রাফমশিং ফোঙদোকখি।
- ➢ পিপল্স প্লান কেম্পেইন হৌদোকখিবা মতমদুদগী কন্সটিট্যুসনগী তরামথোইশুবা সেদ্যুলগী সবজেক্ট ২৯দা য়াওবা লাইন দিপার্টমেন্ট অয়াম্বা শরুক য়াহন্দুনা ত্রিপুরাদা কমপ্রেহেন্সিব এক্সন প্লান অমা শেম্নি হায়বা ব্রাফম মহাক্না ফোঙদোকখি।

# পঞ্চায়ত পরিকল্পনা উৎসভ: আসাম রাজ্যদা থেংনখিবা থৌদোক অমা

পবিত্র কালিতা, জোইন্ত দিরেক্তর (তি.আর.জি), এস.আই.পি.আর.দি. আসাম

বেকগ্রাউন্দ:

পিপলস পান কেম্পেন (পি.পি.সি.) সবকি য়োজনা সবকি ভিকাস অসি গ্রাম পঞ্চায়তশিং (জি.পি.) না মখোয়গী গ্রাম পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পানশিং (জি.পি.দি.পি. শিং) শেনবা চহী ২০১৯-২০ গী ওইনা মপুংফাবা, চৎনবা য়াবা অমদি মীয়াম শরুক য়াবা য়ানবগী মওংদা শেম শান্নবগীদমক অহানবা ওইনা ০২.১০.২০১৮ দগী ৩১.১২.২০১৮ ফাওবগী ওইনা হৌদোকখি। হায়রিবা খোঙথাং অসি য়াম্না মচা খায়বা পোরম, শমজিং-লমতাক; রাজ্যশিংনা থৌনা লৈনা মিৎয়েং চঙবা অমসুং মরি লৈনবা মন্ত্রালয়/দিপার্তমেন্তশিংগী তশেংনমক লেপবদি মায় পাক্না লোইশিনবা ঙমগনি। পিপলস পান কেম্পেন অসি ২০১৮ দগী হৌরকপদগী হৌনা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা য়াম্না মপুংফাবা অমসুং চৎনবা য়াবা পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পান অমা শেম্বদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। মসিগী মপুংওইবা পান্দমদি মিসন অন্তয়োদয়াগী মখাদা ফংলিবা প্রেগমেতিক দেতাদা য়ুমফম ওইরগা মীয়ামগী তঙাইফদনা মথৌ তাবা অদু খঙদোক্লবা বত্তম-অপ পানিংগী পান্থৈ অমা লৈহনবা, হৌখিবা চহীশিংগী পানগী অচ্যাৎ-অপা নৈনবা অমসুং প্রাইমরি দেতা খোমজিনবনি।

জি.পি.দি.পি. দা খঙদোকপা মথৌ তারিবা জি.পি.দি.পি. ফোর্মুলেসন তৌবগী মরুওইবা মচাকশিং/পান্দম অদুদি (i) লাইরবা থংহনবা; (ii) মীওইবগী চাওখৎ থৌরাং; (iii) এস.সি/এস.তি, নুপী অমসুং শোথরবা কাঙলুপশিংদা অহেনবা মিৎয়েং থম্বগা লোয়নননা খুন্নাইগী চাওখৎ থৌরাং; (iv) শেনমিৎলোনগী চাওখৎ থৌরাং; (v) অকোয়বগী ফিভমগী চাওখৎ থৌরাং; (vi) সরকারগী থবক পীবা অমসুং (vii) মমল লৌদবা চাওখৎ থৌরাং। মসি চৎনহন্নবগী মরু ওইবা খোঙথাংদি পোরম য়াৎলবা থবকশিং পায়খৎপা/ থবক থৌরমশিং কেন্দ্র/স্তেতস্কিমশিংগা পুন্না তৌমিন্নবা অদুনি।

পি.পি.সি. খোঙথাং অসি পান্দম অমগী মখাদা থবক তৌরিবা দিপার্তমেন্তশিং অমসুং স্তেকহোলদরশিংগী ওইনা "মিসন অমা পান অমা" হায়বসিগী মিৎয়েংদা ২০২০-২১ গী মনুংচনবা পান কেম্পেনগীদমক অমুক হন্না শত্তাকখি, অসুন্না মিসনগী মওং অমদা পঞ্চায়তকী লেভেল পানিংদা শরুক য়াবা মতমদা লাইন দিপার্তমেন্তশিং মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবগী ফিভম অমা শাগৎলি।

হৌখিবা চহীগী পি.পি.সি. গী মনুং চনখিবা গ্রাম পঞ্চায়তশিং, গ্রাম সভাশিং অমসুং অতোপ্পা স্তেকহোলদরশিংগী মশক থোকপা অমসুং মপুং ফাবা থৌদাংনা পুক্লিং থৌগতনা, পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়, ভারত সরকারনা ২শুবা ওক্তোবর, ২০২০ দগী হৌদুনা ২০২১-২২ গী জি.পি.দি.পি. শেম্নবগীদমক চপ মান্নবা থৌওং অদু হৌদোক্লবা ৱারেপ লৌখি। সংবিধানগী তরামাথোইশুবা সেদ্যুলদা য়াওরিবা সব্জেক্ত ২৯ অমসুং মরি লৈনবা দিপার্তমেন্ত/মন্ত্রালয়গী স্কিমশিং/প্রোগ্রামশিং জি.পি.দি.পি. না কোনশিনগদবনি। জি.পি.দি.পি. গী ফোর্মুলেসন অসি মীয়াম শরুক য়াদুনা পোরম শেম্বা মথৌ তাবা মরম্না, লাইন দিপার্তমেন্ত খুদিংমক্কী ফ্রন্তলাইন ৱার্করশিংনা জি.পি. অমদা মখোয়গী দিপার্তমেন্তকী ওইবা থবকশিং অদু মচা-খায়না মীয়ামদা খঙহন্নবা নিয়ম চুম্বা গ্রাম সভা মীফমশিং পাঙথোকপা মথৌ তাই। অসিগুম্বা ফ্রন্তলাইন ৱার্করশিংনা পীবা ইনপুতশিং অসি জি.পি.দি.পি. ফোর্মুলেসন তৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌই মরমদি মসিনা জি.পি.দি.পি. গী সেক্তোরিএল পান শেম্বা ঙমহলি।

আসাম সরকারনা ২০২০-২১ গী ওইনা পি.পি.সি. গী মখাদা লৈবা পানিংগী থৌওং খুদিংমক্কী লৌগদবা ইনিস্যেতিব ওইনা "পঞ্চায়ত পরিকল্পনা উৎসভ" অসি লাউথোখি, মসিদা লাইন দিপার্তমেন্তশিং অমসুং দিপার্তমেন্ত ওব পঞ্চায়ত অমসুং রুরেল দিভেলপমেন্তনা প্রমান, অচুম্বশিং অমসুং ফংলিবা রিসোর্সশিংদা য়ুমফম ওইবা ২০২০-২১ গী চৎনবা য়াবা এন্যুল এক্সন পান অমা পুথোকপদা পঞ্চায়তশিংবু মতিক চাবা গ্রাম সভাশিংগী খুথাংদা মতেং পাংগনি। হায়রিবা কাংলোন অসিগী মনুং চন্না, গ্রাম সভাশিং পাঙথোকহন্নবা পঞ্চায়তশিংদা চৎকদবা অমসুং জি.পি.দি.পি. গী চৎন-পথাপতা য়াওরিবা নিয়মশিংগী মতুংইন্না থবক পায়খৎনবা পেনেল অমা শেমখি।

তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং অমসুং প্রোগ্রামশিংগী মাঙজিল থাবা থাক্তা লৈরিবা ৱার্করশিং, ফ্রন্তলাইন ৱার্করশিং থবকশিং অমসুং মথৌশিং, মরুওইনা মহাত্মা গান্ধি নেস্নেল রুরেল এম্পোইমেন্ত গেরেন্তি স্কিম (এম.জি.এন.আর.ই.জি.এস), দি.এ. ৱাই-এন.আর.এল.এম অসিনচিংবশিং অসিনা গ্রাম পঞ্চায়তশিং/গ্রাম সভাশিংনা জি.পি.দি.পি ফোর্মুলেসন তৌবগী থবক্তা শিংথানিংঙাই ওইনা মতেং পাংলগনি। মসিগী মরুওইবা পান্দম অমনা লাইবলিহুদ মিসনগী নুপী কম্যুনিতি রিসোর্স পর্সন্স (সি.আর.পি. শিং) বু শরুক য়াহনবনি অমসুং সোস্যেল ওদিতরশিংবু গ্রাম সভা মীফমশিংগীদমক ফেসিলিতেতরশিং ওইনা তাকপী-তম্বীবা অদুনি। মিসন অন্তয়োদয়া সর্ভেনা খুঙ্গং অমসুং জি.পি. গী থাক্তা লৈরিবা থোং মান্নদবশিং খঙদোকপদা য়াম্না চাওনা মতেং পাংলি অমসুং হৌখিবা কেম্পেনদা ফংলিবা প্রামন্দা য়ুমফম ওইবা পানিং অমসুং ইম্পিমেন্তেসনগী মমুৎ তাবা পান্দম অমা থম্বদা মতেং পাংখি।

হায়রিবা বেকগ্রাউন্দ অসিগা লোয়নননা য়াম্না মচা-খায়বা মরি লৈনবা হিরম অসিগী থৌওংশিং য়াওবা এক্সন পান অমা ঐখোয়গী রাজ্য অসিদা লৈহনবা ঙম্লে। হায়রিবা থৌওং অসিনা তোঙান-তোঙানবা কম্মিত্তিশিংবু মিসন অন্তয়োদয়া সর্ভে পাংথোক্লবা অমসুং মীয়াম শরুক য়াহন্নবা পানিং শেম-শাবদা চঙবা তোঙান-তোঙানবা খোঙথাংশিংগী মতাংদা তাকপী-তম্বীবা হৌগনি। অরোয়বা ওইনা, জি.পি.দি.পি. বু পানপন্তা থাগৎকদবনি। নুমীৎ-নুমীৎকী ওইনা তৌগদবা মচা খায়বা থবকশিং অদু মাঙজৌননা পাথোকনা থমখি।

মথক্তা পনখিবা মওং অসিদা, গাউন পঞ্চায়তপু মপাঙ্গল লৈবা, মপুংফাবা, অমসুং চৎনবা য়াবা গাউন পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পান শেম-শাবদা মতেং পাংনবগীদমক গ্রাম সভাশিংদা মথক থোংবা সরকারগী ওফিসরশিং শরুক য়াহনবগী তঙাইফদবা লৈরে অমসুং জি.পি.দি.পি শেম-শাবগী থৌওংদসু লাইন দিপার্তমেন্ত ওফিসিএলশিং শোয়দনা শরুক য়াহনগদবনি।

মথক থোংবা ওফিসরশিংগী দিতেলমেন্ত তৌবগী মওংশিং:

থৌওং অসি গাউন পঞ্চায়ত ২৬৭৬ অমসুং ভি.দি.সি. শিং/ ভি.সি.দি.সি. শিংদা চৎনহনগনি। হায়রিবা ফিভম অসিদা, মখাদা পীরিবা হিরমশিং অসিদা গাউন পঞ্চায়তকী থবক্কী মতেং ওইনবা রাজ্য অমসুং জিলাগী ওইবা মথক থোংবা ওফিসরশিং শরুক য়াহন্নবগীদমক অচেৎপা ৱারেপ লৌখি:

- মিসন অন্তয়োদয়াদা য়ুমফম ওইবা সর্ভে দেতা খঙদোকপদা মতেং পাংনবা।
- জি.পি.পি.এফ.তি./ভি.পি.এফ.তি. না শেম্বা দ্রাফত পঞ্চায়ত স্তেতস রিপোর্তপু রেংশিংনবা অমসুং মরুওইবা মিৎয়েং থম্বদা অহেনবা মতেং পাংনবা।
- এ.এস.আর.এল.এম.এস. কী এস.এচ.জি. শিংনা শেম্বা লাইরবা হংহনবগী পান শেম-শাবদা মতেং পাংনবা।
- মিসন অন্তয়োদয়াগী দেতাদা য়ুমফম ওইবা জি.পি.পি.এফ.তি. না শেম্বা হেন্না মপুং ফাহনবদা মিৎয়েং থম্বা পানবু শেম-শাবদা মতেং পাংনবা।

- রিসোর্সতা য়ুমফম ওইবা গাউন পঞ্চায়ত এনুয়েল এক্সন পান শেম-শাবদা মতেং পাংনবা।
- জি.পি. গী দিপার্তমেন্ত অমমমগী সেক্রেতেরিএল পান খায়থোকপদা মতেং পাংনবা।

মসিগী মতুং ইন্না, ২০২০ গী নভেম্বও ১ঃ তগী ১৯শুবা নভেম্বর অমসুং ২০২০ গী ২৭শুবা নভেম্বরদগী ১৩শুবা দিসেম্বর ফাওবদা পঞ্চায়ত পরিকল্পনা পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা গাউন পঞ্চায়তশিংদা য়েংশিনবা চৎনবগীদমক ভিজিতিং ওফিসরগী অকুপ্পা মরোল য়াওবা সেদ্যুল অমা শেম-শাপ্রে। অপুনবা ওইনা ভিজিতিং ওফিসর মশীং ৭৯ না পঞ্চায়ত পরিকল্পনা পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা গাউন সভাশিংদা য়েংশিনবা চৎখি। ভিজিতিং ওফিসরশিং অদু ওরিএনতেসন ত্রেনিং পীথি অমসুং হিরম অসিগীদমক শেমখিবা রাহংশিংগী পাউখুম পীনবা মখোয়দা হায়খি।

এক্সিক্যুতিভকী শঙ্লপ্পা রারোল


রিপোর্ত অদু হিরম অসিগীদমক রাজ্য সরকারগী থাজবা মিৎয়েং মখাদা গাউন পঞ্চায়তশিংদা য়েংশিনবা চৎখিবা ভিজিতিং ওফিসরশিংদা য়ুমফম ওইরগা শেমখিবনি। থোঙচৎ অদুগীদমক মথক থোংবা সিভিল সর্ভিস কাদরশিংবু ভিজিতিং ওফিসর ওইনা খনগৎখি। অদুবু, অতোপ্পা থবক লৈখিবা মরম্না, ওফিসর খরদি মখোয়গী বোক্তা চৎপা ঙমখিদে। পঞ্চায়তশিংদা য়েংশিনবা  চৎখিবা ওফিসিএল ৭৯ গী মনুংদা, ৩৪ দি মথক থোংবা সিভিল ওফিসরশিংনি, ওফিসর ৯ না পঞ্চায়ত, রুরেল দিভেলপমেন্ত দিপার্তমেন্ততগীনি, অমসুং ৩৬ না এস.আই.পি.আর.দি. গী ফেকলতি মেম্বরশিংনি। গাউনসভাগী মতমদা ভিজিতিং ওফিসরশিং অদুনা মখোয়গী অপাম্বগী মতুংইন্না পঞ্চায়ত অনী খনগতনা য়েংশিনবা চৎকদবনি হায়না রারেপ লৌথি। হায়রিবা অপুনবা থৌরম অসিবু "পঞ্চায়ত পরিকল্পনা উৎসভ" হায়না লাউথোকখি। হায়রিবা উৎসভ অসিদা, ২০১৯ গী নভেম্বর ১ঃ তগী ১৯শুবা নভেম্বর অমসুং ২০১৯ গী ২৭শুবা নভেম্বরদগী ১৩শুবা দিসেম্বর ফাওবদা ভিজিতিং ওফিসরশিংনা জিলা ২৪ য়াওনা, গাউন পঞ্চায়ত ২৩৬ কোনবা বোক ৮৮ দা চৎখি। মখাদা পীরিবশিং অসি "পঞ্চায়ত পরিকল্পনা উৎসভ" তা থেংনখিবশিং অদুনি

I. অসুম্না থেংনরকখি মদুদি ২শুবা গাউন সভাগী মতমদা মীয়াম পুনশিন্নবগীদমক শিজিন্নখিবা মাইক্কী খুথাংদা পাউজেল পীবা (৯১%) অসি য়াম্না কান্নখি, মসিগী মথংদা বার্তোন পীবা (৮২%), নোতিফিকেসন (৭৯%) অমসুং বেন্নরগী খুথাংদা (৭৬%) ওইখি।
II. ৩শুবা গাউন সভাগী মতমদা এনুয়েল এক্সন পান শেম্নবগীদমক, মাইক্কী খুথাংদা পাউজেল (৮২%) পীখি, মসিগী মথংদা বার্তোন (৭০%), নোতিফিকেসন (৭০%) অমসুং বেন্নরগী খুথাংদা (৬৪%) ওইখি।
III. গাউন সভা অনীমক্তা শরুক য়াখিবা নুপীশিংগী মশীংনা শরুক য়াখিবা নুপাশিংগী মশীংদগী মথংশিংনা ৫১%, ৫৩% হেনখি।
IV. অসুম্না থেংনরকখি মদুদি গাউন সভা অনীমক্তা মতিকচাবা এজেন্দা ঙাকনা থম্মী অমসুং ইলি, মসি ২শুবা গাউন সভাদা ৯৩% অমসুং ৩শুবা গাউন সভাদা ৮০% ওইখি। অদুমওইনমক, ৩শুবা গাউন সভাদা পঞ্চায়তশিংগী ২৪% খক্তা মতিকচাবা এজেন্দা ঙাকনা থম্মী হায়বগী প্রমান পীবা ঙমখি।
V. লাইন দিপার্তমেন্ত শরুক য়াবগী চাং য়াম্না নেমখি। গাউন সভাগী মতমদা ওফিসরশিংগী ১৮% খক্তমক শরুক য়াখি।
VI. গাউন পঞ্চায়ত ৯৪% না ২শুবা গাউন সভাগী মাঙওইননা পঞ্চায়তকী অহানবা মীফম পাঙথোকখি অমসুং গাউন পঞ্চায়ত ৭৯% না এনুয়েল এক্সন গাউন সভাগী মমাংদা ২শুবা মীফম পাঙথোকখি।
VII. অসুম্না থেংনরকখি মদুদি গাউন পঞ্চায়ত ৯৩% না ব্রার্দ অমমমতগী ফিভম নৈনখি অমসুং গাউন পঞ্চায়ত ৮৪% না ব্রার্দ অমমমগী দি.এস.আর পুথোকখি।
VIII. গাউন পঞ্চায়ত ৭৩% না এন্নেক্সর-II শিজিন্নদুনা পঞ্চায়ত দ্রাফত স্তেতস রিপোর্ত শেম-শাখি হায়বদু তশেংনা খঙবা ঙমখি।
IX. গাউন পঞ্চায়ত ৫৪% না এন্নেক্সর-III শিজিন্নদুনা রিসোর্স ইনভেলপ শেম-শাখি।
X. গাউন পঞ্চায়ত ৫২% না এন্নেক্সর-IV শিজিন্নদুনা মপুংফারবা গাউন পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পান (জি.পি.দি.পি) শেম-শাখি হায়বদু খঙবা ঙমখি।
XI. গাউন পঞ্চায়ত ৬২% না এন্নেক্সর-V শিজিন্নদুনা এনুয়েল এক্সন পান ২০২০-২০২১ শেম শাখি হায়না থেংনরকখি।
XII. পোভর্তি রিদক্সন পান অসি জি.পি.দি.পি. গী মনুং চলিবা শরুক অমনি। গাউন পঞ্চায়তকী ৫৯% খক্তা পোভর্তি রিদক্সন পান শেম-শাবা ঙমখি হায়বদু তশেংনা খঙবা ঙমখি।

১.১ ২শুবা গ্রাম সভাদা মীয়াম পুনশিন্নবগীদমক লৌখৎখিবা খোঙথাংশিং

সর্ভে তৌখিবা জি.পি ২৩৬ কী মনুংদা ২শুবা গ্রাম সভাদা মীয়াম পুনশিন্নবগীদমক পঞ্চায়ত ২১৫ না মাইক্কী খুথাংদা পাউজেল পীখি, জি.পি ১৯৪ না বার্তোন শিজিন্নখি, জি.পি ১৮৬ না নোতিফিকেসন শিজিন্নখি অমসুং জি.পি ১৭৯ না বেন্নরশিং অমসুং পোস্তরশিং শিজিন্নখি। ফিগর ১.১ অসিদা ২শুবা গ্রাম সভাদা মীয়াম পুনশিন্নবগীদমক শিজিন্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মোবিলাইজেসনগী পাম্বৈশিং অদু চাদা উৎলি।


FIG 1.1-STEPS FOR MOBILIZATION TAKEN IN 2ND GRAM SABHA




১.২ ৩শুবা গ্রাম সভাদা মীয়াম পুনশিন্নবগীদমক লৌখৎখিবা খোঙথাংশিং

রিপোর্ত তৌখিবা জি.পি ২৩৬ কী মনুংদা ৩শুবা গ্রাম সভাদা মীয়াম পুনশিন্নবগীদমক চাদা পঞ্চায়ত ৮২ না মাইক্কী খুথাংদা পাউজেল পীখি, চাদা জি.পি ৭০ না বার্তোন শিজিন্নখি, চাদা জি.পি ৭০ না নোতিফিকেসন শিজিন্নখি অমসুং চাদা জি.পি ৬৪ না বেন্নরশিং অমসুং পোস্তরশিং শিজিন্নখি। ফিগর ১.২ অসিদা ৩শুবা গ্রাম সভাদা মীয়াম পুনশিন্নবগীদমক শিজিন্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মোবিলাইজেসনগী পাম্বৈশিং অদু চাদা উৎলি।


FIG 1.2-STEPS TAKEN IN MOBILIZATION IN THE 3RD GRAM SABHA



২.১ ২শুবা গ্রাম সভাদা শরুক য়াখিবা নুপা অমসুং নুপীগী রেসিও।

সর্ভে তৌখিবা জি.পি ২৩৬ কী মনুংদা হায়রিবা পঞ্চায়তশিং অদুদা ২শুবা গ্রাম সভা য়াওনবগীদমক মীওই ৫৮,৭২১ তিনখি, মদুগী মনুংদা শরুক য়াখিবা মীওই ২৮,৪৮৭ না নুপানি অমসুং শরুক য়াখিবা মীওই ৩০,২৩২ না নুপী ওইখি। ফিগর অসিনা শরুক য়াখিবা নুপা মশীংদগী শরুক য়াখিবা নুপী মশীংনা শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলকপা অদু উৎলি।

FIG 2.1-PARTICIPATION OF MALE AND FEMALE IN 2ND GAON SABHA





২শুবা গ্রাম সভাদা পুনখিবা অপুনবা মীশীংগী মনুংদা শরুক য়াখিবা নুপীগী চাং অদু ৫১% নি অমসুং শরুক য়াখিবা নুপাগী চাং অদু ৪৯% নি হায়না পারি।

২.২ ৩শুবা গ্রাম সভাদা শরুক য়াখিবা নুপা অমসুং নুপীগী রেসিও।

৩শুবা গ্রাম সভাদা শরুক য়াখিবা অপুনবা মীশিং ৪১,৮১৫ গী মনুংদা, শরুক য়াখিবা মীওই ২২,০৬৩ না নুপী ওইখি অমসুং শরুক য়াখিবা মীওই ১৯৭৫২ না নুপা ওইখি। ফিগর ২.২ দা ৩শুবা গ্রাম সভাদা শরুক য়াখিবা নুপা অমসুং নুপীগী য়েন্থোক্লবা অদু চাদা উৎলি, মদু মথংশিংনা চাদা ৪৭ অমসুং চাদা ৫৩ ওইরি।

FIG 2.2-PARTICIPATION OF MALE AND FEMALE IN 3RD GAON SABHA





২শুবা গ্রাম সভাগা চাংদম্নবা মতমদা ৩শুবা গ্রাম সভাদা মীওই ১৬,৯০৬ হন্থরক্লা ৩শুবা গ্রাম সভাদা মীয়াম্না শরুক য়াবগী চাং অসি হন্থরক্লি হায়বদু উৎলি। ২শুবা অমসুং ৩শুবা গ্রাম সভা অনীমক্তা শরুক য়াখিবা নুপীগী চাং অসি নুপাদগী হেনখি।

৩.১ গ্রাম সভাদা মতিকচাবা এজেন্দা ঙাক'না থম্বা

জি.পি ২৩৬ নৈনখিবগী মনুংদা জি.পি ২১৯ দি ২শুবা গ্রাম সভাগী ওইনা মতিকচাবা এজেন্দা ইলি অমসুং ঙাক'না থম্মী। ফিগর ৩.১ দা ২শুবা গ্রাম সভাদা মতিকচাবা এজেন্দা ঙাক'না থম্বগী মতাংদা নৈনবা অদু উৎলি, মসিদা জি.পি. শিংগী চাদা ৯৩ না মতিকচাবা এজেন্দা ঙাক'না থম্মবসু, চাদা ৭৭ খক্লা এজেন্দাবু ঙাক'না থম্মী অমসুং নিয়ম চুম্না শিজিন্নরি হায়বগী প্রমান অমসুং রেকোর্দ তৌখি হায়না ফোঙদোকখি।


FIG 3.1-MAINTENANCE OF PROPER AGENDA IN 2ND GAON SABHA




৩.২ ৩শুবা গ্রাম সভাদা মতিকচাবা এজেন্দা ঙাক'না থম্বা

জি.পি ২৩৬ নৈনখিবগী মনুংদা জি.পি ১৮৯ দি ৩শুবা গ্রাম সভাগী ওইনা মতিকচাবা এজেন্দা ইলি অমসুং ঙাক'না থম্মী। ফিগর ৩.২ দা ৩শুবা গ্রাম সভাদা মতিকচাবা এজেন্দা ঙাক'না থম্বগী মতাংদা নৈনবা অদু উৎলি, মসিদা জি.পি. শিংগী চাদা ৮০ না মতিকচাবা এজেন্দা ঙাক'না থম্মবসু, চাদা ৭৬ খক্লা এজেন্দাবু ঙাক'না থম্মী অমসুং নিয়ম চুম্না শিজিন্নরি হায়বগী প্রমান অমসুং রেকোর্দ তৌখি হায়না ফোঙদোকখি।

FIG 3.2-MAINTENANCE OF PROPER AGENDA IN 3RD GAON SABHA




৪.১ ২শুবা গ্রাম সভাদা বার্তোন তৌখিবা লাইন দিপার্তমেন্তশিং অমসুং পীখিবা প্রমানশিং

নৈনখিবা জি.পি ২৩৬ কী মনুংদা জি.পি ২১৭ না নিয়ম চুম্বা মওংদা লাইন দিপার্তমেন্ত ওফিসিএলশিং বার্তোন তৌখি, অদুবু ২শুবা গ্রাম সভাদা জি.পি ১৭২ খক্লা ওফিসিএলশিং বার্তোন তৌবগী প্রমান ওইনা অইবা রারোলশিং উৎপা ঙমখি।

লেমহৌরিবা জি.পি ১৯ অদুদি ওফিসিএল রেকোর্দ নত্রগা ২শুবা গ্রাম সভাদা শরুক য়ানবগীদমক লাইন দিপার্তমেন্ত ওফিসিএলশিং বার্তোন তৌখিবসু লৈতে।

FIG 4.1- LINE DEPARTMENT INVITED IN THE 2ND GRAM SABHA





৪.২ ৩শুবা গ্রাম সভাদা বার্তোন তৌখিবা লাইন দিপার্তমেন্তশিং অমসুং পীখিবা প্রমানশিং

নৈনখিবা জি.পি ২৩৬ কী মনুংদা জি.পি ১৭৭ না ৩শুবা গ্রাম সভাদা লাইন দিপার্তমেন্ত ওফিসিএলশিং বার্তোন তৌখি, অদুবু তশেংনমক জি.পি ৪০ খক্লা গ্রাম সভাদা ওফিসিএলশিং বার্তোন তৌবগী প্রমান ওইনা অইবা রারোলশিং উৎপা ঙমখি।

লাইন দিপার্তমেন্তশিং বার্তোন তৌখিবগী প্রমান পীবা ঙমখিদবা জি.পি. শিংগী মশীং অদু চাওরাক্লা য়েংশিনবা চৎখিবা অপুনবা জি.পি. শিংগী মনুংদা চাদা ৮৩ লোমদি হায়না পারি।


FIG 4.2-LINE DEPTT INVITED IN THE 3RD GRAM SABHA AND EVIDENCE PROVIDED




৫.১ ২শুবা গ্রাম সভাগী মাঙওইননা পঞ্চায়ত মীফম ফম্বা

ফিগর ৫.১ না ২শুবা গ্রাম সভাগী মাঙওইননা পঞ্চায়ত মীফম ফমখিবা পঞ্চায়তশিং অদু চাদা উৎলি। মরু ওইরিবদি পি.আর.এ এক্তিভিতি, জি.পি. গী ৱার্দ ১০ মক য়াওনা মখল কয়াদগী খোমজিলকপা প্রাইমরি অমসুং সেকেন্দরি দেতা অসি নৈনবনি অমসুং দি.এস.আর শেম-শান্নবনি। মসিনা খঙহলি মদুদি চাদা ৯৪ (২১৯ জি.পি) না মায় পাক্লা ১ংঃ মীফম পাঙথোকই, অদুবু জি.পি চাদা ৭৭ খক্কী মতিকচাবা অইবা $ারোল লৈরম্মী, হায়বদি য়েংশিনবা চৎখিবা জি.পি ২৩৬ কী মনুংদা জি.পি ১৮১ না মতিক চাবা অইবা রারোল ঙাক'না থম্লম্মী।

FIG 5.1- PANCHAYAT SITTING CONDUCTED PRIOR TO 2ND GAON SABHA





৫.২ ৩শুবা গ্রাম সভাগী মাঙওইননা পঞ্চায়ত মীফম ফম্বা

ফিগর ৫.১ না পঞ্চায়তশিংনা ৩শুবা গ্রাম সভাগী মাঙওইননা পঞ্চায়ত মীফম পাঙথোকপা অদু চাদা উৎলি। ৩শুবা অমসুং অরোয়বাগ্রাম সভাদা পুথোক্লবা ড্রাফত এন্যুল পান অদু শেম-শান্নবগীদমক

২শুবা গ্রাম পঞ্চায়ত মীফম অসি ৩শুবা গ্রাম সভাগী মাঙওইননা পাঙথোকই। ফিগর অসিনা উৎলি মদুদি জি.পি. শিংগী চাদা ৭৯ না ৩শুবা গ্রাম সভাগী মাঙওইননা ২শুবা পঞ্চায়ত মীফম পাঙথোকই, মসি য়েংশিনবা চৎখিবা অপুনবা জি.পি. ২৩৬ গী মনুংদা জি.পি. ১৮৬ তি মশীং পাবা য়াওরিবনি।


FIG 5.2-PANCHAYAT SITTING HELD PRIOR TO 3RD GAON SABHA



৬.১ ৱার্দ অমমমগী ফিভম নৈনবা অমসুং পীথিবা প্রমান

য়েংশিনবা চৎখিবা জি.পি. ২৩৬ কী মনুংদা জি.পি. ২১৯ না ৱার্দ অমমমগী ওইবা ফিভম নৈনবগী থবক চথখি হায়না রিপোর্ত তৌখি। জি.পি. ২৩৬ কী মনুংদা জি.পি. ১৮৮ না রিসোর্স মেপ, সোসিএল মেপ অসিনচিংবগী মওংদা ফিভম অদু নৈনবগী থবক তৌখি হায়না মতিক চাবা প্রমান পীখি। ফিভমগী মতুংইন্না নৈনবা অসি মীওইবগী চঙদবা য়াদ্রবা অপুনবগী পোরম য়াৎপদা চঙবা মরুওইবা দেতা অদু থিনবা মরুওইবা খুৎলাইনি।


FIG 6.1-Situation Analysis done and evidence provided




৬.২ ৱার্দ অমমমগী ওইনা পীথিবা দি.এস.আর/উৎথিবা প্রমান

পঞ্চায়ত্তা লৈরুবা ৱার্দ খুদিংমক্কা তোঙান-তোঙানবা শেমগৎ শাগৎপগী খেন্নবা অমসুং ৱার্দ মনুংদা লৈরিবা কান্নবশিং অসি য়েংশিন্নবগীদমক দিভেলপমেন্ত স্তেতস রিপোর্ত (দি.এস.আর) শেম-শাদুনা লৈগদবনি। য়েংশিনবা চৎথিবা অপুনবা জি.পি. গী চাদা ৮৪ না মাগী-মাগী ৱার্দকী ওইবা মতিক চাবা দি.এস.আর. অদু ঙাক-শেন্দুনা থম্মী, মসিদা চাদা ৭০ থক্লা সি.এস.আর. মতিক চানা ঙাক-শেন্দুনা থম্বগী প্রমানশিং পীখি।

FIG 6.2-WARD WISE DSR PRESENTED/EVIDENCE PROVIDED





৬.৩ প্রমানগা লোয়ননা ৱার্দ সভা পাঙথোকখিবা

জি.পি খুদিংমক্কা ২শুবা গ্রাম সভাগী মাঙওইননা ৱার্দ অমমমগী ওইনা ৱার্দকী মরুওইনা চঙদ্রবা য়াদ্রবশিং অদু হেন্না মরু ওইবদা য়ুমফম ওইদুনা পুথোক্লুবা সভা পাঙথোক্কদবনি। মসি পাঙথোক্লিবা অসি ৱার্দকী ওইবা দি.এস.আর. অদু নৈননবা, হেন্না মরুওইবা অমসুং অচুম্বা খঙদোক্লুবনি।

ফিগর ৬.৩ না উৎলি মদুদি য়েংশিনবা চৎথিবা জি.পি ২৩৬ কী মনুংদা জি.পি ২১৭ না ৱার্দকী ওইবা সভা পাঙথোকখি, অদুবু জি.পি ১৭৫ থক্লা ৱার্দকী ওইবা সভা অসি পাঙথোকপগী ভিজিতিং ওফিস্যেলশিংদা মতিক চাবা প্রমান পীখি

FIG 6.3-Ward Wise Ward Sabha Conducted and Evidence provided





৭.১ এনেক্সচর II পুথোকপা অমসুং পীথিবা প্রমানশিং

এনেক্সচর II অসি পঞ্চায়ত দ্রাফত স্তেতস রিপোর্ত হায়নসু খঙনবা অপুনবা পঞ্চায়তকী ৱার্দকী ওইবা দি.এস.আর অদু অমত্তা ওইবা স্তেতস রিপোর্ত ওইদুনা হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবগীদমক করি তৌগদবগে হায়বদু ইরগা থৌরাং তৌদুনা থম্লিবা মওং অদুবুনি। মসিনা সেক্তর মমিং য়াওবগা লোয়ননা ৱার্দ অমমম্না পীবা মরুওইবা রেঙ্কিং অদু য়াওনা স্কিম অদুগী থন্নবা পুথোকপা মমিং অদু মরেক শেংহলি।

নৈনরিবা অসিনা উৎলি মদুদি পঞ্চায়তকী চাদা ৭৩, হায়বদি য়েংশিনবা চৎথিবা অপুনবা জি.পি ২৩৬ কী মনুংদা পঞ্চায়ত ১৭২ না এনেক্সর II গী অচুম্বা ৱারোল য়াওবা চে-চাং ঙাক'না থম্লি, মসিগী মনুংদা পঞ্চায়ত ১৩৪ না প্রমান পীখি।

FIG 7.1-Annexure II present and evidence provided




৭.২ এনেক্সচর **III** পুথোকপা অমসুং পীখিবা প্রমানশিং

এনেক্সচর III (রিসোর্স ইনভেলপ) অসিনা লৈরিবা শিজিন্নবা য়াবা শেল অসি করম্না ফাজিন্দুনা থমহৌগনি অমসুং লাইন দিপার্তমেন্ত অমদি ওন রিভেন্যু সোর্সেস য়াওনা মখল কয়াগী সোর্সশিং অসিদগী অকক্নবা চহী অমদা গাউন পঞ্চায়ত অমদা লেপ্তনা লাকলিবশিং অসিগী মতাংদা ইরগা থল্লি।

এনেক্সচর III অসি য়েংশিনবা চৎখিবা জি.পি ২৩৬ কী মনুংদা জি.পি ১২৭ খক্লা অইবা রারোল থম্লম্মী। লেমহৌরিবা চৎখিবা জি.পি ১০৮ না এনেক্সচর III গী অইবা রারোল মতিক চানা থম্লমদে।

**FIG 7.2-ANNXURE III PRESENTED**





৭.৩ এনেক্সচর **IV** পুথোকপা

এনেক্সচর IV অসি গাউন পঞ্চায়ত দিভেলপমেন্ত পান (জি.পি.দি.পি) অদু তাংকক কয়া থোক্লা খায়দোকপগী মীয়াম্না য়ান্নরবা থৌরাংনি। মসিনা জি.পি অদু তাংকক নাইনা মথং-মনাও খায়দোকপদা চুম্না লমজিংলি।

হায়রিবা অইবা রারোল অসি জি.পি.দি.পি অমা চুম্না পাঙথোক্নবা পাম্বৈ ওইরবসু অপুনবা য়েংশিনবা চৎখিবা জি.পি ২৩৬ কী মনুংদা চাদা জি.পি ৪৮ না এনেক্সচর ওঠ অসি ঙাকপা ঙমদে।

**FIG 7.3-ANNEXURE IV PRESENTED**





৭.৪ এনেক্সচর **V** পুথোকপা

এনেক্সচর V অসি হাপচিলকপগী মরুওইবা মরমদি লৈরিবা শিজিন্নবা য়ারবা কান্নবা পোৎলমশিং/ফন্দ অদুগী মতুংইন্না খন্দোকনবনি। মরুওইনা এনেক্সচর ঠ অসি এম.জি.এন.আর.ই.জি.এ, এফ.এফ.সি অমসুং ও.এস.আর লোয়ননা জি.পি. দা লৈরিবা লাইন দিপার্তমেন্ত ফন্দশিংগী স্কিমশিং অদু খান্দোকপদা শিজিন্নৈ।

য়েংশিনবা চৎখিবা অপুনবা জি.পি ২৩৬ অসিদগী জি.পি ১৪৬ না এনেক্সচর V অসি চুম্না ঙাকনা থল্লি অদুগা লেমহৌরিবা জি.পি ৯০ না এনেক্সচর V অসি ঙাক্তে।


**FIG 7.4-ANNEXURE V PRESENTED**




৭.৫ এনেক্সচর **VI** পুথোকপা

এনেক্সচর VI অসি লাইন দিপার্তমেন্তশিং খক্কী ওইবা থৌরাংনি। মতিক চাবা মচাক অমসুং মশাগী ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং অমসুং স্কিম মখল কয়াগী স্কিমশিংগী মখাদা লৈরিবা কান্নবশিং অমসুং জি.পি.দি.পি. গী থৌরাংদা গ্রাম পঞ্চায়তকী থৌদাং শরুক য়াবা য়াওনা দিপার্তমেন্ত অমগী ফ্রন্তলাইন্দা থবক তৌরিবশিংনা মশাগী মরি লৈনবা দিপার্তমেন্ত অদুগী স্কিমশিং অদু শম্লপনা উৎকনি।

**FIG 7.5- ANNEXURE VI PRESENTED**





পনবা য়াবদি, চৎখিবা জি.পি ২৩৬ অদুগী মনুংদা জি.পি ১৪৪ না এনেক্সচর ঠও কী অইবা চারোল পীবা ঙমখিদে। চৎখিবশিংগী চাদা ৩৯ খক্তমক্লা ঙাকনা থল্লি।


৮. পোভর্তি রিদক্সন পান পুথোকপা

পোভর্তি রিসক্সন পান (পি.আর.পি) অসি এস.ঐচ.জি. গী কম্যুনিতি রার্করশিংনা মখোয়গা মরি লৈনবা গ্রাম পঞ্চায়তকা খুৎশন্নদুনা লৈকায় চাওখৎনবগীদমক শেম্বা মপাঙ্গল লৈবা দিমান্দ পান অমনি।

পি.আর.পি অসি এন.আর.এল.এম. গী মখাদা পি.আর.আই-সি.বি.ও. খুমাং চাওখৎনবা মরুওইবা পান্থে অমনি।

অসুম্না থেংনখি মদুদি সর্ভে তৌখিবা অপুনবা জি.পি ২৩৬ কী মনুংদা জি.পি ১৩৯ থক্না গ্রাম সভাদা পোভর্তি রিদক্সন পান উৎখি অদুগা লেমহৌরিবা জি.পি ৯৭ না গ্রাম সভাদা অইবা রারোল অদু উৎপা ঙমখিদে।




ফিগর অসিদা য়েংশিনবা চৎখিবা অপুনবা জি.পি ২৩৬ কী ওইনা সেক্তর অমমমগী ওইনা ২শুবা গ্রাম সভাদা নৈনখিবা অমসুং পুথোকখিবা হিরমশিং অদু উৎলি। তঙাইফদবা সর্ভিস, লাইরবা হন্‌হনবা, ইনফ্রাস্ত্রকচরগা মরি লৈনবা হিরমশিংনা মথংশিংনা চাদা ৮৯, চাদা ৮৫ অমসুং চাদা ৮৩ ওইদুনা লিস্তকী মকোক্তা লৈখি। খ্বাইদগী হন্‌ না নৈনখিবা হিরমদি, মথংশিংনা চাদা ৩৯ অমসুং চাদা ৪০ ওইদুনা ই-ইনেবলমেন্ত অমসুং স্পাসিএল পানিংনা ওইখি।




# পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়না এস.কে.আই.সি.সি, শ্রীনগর, জম্মু কাশ্মিরদা ৮শুবা মালেমগী য়োগা নুমীৎ পালন তৌখিবা

পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়, ভারত সরকারনা ২০২২ গী ২১শুবা জুন্দা, ২০২২ দা ভারত সরকারনা খনগৎলবা জাতিগী থাক্তা লেমজনিংঙাই ওইরবা মফম ৭৫ কী মনুংদা অমা ওইরিবা শের-ই-কাশ্মির ইন্তর্নেস্নেল কনভেন্সন সেন্তর (এস.কে.আই.সি.সি), শ্রীনগর, জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা ৬:০০ অগ দগী ৮:০০ অগ ফাওবা পাক-শন্না য়োগা দেমোন্সত্রেসন তৌবগী থৌরম অমা শিন্দুনা ঙসি নিপালশুবা মালেমগী য়োগা নুমীৎ পালন তৌখি।

থৌরম অদু মশক নাইরবা মীথুংলেনশিং অমসুং য়োগা পামজবা অমসুং অনকপদগী শরুক য়াবা লাকখিবা মীয়ামগী মমাংদা শ্রী মনোজ সিনহা, জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী লেপ্তনেন্ত গোভর্নর অমসুং শ্রী কাপিল মোরেশ্বর পতিল, পঞ্চায়ত্তি রাজকী রাজ্যগী কেন্দ্র মন্ত্রিনা মৈরা চুখত'না হৌদোকখি। শ্রী অরুন কুমার মেহতা, চিফ সেক্রেতরি, জম্মু অমসুং কাশ্মির সরকার, শ্রী (দা.) চন্দ্র শেখর কুমার, এদ্দিস্নেল সেক্রেতরি, পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়, শ্রী নিতিশ্বর কুমার, লেপ্তনেন্ত গোভর্নরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি, জেকে, শ্রী (দা.) বিজয়া কুমার বেহরা, ইকোনোমিক এসভাইজর, পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়, শ্রীমতি মন্দিপ কোর, কম্মিস্নর/সেক্রেতরি, দিপার্তমেন্ত ওব রুরেল দিভেলপমেন্ত পঞ্চায়ত্তি রাজ, জেকে অমসুং অতোপ্পা কেন্দ্র সরকার অমদি জম্মু অমসুং কাশ্মির সরকারগী মথক থোংবা ওফিসরশিংনা শরুক য়াদুনা থৌরম অদুবু হেন্না মপুং ফাহনখি।

শরুক য়ারিবশিংগী মফমদা রা ঙাঙলদুনা, শ্রী মনোজ সিনহা, জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী লেপ্তনেন্ত গোভর্নরনা ঐখোয়গী নোংমগী পুন্সিদা য়োগগী মরুওইবা অদু ফোঙদোকখি অমসুং মীওই খুদিংমক্না মশাগী লনাইগী পুন্সি অমসুং পায়রিবা শিনফমগী হিরম খুদিংমক্তা শাফনবগীদমক চাং নাইনা য়োগা তৌনবা হায়খি। লেপ্তনেন্ত গোভর্নরনা শরুক য়াবা লাকখিবা তোঙান-তোঙানবা ওফিসশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংদা তৌরিবা থবক অদু হেন্না মায় পাক্লবগীদমক নুংথিলগী মতমদা য়োগা তৌদুনা পোথাবীয়ু অমসুং হকচাং তেকখৎহনবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।






থৌরম অদুদা $া ঙাঙলদুনা, শ্রী কাপিল মোরেশ্বর পতিল, পঞ্চায়ত্তি রাজকী রাজ্যগী কেন্দ্র মন্ত্রিনা ৮শুবা আই.দি.$াই. গী থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবা মীওই খুদিংমক্তা মহাক্না রাইফ-পাউজেল পীখি অমসুং য়োগা তৌবগী হৈনবী থম্নবা অমসুং $াখল, পুক্নিং অমসুং হকচাং ফনা লৈনবা অমসুং পুন্সি নুংশাংনবগীদমক চাং নাইনা য়োগগী শাজেল তৌনবা মীয়ামদা হায়খি। মালেমদা লৈবা শ্বর্গ হায়না খঙনরিবা- কাশ্মির তম্পাক্তা লৈরিবা পু$ারিগা শাগোন্নরবা শ্রীনগর শহরগী মালেমদা-ফাওরিবা অমসুং পুক্নিং হুনা ফজরবা দাল পাৎকী তোর্বান্দা লৈরিবা এস.কে.আই.সি.সি. দা নোং খজিক্তুং চুরবসু অনকপদা লৈরিবা য়োগবু নুংশিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখিবা অদুদা মহাক্না নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

দা. রুহি তবাসুম, মাস্তর য়োগা ত্রেনরনা মফম অদুদা কম্মন য়োগা প্রোতোকোলগী মতুংইন্না পাক-শন্না য়োগা দেমোন্সত্রেসন তৌখি অমসুং শরুক য়ারিবশিংনসু আই.দি.$াই-২০২২ পালন তৌবা ওইনা মিনিত-৪৫ শরুক য়াখি।

দিরেক্তোরেত ওব অয়ুস অমসুং য়ুনানি কোলেজতগী ২৫০; আর.আর.আই.য়ু.এম. দগী ৫০; আর.দি.দি. (পঞ্চায়ত্তি রাজ লোয়শঙশিংদগী খনগৎলবা মীহুৎশিং অমসুং থৌ পুবশিং) দগী ৫৫০; দিপার্তমেন্ত ওব য়ুথ এন্দ স্পোতসতগী ৫০; এস.কে.য়ু.এ.এস.তি. দগী ৪০; বি.এস.এফ. তগী ৫০; সি.আর.পি.এফ. তগী ১০০; বি.এম.ও. দগী ১৫; স্কাউত্তগী ৫০; সি.এম.ও. দগী ১৫; এন.ঐচ.এম. দগী ৫০ অমসুং অনকপদা লৈরিবা অতোপ্পা মীওইশিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংদগী মীওই ১২০০ লোম্না এস.কে.আই.সি.সি. শ্রীনগরদা পালন তৌখিবা আই.দি.$াই-২০২২ দা শরু ক য়াখি।.

# কেন্দ্রগী পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রি শ্রী গিরিরাজ সিংহনা পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়গী দিজাস্তর মেনেজমেন্ত পান মীয়াম মাঙদা উৎখি

কেন্দ্রগী রুরেল দিভেলপমেন্ত, পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রি শ্রী গিরিরাজ সিংহনা ১৭শুবা মার্চ, ২০২২ দা পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়গী দিজাস্তর মেনেজমেন্ত পান মীয়াম মাঙদা উৎখি। দিজাস্তর মেনেজমেন্ত পান অদু শ্রী সুনিল কুমার, সেক্রেতরি, পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়, দা. চন্দ্র শেখর কুমার, এদিস্নেল সেক্রেতরি, পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়, শ্রী কৃষ্ণ এস. ভাতসা, মেম্বর, নেস্নেল দিজাস্তর মেনেজমেন্ত ওথোরিতি (এন.দি.এম.এ), শ্রী রাজেন্দ্র সিংহ, মেম্বর, এন.দি.এম.এ, অমসুং অতোপ্পা ভারত সরকারগী মথক থোংবা ওফিসরশিংনা শরুক য়াদুনা মীয়াম মাঙদা উৎখি। রাজ্যগী পঞ্চায়ত্তি রাজ দিপার্তমেন্তশিং, রাজ্যগী দিজাস্তর মেনেজমেন্ত ওথোরিতিশিং, রাজ্যগী রিলিফ কম্মিসনরশিংগী মথক থোংবা ওফিসরশিংনসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

শ্রী গিরিরাজ সিংহনা হায়খি মদুদি পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়না পঞ্চায়তশিংগী মরক্তা গ্রাসরুতকী থাক্তা দিজাস্তর রেজিলেন্স অমা শেমগৎনবা অমসুং খুঙ্গংগী লমশিংদা নেস্নেল দিজাস্তর মেনেজমেন্ত ওথোরিতিগা মান্নবা দিজাস্তর মেনেজমেন্তকী পাম্বৈশিংগী ফ্রেমৱার্ক অমা শেমগৎনবা পান্দম থম্রি। মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি মিৎয়েং, পান অমসুং কম্যুনিতিদা য়ুমফম ওইবা দিজাস্তর মেনেজমেন্ত পানশিং অসিদা অকক্নবা পান্দম থম্বা অমসুং পুন্না হোৎনমিন্নবা হায়বসিনা ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা পাক-শন্না দিজাস্তর থেংনবদা চাওনা অহোংবা অমা পুরক্কনি।

শ্রী সুনিল কুমার, সেক্রেতরি, পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রিনা ফোঙদোকখি মদুদি "পঞ্চায়ত্তি রাজ মন্ত্রালয়গী দিজাস্তর মেনেজমেন্ত পান" (দি.এম.পি.-এম.ও.পি.আর) অসি খুঙ্গংদগী হৌদুনা দিস্ত্রিক পঞ্চায়তকী থাক ফাওবদা কম্যুনিতি-বেস পানিংগী পাক-চাওবা মিৎয়েংগা লোয়ননা শেমখি। পান অসিগী মখাদা, ভারতকী খুঙ্গং খুদিংমক্তা "ভিলেজ দিজাস্তর মেনেজমেন্ত পান" লৈগনি অমসুং পঞ্চায়ত খুদিংমক্তা মখোয়গী দিজাস্তর মেনেজমেন্ত পান লৈগনি।

থৌরম অদুগী মনুংদন্না, শ্রী কৃষ্ণ এস. ভাতসা, মেম্বর, নেস্নেল দিজাস্তর মেনেজমেন্ত ওথোরিতিনা য়াম্না মচা খায়বা প্রজেন্তেসন অমা পীখি, মদুদা মহাক্না দিজাস্তর মেনেজমেন্ত পানিংদা পঞ্চায়ত্তি রাজ লোয়শঙশিংনা লৌরিবা মরুওইবা থৌদাং অদু পনখি অমসুং খুঙ্গংগী লমশিংদা দিজাস্তর রিস্ক রেজিলেন্সকী হৈনবী অমা শাগৎপগী তঙাইফদবা অদুসু পনখি। থৌরম অদুদা শ্রী রাজেন্দ্র সিংহ, মেম্বর, নেস্নেল দিজাস্তর মেনেজমেন্ত ওথোরিতিসু শরুক য়াখি।




Ministry of Panchayati Raj

https://www.facebook.com/MinistryOfPanchayatiRaj
https://twitter.com/mopr_goi?ref_src=twsrc%5Egoogle%7Ctwcamp%5Eserp%7Ctwgr%5Eauthor
https://www.youtube.com/channel/UCEVBqQXipAuDoZsimwto4nA
https://www.panchayat.gov.in

*Printed & Published by*
**Ministry of Panchayati Raj**
*Edited-in-chief:* Sunil Kumar,
Secretary, Ministry of Panchayati Raj
*Printed by:* Mode Advertising & Marketing Private Limited
*Published by:* Ministry of Panchayati Raj,
Government of India, Tower II,
9th floor, Jeevan Bharti Building,
Connaught Place, New Delhi-110001